6 Pana was an administrative as well as a social unit classified on the basis of the people s surnames and not on territorial basis However a variant form of Pana based on territorial basis was introduced by the British after Manipur was conquered by them The new system consists of five Panas including the Imphal Pana

18

The Lāipham Pānā The eight high officials, viz, 1 Pūkhranpā 2 Sanglenlakpā 3 Imanglōī Hanchapā 4 Lammeilākpā 5 Leichoalākpā 6 Khultonghanpa 7 Konsāhanpā and 8 Hichāpāhanpā

The Ahallup Pānā The eight high officials, viz 1 Khwailākpa 2 Hiyanglōī Hanchapā 3 Phamthakcha 4 Yentrelhanpā 5 Okkranhanpa 6 Hit Langpa 7 Sinaipahanpa and 8 Phisāpāhanpā

The Khapam Panā The eight high officials, viz 1 Wangkheilakpa 2 Nongthonpa 3 Sanglenlākpa 4 Imīnglōī Hanchapā 5 Umu Khullakpa 6 Keiktranhanpa 7 Khutheipā Hanchapī and 8 Thangsahanpa

The Naharup Pana The eight high officials, viz 1 Yaiskullakpa 2 Aheipa Hanchapī 3 Hurroi Hanchapa 4 Chongkhanpa Hanchapa 5 Naikhulakpa 6 Hurtrolhanpa 7 Naiphalakpa and 8 Nakaplakpa

The above mentioned thirty two high officials of the four Panas are collectively known by the combined names of Poireithou and Khulphangthou Lāyamthou and Naiphangthou Of these thirty two chief administrative functionaries nineteen are the "Nung Pupa" which literally means the one who bears stone These thirty two high officials who are the heads of their respective administrative departments of the king are called Khullakpham

Also know that each of the above thirty two chief administrative functionaries has a corresponding subordinate official called Hitang Thus the chief official called Pukhranpa has a subordinate official called Pukhran Hitang In the same way the Nongthonpa has the Nongthon Hitang the Khwailakpa has the Khwai Hitang the Wangkheilakpa has the Wangkhei Hitang the Yaiskullakpa has the Yaiskul Hitang so on and so forth

---

1 Lammeilākpa was a high official having the title of Hanchapa He maintained all matters relating to fire He also supervised firewood and [illegible] in the coronation feast
Leichoalākpa was also a high official having the title of Hanchapa He maintained cleanliness in the coronation feast by removing rubbish materials and rubbing the floor with water etc
Khultonghanpa was also a high official having the rank of Hanchapa He looked after the [illegible] and cooking in the grand coronation feast

7 Konsāhanpa was also a chief official having the title of Hanchapa He supervised the manufacture of all the decorative articles made of metal He provided the king's crown (Lolthet Luthaka) bracelet [illegible] etc in the coronation ceremony

8 Hichāpāhanpa was also a chief official having the title of Hanchapa He supervised boat making carvings etc In the coronation ceremony he provided wooden platform with carved designs

6 Poireithou and Khulphangthou means the high officials of the two Panas viz Khapam and Laipham
Lāyamthou and Naiphangthou means the high officials of the Ahallup and Naharup

8 Nung Pupa In principal indicates the ten high official called the Ningthou Pompa [illegible] and the nine high officials called Laiphamthou

There are thus thirty two posts of Hitangs or Assistant Hanchapās These thirty two subordinate posts are called the Lūplākpham

Know that during the reign of King Mungyāmpā, the three posts — Tensūhanpā, Thāngsūhanpā and Singsūhanpā were upgraded and they were given seats just above the Khullākphams

It must be noted that a son, an incarnation of god was born to King Kapompā The said son, the god incarnate came to be known as god Īsing Chāipā The Pāonam family worships the said god

It must further be noted that a son, an incarnation of god was also born to King Khākempā But the royal child, the god incarnate left this world at a very tender age This divine being came to known as god Tāipang Khāipā Tāipang Khāipā, then made an incarnation at a place called Kārāthong and the god incarnate came to be known as Kārāthong Lākpā The Lāisram family who settled at Kārāthong worships this divinity and the said divinity is Sanāmahī King Khākempā entrusted the Lāisram family who settled at Kārāthong to serve the divinity

King Khākempā also entrusted two other families, viz , the Chakpram and the Lāithangpam to serve the deity Nongsāpā

God Tāipang Khāipā also made a revelation through the person of one Khommā of Leisānkhong village King Khākempā then entrusted the two families, viz , the Longcham and the Thoukanāocham to serve Tāipang Khāipā

---

1 King Mungyāmpā (1562 1597 AD) was the father of King Khakempa (1597 1652 AD)
2 Kapompa was the king who reigned from 1574 AD to 1[illegible]2 AD
3 Paonam is a Sagei of the Ningthouja clan who worships god Ising Chaipa
4 Taipang Khaipa is god Awang Phatlou Laimakhompa or god Asipā
5 Laisram is a Sagei of the Khuman clan who worships Karathong Lakpa
6 Nongsāpa is a major god worshipped by the kings in the palace of Manipur
7 Chakpram is a Sāgei of the Angom clan who worships god Nongsapa
8 Laithangpam is a Sāgei of the Moirang Anouba clan This Sagei came into existence since the time of King Khakempa for worshipping Nongsapa
9 Leisangkhong Khomma was a Maichou (Pandit) from Leisangkhong village through whom Tāipang Khaipa revealed
10 Longcham is a generation of Angom chief Hangkhei Longna Thaba the son of Pureirompa
11 Thoukanaocham is a generation of Nungpan Yangkhupa of the Luwang clan
12 God Sanāmahi is a popular name for god Awang Phatlou Laimakhompa or god Asipa or god Taipang Khāipa

লাইপু খুমনা য়ীচাবককে॥ পাখংপানা লৈনুংতাকি॥
নৃঙমু তোংতুনা তাইপঙ পানপাতা ফাওনা॥ নৃঙকাংকুম লংখৎলক্লে॥ হায়পাকি লংমাইচিঙ কৌয়ে॥ তাইপঙপানপা অসিপু হেলপা লৈতে॥ হায়না॥ সেললোয় হায়পাকি॥ সেললোয় লংমাইচিঙ কৌয়ে॥ তাকুপ তারংয়ে॥ হায়পাকি॥ সেললোয় তাকুপ চিঙ॥ লংমাই তরং চিঙ কৌয়ে॥ সনা যাইকি মাসক মাললে হায়পাকি॥ সেল্লোয় সনা হৈয়াই চিঙ কৌয়ে॥ মৈ ঈশিং নোংশিৎ॥ য়াওৰা কোংখাং ॥ হুমলেল হামলেল॥ অসি থৈপিকপু॥ নুমিৎনা পুইয়ে॥ মাসেক খিচিকতা॥ হায়লমপানে॥ নুমিৎ থাকি যূম মাপলমাকি॥ মতিকপ্ হাযতানা ঙমলোইয়ে॥ লাইরিক যামলাকানি হাযতানা॥ খিচিকতা সৃপনা হাযলমপানে॥ ※ ॥
ৱারম অমসুং হাযকে॥ হে থংচিঙ নাখোয়তা হৌপা॥ ৱু সিতাপা নমিংতী॥ সোই বুরেল কেংনাইপা কৌয়ে॥ ※ ॥
হে খানা চাউপা নাখোয়তা হৌপা ॥ ৱু সিতাপা মমিংতৌ॥ সোই ৱ্রেল খোমপা কৌযে॥ ※ ॥
হে চিঙখৈ নাখোযতা হৌপা॥

ৰু সিতাপা মমিংতী ॥ সোই ৰুরেল তরংসং কৌযে ॥ ॥

হে কৌপ্রু নাখোযতা হৌপা ॥ ৰু সিতাপা নমিংতী ॥সোই ৰুবেল সৃপনাইপা কৌযে ॥

হে থা নাখোয়তা হৌপা ৰু সিতাপা নমিংতি॥ সোই ৰুবেল মাচিপা কৌয়ে ॥ ॥

হে নুমিৎ নাখোয়তা হৌপা ॥ ৰু সিতাপা নমিংতী ॥ সোই ৰুবেল লংপা কৌয়ে ॥ ॥

হে সাচিক নাখোযতা হৌপা ॥ ৰু সিতাপা নামিংতী ॥ থৃমপী লৈসংনু লৈযোম লাংযোম কৌযে ॥ ॥

ৰা পুলসিবোল অসিপ্ লুৰাং নিংথৌ পূনসিপানা ॥ মৈতেংঙ্ নাউফঙপা ॥ সামৈবাং ॥ কোনথৌপা ॥ নাউথিঙখোং মাবিমাতা সিলনালমযে ॥ বাবি অসি খঙলাপাতী ॥ নিংথৌ ফমপাল কুইনা পাললে ॥ ॥ ৰাবি অসিপু মৈতেংঙু নাউথিঙখোংতা ॥ মাঙাং ত্রুংনা তৌপা অসিপু ॥ লাইযিংথৌ-লোযযুমপানা ॥ খঙতৃনা ॥ অমাবক হুলনা তৌলমপা ৰাপ্ হাযকে ॥ ॥

কৃমসীঙ লীসীঙ অমা কৃনথ্রানথোই সুপাতা ॥ লাইযিংথৌ লোযযুমপানা ॥ লৃপ তাককমা খাযতৃনা ॥ ফমথৌ ফমলৃপ হাপযে ॥ যৃমনাক সিনতা যেললমপা ॥

ৱুমংলাই মাপলমাকি॥ মাইপা মাসিল য়েললমপা॥ মাইপী মাসিল পীলমপা॥ তীললাৎ লাইরাৎ॥ মাসিল খৈপীকপু হায়রককে॥ ⁜ ॥

লাংসঙতা ফমতুনা॥ লাইয়িংথৌ লোয়যুমপানা হাযয়ে॥

য়ুমনাক নঙকি নাসিল হায়কে॥

থিংকুচম নঙতী মুংফি সাআে॥

নিংথৌচম নঙতী ॥ চীলফি সাআে॥

লাইরেললাকপম নঙতী ॥ লাইফি সাআে॥

কাম্বাম নঙতী॥ ৱানা কাতংফি সাআে॥

চকপা থিযাম নঙতী॥ লাইফি তোংকাপ সাআে॥

চক পালমপম নঙতী॥ ফিরেল সাআে॥

কোংপাচম নঙতী॥ লংতোমফি সাআে॥

থোঙকাপম নঙতী॥ যাবোংফি সাআে॥

খুমলল্লমপম নঙতী॥ চাম্মিফি সাআে॥

হাওখোম নঙতী॥ তোংকাপফি সাআে॥

লাইপাখ্রমপম নঙতী॥ সাবোংফি সাআে॥

সনচিরাম নঙতী॥ লৈবম সাআে॥

ৱাহেংপম নঙতী ॥ তুললাই কৃপফি সাআে॥

কাপাচম নঙতী॥ তুললাই থানফি সাআে॥

আপুচম নঙতী॥ ফৈরোইফি সাআে॥

হাওতৈচম নঙতী॥ হৈকোয় ফি সাআে॥

থোইতিংচম নঙতী॥ সীঙখলফি সাজো॥

থোঙপম নঙতী। লাইযেকফি সাজো॥

কোঙপম নঙতী॥ প্রুমফি সাজো॥

চিঙঙাখনপম নঙতী॥ ফাকঙফি সাজো॥

থৌতাম নঙতী॥ তাবাউফি সাজো॥

থাঁনপম নঙতী॥ পূমথিৎফি সাজো॥

তাংপঙচম নঙতী॥ ফিমুযেক পাংযুং ফি সাজো॥

যমলেলপম নঙতী॥ নোংফি সাজো॥

বোকথীযামপম নঙতী॥ খুনুং মসুমফি সাজো॥

খোযনিসুমপম নঙতী॥ খনুং চুমখনফি সাজো॥

যুমনাকসঙপম নঙতী॥ চিঙখোঙফি ফিমু সাজো॥

খোইসানাম নঙতী॥ ফিমু লানফি সাজো॥

সাঁঙখাঙপম নঙতী॥ খুনুং মাথংফিপু সাজো॥

চিঙখ্মামপম নঙতী॥ কাবৌফি ফিঙাঙ সাজো॥

বাংপাচম নঙতী। সঙমু লাংমুফি সাজো॥

থাঙব ঙসাংপম নঙতী॥ থাঙলি সাকাবামাপু সাজো॥

অহোঙসাংপম নঙতী॥ খুৎসুবি খোঙলিমাপু লোনজো॥ ॥

চৈবৈ ফিসাপা॥ নাউতম ফিসাপা॥

যাংনু ফিসাপা॥ হৈসুনাহা ফিসাপা॥

খোযবিহান ফিসাপা॥ নঙখোয

মাওামাতী॥ চৈবৈ নিংথৌফি সাঅো॥ ⁜ ॥
লংসঙপম আকাঙচমপম নঙতী॥
লৈবেল খোইপাক লৈপু সঙঅো॥
লংসঙপম চিঙখ্বামপম নঙতী॥
চিঙসাং মুযুম লৈপু সঙঅো॥
লংসঙপম যীবোমপম নঙতী॥
তলল' বুবৈবোম মাকোং মৈবি মালপাপু সঙঅো॥
লংসঙপম ফিসাপা ঙানপা নাহা নঙতী॥
লোইবং থাউচু লৈপু সঙঅো॥
লংসঙপম খুমলথেমপম নঙতী॥
হিবোক নানৌ লৈপু সঙঅো॥
লংসঙপম খুমুকচম নঙতী॥
কুম াং বুমপাল লৈপু সঙঅো॥
লংসঙপম যাঁপসঙপম নঙতী॥ চিঙযা নাপু লৈ॥
এাচা া হেনাড লৈপু সঙঅো॥
ল সঙপম বাসিযামপম নঙতী॥
বানা াাংং মালপা সংলেল যাচু লেপ সঙঅো॥
আমাসঙ খঙ্গাপা হাযকে॥ নাহঁযংথৌ আতেম যোযবেলপাল॥
ঙানপা লংসঙপানা লৈতাতুনা॥
হকবানথেমনা লোযযামপা সঙখিযে॥ ⁜ ॥
হৈবেম নঙতী ॥ মেবেমা সঙঅো॥
যীবোম নঙতী॥ খমলাংপা সঙঅো॥
সোযথাম নঙতী॥ উসোয সঙঅো॥
তিতাম নঙতী ॥ যীখৈ সঙঅো॥

সোইবেলসঙ্পম নঙতী॥ সবাবেল সঙআে॥
নিংঙোলপম নঙতী॥ ৰাংকোল সঙআে॥
সাবাংথেম লৈসাংথেম অনীমা নঙতী॥ লমমাপী সঙআে॥
সারোৎথাযপম নঙতী॥ ফৌৰোইপী সঙআে॥
পোৎসঙপম নঙতী॥ সঙলাংমৈ সঙআে॥
মোইবাং পৃখ্রমপম নঙতী॥ কুচু সঙআে॥
আযাম পুবোযচম নঙতী॥ পৃবোয লৈমা সঙআে॥
সৌপাম নঙতী॥ মাবাউ লৈমা সঙআে॥
হৈচানাম নঙতী॥ পানথোইপী সঙআে॥
খোইসিনাম নঙতী॥ পেৎতাঙা সঙআে॥
হোইতোলকোকপম নঙতী॥ হোইতোল লাইবেমমা সঙআে॥
ন্যাইপঙচম নঙতী॥ লাইখুবেনপী সঙআে॥
কোনথৌচম নঙতী॥ হুইমু লৈমা সঙআে॥
আসাংপম নঙতী॥ লৈনাউতাপী সঙআে॥
চিখ্যাম নঙতী॥ নৃঙথেল লৈমা সঙআে॥
অবামপম নঙতী॥ সৌপোল লৈমা সঙআে॥
যেলখোম ফিসাপম নঙতী॥ আৰাংপা সঙআে॥
লুৰাংসঙপম নঙতী॥ লুৰাংচিঙ সঙআে॥
সিনাম লাইসঙপম নঙতী ॥ লাইযিংথৌ হলপা সঙআে

মোইবাংথেম পুথেম নঙতী ॥ পুথিপা সঙত্রো ॥

মংসাতাপম নঙতী ॥ পুবৈবোমপা সঙত্রো ॥

লংমাইথেম নঙতী ॥ তেনলোঙপা সঙত্রো ॥

যাবংযানপম নঙতী ॥ থোঙঙাক সঙত্রো ॥

নাকনপম নঙতী ॥ চিঙকোল নিংথৌ সঙত্রো ॥

খুবাইচম নঙতী ॥ চিঙপাল লৈমা সঙত্রো ॥

মৈবে পম নঙতী ॥ যাওবৈপী সঙত্রো ॥

লৈসাংথেম নঙতী ॥ কৌপাবেল সঙত্রো ॥

যেলখোম নঙতী ॥ চাখাপা সঙত্রো ॥

নিংথৌচম নঙতী ॥ নুমিৎ লৈমা সঙত্রো ॥

পুবনপম নঙতী ॥ কৌপ্রু সঙত্রো ॥

চেংলৈ নাইসঙপম নঙতী ॥ মাবাচিঙ সঙত্রো ॥

মোইবাংথেম নঙতী ॥ মোইবাং যকতোম সঙত্রো ॥

কাংপচম নঙতী ॥ হোঙনেম যোই খুলচাউপ সঙত্রো ॥

চিঙশাংনপম নঙতী ॥ চিঙঙা সঙত্রো ॥

লোইচম বেলোইচম নঙতী ॥ লাংচিঙ সঙত্রো ॥

তেবাম নঙতী ॥ লাংশোল সঙত্রো ॥

লংমাই যুমনাথেম নঙতী ॥ লংমাইচিঙ সঙত্রো ।

নিংথৌচম নঙতী ॥ চিঙঙা লৈমা সঙত্রো ।

হৈথৌ খোঙতেকচম নঙতী ॥ হৈপোব সঙত্রো ॥

চিখামপম নঙতী ॥ লাইচিঙ হিযাঙথা লৈমা সঙত্রো ॥

থাউপীচম নওতী॥ যুমচাউ লাইবেমমা সওআে॥ ⁜ ॥

হৌচিকতী মাইপাকি সিল্ হাযকে॥

আসাংপম নওতী॥ খোঙ হামআে॥

আবামপম নওতী॥ যীকুআে॥

লৈবোংচম নওতী॥ লৈবালআে॥

তোইপীচম নওতী॥ থাবাউচী খোংআে॥

আকপম নওতী॥ আসেং আক তৌআে॥

লৌবেমপম নওতী॥ যুমচাউ চেঙ কাপআে॥

সিনাহপা নওতী॥ লৈবেল লৈচাউ সাআে॥

কোনসাপম নওতী॥ লোললে লুথক সাআে॥

অহৈপা নওতী॥ পৃথম নাতী হৈআে॥

হিচাপা নওতী॥ ফালসাং লৈমায সাআে॥

থাঙসাপম নওতী॥ থাঙ তা সাআে॥

যৈবোহচম নওতী॥ লপত্রৈ যালআে॥

মোহচেমপম নওতী॥ মোইবীক সাআে॥

লৌখাম নওতী॥ মৈপা চিংআে॥

মোইবাংথেম নওতী॥ হাবী খোংসাং লাৎআে॥

মাইমুরাম নওতী॥ মাইমু তোমসোল লাৎ আে॥

এইপওচম নওতী॥ আতাহ পৃবি থোকমো॥

মাহপা থিযান নওতী॥ সীওখায হুলআে॥ মঙ চওমো ॥

গোসী নাহকপম নওতী॥ মৈপা চিংআে॥

খলথৌপম নাহকপম নওসুও মৈপা চিংআে॥

[illegible]পম নওতী। মৈ [illegible] ॥

মৈফুৰাম্ নঙতী ॥ মৈ কামঅো ॥

নাউকনসঙ্পম্ নঙতী ॥ নাউ সঙ্অো ॥

আপুচম নঙ্তী ॥ নাউফম পুঅো ॥

তোকপম নঙতী ॥ লৈপাক তৌঅো ॥

তোঙপৃবম থাঙসাপম নঙতী ॥ লৈথোলঅো ॥

তৌবেম নঙতী ॥ আযাঙ তৌ লানঅো ॥

নাউবোইপম নঙতী ॥ আঙাং লৌঅো ॥

লৈসাংথেম নঙতী ॥ আযাঙ লমকুম্অো ॥

পৃকযুহৌপম নঙতী ॥ যু সীলঅো ॥

ৰাংথেম লোঙচম নঙতী ॥ লোঙ পাযঅো ॥

ঙাথেম নঙতী ॥ ঙামি কৌঅো ॥

লাংকোলচুমপা নঙতী ॥ মঙ চঙঅো ॥

লাংতেম নঙতী ॥ লালচৈ হুলঅো ॥

লাঙকমপম নঙতী ॥ লালচৈ যানঅো ॥

থোঙপম নঙতী ॥ থোঙকা থিংঅো ॥

লাইতোনচম নঙতী ॥ আযাঙ চঙঅো ॥

সীঙখাঙপম নঙতী ॥ সীঙ খাঙঅো ॥

আতোম নঙতী ॥ সাবৈ থেমঅো ॥

যুকুংপম নঙতী ॥ লাল হোইঅো ॥

ময়াংলম্পম নঙতী ॥ সামি কৌঅো ॥

খুমললমপম নঙতী ॥ সাযাকোৎ চঙঅো ॥

লাঙহৈপম নঙতী ॥ লাং সেমঅো ॥

তৌমোম নঙতী ॥ তৌ যানঅো ॥

তৌবিযাম নওতী ॥ তৌ যৈখাযঅো ॥

হাওমুকপম নওতী ॥ ফক সাঅো ॥

সাৎতোকপম নওতী ॥ তৌ ফাকঅো ॥

খোযবিসুমপম নওতী ॥ খোযবি কিঅো ॥

খোযবিযানপম নওতী ॥ খোযবি ককঅো ॥

লাইবেনচম নওতী ॥ ফি সূঅো ॥

যৌথাপম নওতী ॥ লা খাঙঅো ॥

লিসম নওতী ॥ লি সাঅো ॥

লেসাঅোনপম নওতী ॥ চাফু সাঅো ॥

যেলবান নওতী ॥ যেল পুসিলঅো ॥

ডানুকাপপম নওতী ॥ ডানু পাযঅো ॥

বুগোনথেম নওতী ॥ হামেঙ পুসিলঅো ॥

বোকএ্রমপম নওতী ॥ বোক পুসিলঅো ॥

মাইপাবমপা নওতী ॥ যেলখোং তমঅো ॥

পাংখাযচমপম নওতী ॥ সাপৈ যেংঅো ॥

মাকুবামপম নওতী ॥ সিংপা তমঅো ॥ বুচেকখোল তাঅো ॥

মাইপম আযানপম নওতী ॥ মাইপা তমঅো ॥

চাপুডপম নওতী ॥ চাক যিলঅো ॥

আঙোঙপম নওতী ॥ আঙোঙ আচাউ তমঅো ॥

বালেপপম নওতী ॥ বা লাৎঅো ॥

মাইপম নওতী ॥ চূপ সাঅো ॥

চকযৌবান নওতী ॥ চকফি লাইসম থাঅো ॥

ঙাংঙোম নঙতী ॥ কোনয়াই হুলআে ॥

য়েনকোকপম নঙতী ॥ য়েরুম থাআে ॥

খুমুচম নঙতী ॥ কৈ ৰারকআে ॥

নিংথৌখোংচম নঙতী ॥ কুরেক হায়খোং য়াইখোম লাৎআে ॥

লোইচায়াম্পম নঙতী ॥ চিঙফৌ লাৎআে ॥

আয়াঙপম নঙতী ॥ তাবেৎ চঙআে ॥

আকরা নঙতী ॥ মেরা সা সেমআে ॥

পৃঙক্রাইচম নঙতী ॥ ৰাংলেল পৃঙ কাইআে ॥

লাইরেলপম নঙতী ॥ লাইখুল লাৎআে ॥

ৰাকোংথেম নঙতী ॥ ৰাতোল উতোল ৰাকল য়াই লাৎআে ॥

আথাম নঙতী ॥ সম কোকআে ॥

সিযাৎপম নঙতী ॥ ব্রুন যাৎআে ॥

সাথোকপম নঙতী ॥ সেৎথোকআে ॥

সারোৎখায়পম নঙতী ॥ ফাক্থোকআে ॥

হায়িংথেম নঙতী ॥ মাচুম নপআে ॥

খায়থেম নঙতী ॥ হকসাং খায়আে ॥

হকৰানথেম নঙতী ॥ হল ফাথোকআে ॥

হলনোইপম নঙতী ॥ হল নোইহৎআে ॥

পুরোইচম নঙতী ॥ পরোম থোপথিলআে ॥

লুৰোংচম নঙতী ॥ লুসৎ হংনেমআে ॥

আমাক্চম নঙতী ॥ লীরুং তেল পায়আে ॥

সারুপম নঙতী॥ লু সঙঅো॥

নাকুমপম নঙতী॥ নাকমঅো॥

থ্মুবোঙ নঙতী॥ লোং সাঅো॥

লুচামপম নঙতী॥ লু চামঅো॥

মংসঙপম নঙতী॥ মং সঙঅো॥

ৱাংলেনপম নঙতী॥ পূঙ থীনঅো॥

কাপবমপম নঙতী॥ লৈসৌপুঙ লাৎঅো॥

সেবাম নঙতী॥ ঙৌতোং মিৎ লাৎঅো॥

সমপালতবাম নঙতী॥ নোংশিৎ লাৎঅো॥

সলথাম নঙতী॥ লমসল লাৎঅো॥

সাঙাইকাপপম নঙতী॥ পুঙ তোইঅো॥

থোঙঐনমপম নঙতী॥ উক্রোঙ লাৎঅো॥

কোনথে নাকথিংমাই নঙতী॥ লাই চুপ সাঅো॥

সৌঐাকপম নঙতী॥ সাকু বালোং সাঅো॥

খাবিপম নঙতী॥ যহী যেলঅো॥

লৈযুসুংপম নঙতী॥ সাচি যু যেলঅো॥

মোবি নঙতী॥ লৈতাইহঅো॥

ঙাসেপপম নঙতী॥ ঙা সেমঅো॥

থীঙলোং চাউবোং মাইপা নঙতী॥ লাইযিংথৌহনপা লাৎঅো॥

আপক আমাইপা নঙতী॥ মোংপাহলপা লাৎঅো॥

থাপা লাংথংচা কাপো ৱা মাইপা নঙতী॥ নাউহল অহলপা লাৎঅো॥

চাকোই বা মাইপা নঙতী॥ থমলাংপা লাৎঅো

কৌপা মীযোমপা মাইপা নঙতী ॥ কৌপাবেল লাৎঅো ॥

লাংমৈ অমাইপা নঙতী ॥ চাখাপা লাৎঅো ॥

থোংনাং কাইপাযাঙ মাইপা নঙতী ॥ মুবা নিংথৌ লাৎঅো ॥

খাযোয কাবিযাঙ মাইপা নঙতী ॥ মাবাচিঙ লাৎঅো ॥

লোয়যম সঙকায অমাইপা নঙতী ॥ কৌপ্রু লাৎঅো ॥

কিযাম নঙতী ॥ কিযাম লাই লাৎঅো ॥

নমপুচম নঙতী ॥ নমপুচম লাই লাৎঅো ॥

অসৈপা নঙতী ॥ সনা লমরোক সকঅো ॥

আসেম ঙাখাখোই নঙতী ॥ যাকৈ যীসৈ সকঅো ॥

খোইনাইচম নঙতী ॥ খোই লাৎঅো ॥

সলচিবামপম নঙতী ॥ সল চিংঅো ॥

পাউপম নঙতী ॥ পাউতা হিরেলগা লাইপাউ তাঅো ॥

ফমতেম নঙতী ॥ খোঙকাঙ খুগা নাঅো ॥

লাই ম নঙতী ॥ সনখোঙ লাৎঅো ॥

হাওশিচম নঙতী ॥ লৈবব তেবালঅো ॥

বামপম নঙতী ॥ তোকপা লাৎঅো ॥

লাউখোংচম নঙতী ॥ খোং লাৎঅো ॥

লালধম নঙতী ॥ লানথা যাসে সকঅো ॥

খাবাযাচম নঙতী ॥ খাবায থোঙ খলঅো ॥

যুমলেলপম নঙতী ॥ যীসিং লাৎঅো ॥

চকপা খিযাম নঙতী ॥ মঙ চঙঅো ॥ মৈপা থংঅো ॥

অখোংপম নঙতী॥ খোং থীনআে॥

নানপম নঙতী॥ হিযাঙকোই চোংআে।

হৈবাঙখোংচম নঙতী॥ কোংপা চেঙকৃপ সীআে॥

থীনপম নঙতী॥ নাকথীনআে॥

মৃতুম নঙতী॥ ললহামপৃঙ লাৎআে॥

থিংনাম নঙতী॥ উ কাবোং লাৎআে॥

চিঙকাঙপম নঙতী॥ চিঙঙাঙলেল লাৎআে॥

খাবিপম নঙতী॥ হিচাকাং লাৎআে॥

লাহসোম নঙতী॥ উচি লাৎআে॥

সিংখাম নঙতী। লংমাইবোল সকআে॥

থোংঙাম নঙতী॥ অহোঙলোল সকআে॥

সবাইচম নঙতী॥ খোইচু লমআোক সকআে॥

চানতম নঙতী॥ খোংচিংলোল সকআে॥

হৈচানাম নঙতী॥ হাযিং লাৎআে॥

থিযাম নঙতী॥ হি লাৎআে॥

মোইবাং পৃখ্রলপম নঙতী॥ তীনলেঙ কাঙলেঙ লাৎআে॥

আপুচম নঙতী॥ পৃকস্ত্রী লাৎআে॥

নোংপোকপম নঙতী॥ নোং লাৎআে॥

বাইখোম নঙতী॥ ৱাই খোমআে॥

অকোইচম নঙতী॥ মিকোল হিহোলআে॥

হিচম নঙতী॥ নৃঙখোং নৃঙলাউপী ফাআে॥

সললাম নঙতী॥ লংমাইচিঙ লাৎআে ॥

তাংখুল সাবম পাখংপা সাআে ॥
হিতাম নঙতী ॥ সনা লীফক সাআে ॥
হৈথম নঙতী ॥ খোঙ হামআে ॥ যীব আে ॥
লাইসঙপম মেলেমপম নঙতী ॥ মেল সঙআে ॥
খমনাম নঙতী ॥ খমনুং চযোম থাআে ॥
সেলসাপম নঙতী ॥ সেলপূঙ সেলমল সাআে ॥
আমাহপা নঙ লৈবাহ যুখাঙআে ॥ কাপোক ফামনোই চাহগে ॥
নোংতোল অমাইপী নঙতী ॥ লাইচা ফুহিং লাকআে ॥
থাললে লৌকা তাআে ॥ তাংখুল নুবাপীবু সাআে ॥
ফুবা যীমাইপী নঙতা ॥ ফুবা লাইযুম চঙনা মঙ তাআে ॥
যীমাইপা থিনঙাওপা নঙতা ॥ মং থিআে ॥
নোংচপ হাওবোঙ মাইপা নঙতা ॥ মঙ চঙআে ॥ সিঙখাযপা তমআে ॥
নামাবম নঙতা ॥ কাসাতেল লাৎআে ॥
পানম যাংকোকপম নঙতী ॥ পানম লাই যীলআে ॥
পখ্রলপম নঙতা ॥ লোললেআে ॥
খাবৎসাপম নঙতা ॥ যেৎতুম পমকা লাকআে ॥
পুতোনাম নঙতা ॥ ল পআে ॥
সা গোলচম নঙতী ॥ লু থেৎআে ॥
লাইবেললাবপম নঙতী ॥ নোংমে সাঙচঙ লাৎআে ॥
নোংচেলপম নঙতী ॥ নোং কাপআে ॥

মোইবাংথেম নঙতী ॥ যীপূলাৎ থেললাৎঅো ॥
নাউবেম নঙতী ॥ নাউসোঙফাল লাৎঅো ॥ ⁂ ॥
হৌচিকতী ॥ লৈনুং লোনচা পাখংপাকি ॥ খোঙলূপ ॥ লাইকি কংলা ফাললূপতী ॥ কুকমলেল সানাইপানে ॥ থীবমলেল কিংনাইপানে ॥ তলতুমলেল মৈনাইপানে ॥ মাবাচিঙনে ॥ থংচিঙনে ॥ থোঙঙাবেলনে ॥ তাককনে ॥ কাবিনে ॥ কাবানে ॥ নোংতমখূপানে ॥ নোংতমহলপানে ॥ লৈসাতাউনে ॥ নোংসাতাউনে ॥ লৈখোমতাউনে ॥ নোংখোমতাউনে ॥ থাৰানে ॥ চেঙানে ॥ যুচেংনে ॥ যুহানে ॥ তাবানিথোইনে ॥ লাইফঙথৌ মাপলনে ॥ খুলফাঙথৌ মাপলনে ॥ পোইবৈথৌনে ॥ তাযমথৌনে ॥ অসিপু কংলা আযাঙ ফমথৌ কৌযে ॥ খঙঅো ॥ ⁂ ॥
হৌচিকতী ॥ খঙনাপা আযাঙ ফমলূপ খাযবককে ॥ ক্র মাইচৌ অহুমমানে ॥ অসিতী ॥ মাঙাং লুৰাং খুমল অহুমমাসুং হাযযে ॥ থংচিঙনে ॥ মাবাচিঙনে ॥ থোঙঙাবেলনে ॥ লাইপাতী ॥ তাককমা অসিতী ॥ নিংথৌকি মীযোক তাককমানে ॥ খঙঅো ॥ ⁂ ॥
পূখ্ৰলপা ॥ নোংথোলপা ॥ খ্বাইলাকপা ॥ যাইসাকুল

লাকপা॥ হিয়াঙলোয় হলচাপা॥ চোঙখালপা হলচাপা॥ য়ীমাঙলোয় হলচাপা॥ য়ীমীঙলোয় হলচাপা॥ ফমথকচা॥ নাইখুলাকপা॥ তারামা অসিতী॥ মায়কৈ ঙাকপা লাই তারামানে॥ থা তারানিথোইমা পুইয়ে॥ নিংথৌ পোংপা তারামানে॥ খঙআে॥ অসিনে॥ ⁂॥

লমমৈলাকপনে॥ ৱূম্ খুললাকপা॥ য়েনত্রেলহলপা॥ হূইত্রোলহলপা॥ লৈচোনলাকপা॥ কৈত্রুলহলপা॥ খুনতোংহলপা॥ নাকপলাকপা॥ ৱোকত্রুলহলপানে॥ মাপলমা অসিতী॥ লাইফঙথৌ কৌয়ে॥ লাইতী ৱুমংলাই মাপলমানে॥ লাংযেন মাপলমানে॥ খঙআে॥ ⁂॥

সিনাইপাহলপানে॥ যীলাৎলাঙপানে॥ থাঙসাহলপা॥ কোনসাহলপা॥ নাইফালাকপা॥ হিচাহলপা॥ অহৈপাহলপা॥ খূৎতৈপাহলপা॥ ফিসাপাহলপা॥ হূইরোয হলচাপানে॥ অসিনা খুলফাঙথৌ কৌয়ে॥ নুমিৎ চাযোন তাবেৎমাসূং কৌয়ে॥ সললাই মাপলমানে॥ খঙআে॥ ⁂॥

হৌচিকতী॥ পানা খাযকে॥

লাইফমতা॥ পূত্থলপা॥ সঙলেল লাকপা॥ যীমাঙলোয

হলচাপা॥ লমমৈলাকপা॥ লৈচোন্লাকপা॥ খুনতোংহলপা॥
কোনসাহলপা॥ হিচাপাহলপা॥ নীপাল্মানে॥ ❋ ॥
অহললূপত॥ খ্বাইলাকপা॥ হিযাঙলোয হল্চাপা॥ ফমথকচা॥
যেনত্রেলহলপা॥ ৱোকক্রলহলপা॥ যীলাৎলাঙপা॥
সিনাইপাহলপা॥ ফিসাপাহলপা॥ নীপালমানে॥ ❋ ॥
খাফমতা॥ ৱাংখৈলাকপা॥ নোংথোলপা॥ সঙলেল লাক্পা॥
যীমীঙলোয হলচাপা॥ ৱূমু খুললাকপা॥ কৈত্রুলহলপা॥
খূৎহৈপা হলচাপা॥ থাঙসাহলপা॥ নীপালমানে॥ ❋ ॥
নাহালূপতা॥ যাইসাকুল লাক্পা॥ অহৈপা হলচাপা॥ হূইবোই
হলচাপা॥ চোঙখালপা হলচাপা॥ নাইখুলাকপা॥
হূইত্রোলহলপা॥ নাইফালাকপা॥ নাকপলাকপা॥
নীপালমানে॥ ❋ ॥
আসিপু পোইবেথৌ॥ খুলফাঙ্থৌ॥ তাযমথৌ॥ নাইফাঙথৌ॥
আসুম কৌযে॥ নূঙ পুপা অবামাপলনে॥ খঙআে॥ খুললাকফম
তাযপাতী আসিনে॥ খঙআে॥ ❋ ॥
পূখ্রল হিতং॥ নোংথোল হিতং॥ খ্বাই হিতং॥ ৱাংখৈ হিতং॥
যাইসাকুল

হিতং ॥ আসুম হায়পা ॥ হিতং ফম কুনথানিথোইনে ॥ অসিতী লৃপলাকফম কৌয়ে ॥ খঙ আে ॥ ⁜ ॥

তেলসূহলপা ॥ থাঙসৃহলপা ॥ সীঙসূহলপা ॥ আহুমমাতী ॥ লাইয়িংথৌ মৃংয়ামপানা ॥ লৌখৎতুনা থুললাকফমকি মাথকতা ফমহললম্মে ॥ খঙ আে ॥ ⁜ ॥

ৱাবম অমাসুঙ হায়কে ॥ লাইয়িংথৌ কাপোমপাতা ॥ য়ীসিং চাইপা পোকয়ে ॥ পাউনমতা য়ৃমতাখিয়ে ॥ ⁜ ॥

লাইয়িংথৌ থাকেমপা সনা হাকথকতা ॥ তাইপঙ থাইপা পোকয়ে ॥ লাই ৱোইখিয়ে ॥ কারাথোংতা ফাওরে ॥ কারাথোং লাকপা কৌযে ॥ লাইশ্রমনা য়াযে ॥ ⁜ ॥

সনামহীনে ॥ কারাথোং তাপা লাইশ্রমতা লাই মানাই ৱোইআে পীবমযে ॥ নোংসাপাতা চকপ্রম লাইথংপম য়্মনাক আনীমক পীরময়ে ॥ ⁜ ॥

লৈসাংখোং খোমমাতা ফাওবাপাতা ॥ লোঙচম থৌকানাউচম য়ৃমনাক আনীমক ॥ লাই মানাই ৱোইআে পীরময়ে ॥ ⁜ ॥ ⁜ ॥ ⁜ ॥ ⁜ ॥ ⁜ ॥

রাহুলোক

লামায় ১

১। লাইপু খুমনা য়ীচারককে — তাইবংপানবগী মপু লাইয়িংথৌ শিদববু খুরুম্মজদুনা ইজরক্কে।

২। পাখংবা–তাইবংপানবগী মপু গুরু শিদবগা মশা অমত্তা ওইরিবা মাগী মচানূপা লাই পাখংবা অদুমক্কি হায়না লৌনরিবা তাইবং লাইয়িংথৌ তুবী নোংদা লাইরেন পাখংবা। লৈরোন, নোংলোন, লাংয়েন মরোন অহুম্মবু তুই হায়বগীবু তুবী কৌখি। মৈদিংঙু তুবী নোংদা লাইরেন পাখংবা অসি গুরু শিদবগী মচা লাইয়িংথৌ পাখংবা অদুমক্কি হায়না লৌনরিবা থাজনরিবা অসিগী য়ুমফম মখাদা পীরি।

গুরু শিদবনা মালেম লৈশেমদুনা তাইবং য়ুল্লিং খুল্লিংলবদা, মচা অমদা লৈবাক্কী মপু ওইহন্দুনা সনা ফম্বাল শিন্নরল্লগে খল্লদুনা মচা অহুম্মক্তা নোংথৌ মখোঙ কোয়নৌ-ও, হান্না থুংলবদা সনা ফম্বাল পীদুনা লৈবাক্কী মপু ওইহনগে হায়খি। ফম্বাল মুন্নরিবা মচা অহুম্মক্কী মনুংদা অতিয়া শিদবনে, অশীবনে অনীমদি খোঙলৈ থুনা নোংথৌ মখোঙ কোযবা চৎখরে। অদুগা গুরুগী মচানূপা অতোনবা কোনচিল তুথোকপদি মপা গুরুগী নাক্তা অদুম্মক লৈহৌরে। গুরু শিদবনা অতোনবা নঙসু চৎলো হায়না থৌববু অতোনবনা নোংথৌ মখোঙদি লৈতে হায়না পাউখুল্লদুনা পন্থৌ মপাগী ফানখোঙবু তরেৎলক কোয়দুনা খুরুমদুনা ফল্লে। মচা অতোনবগী মবুদ্দি মবৌশিং উবদা পেল্লদুনা সনা ফম্বাল পীদুনা লৈবাক্কী মপু ওইহনখি। মপা গুরুগী মতিক অচৌবা মঙন অরুববু খঙবগীদমক পাখংবা হায়বা মিংথোলসু পীখি। — পূদিল, লৈথক লৈখারোল।

গুরু শিদবনা মচা পাখংবগী শমু হকচাংনুংদগী অমুক চোংথোরক্লগা "পারি অতোনবা নঙদি কোলোয় নমিংথোংবু লংবা য়াইরংচান কৌনা য়োইময়াই লাইরেন তাউদনবা মহুমনুংগী চকথাঙ য়াউরোং ফান মৈবুল হাইজাউ থান চোঙলেন ঈনচম খান্না হযেং মতুং কুমওন য়াল্লবগা খুনগুল্লবগা লৈনুং থারুক অশৈবা মোইকাই থাবু লীবা লীক্লাং ঙংকোইনবনা চীংখোঙ তম্না নোংদমজৌ-ও" হায়না হায়খি।" — সনামহী লাইকন।

অসুন্না গুরুগী মচা খোইয়ুম লাইয়িংথৌ পাখংবনা তাইবংপানদা কাইনথংদা খুনগুল্লক্লবদা লৈনুং থারুক অশৈবনা তুবী য়োইনোংতা নোংদা লাইরেন পাখংবা হায়বা ফম্বাল মিংলেনবু কৎতুনা তাইবং লাইয়িংথৌ ওইনা তুবী নোংথিল খোইয়ুম লাই ওই, তুবী অহিং মী ওইদুনা পানখি।

৩। নূঙমু তোংদুনা — নূঙ অমুবগী মথক্তা তোংদুনা হায়বদি পাখংবনা মাগী শাদোং ওইরিবা লাইবেন তাউরোইনাইগী চীরেন লাংযেনথক্তা তোংদুনা। তাউরোইনাই হায়বসি লাই অশীবনা ওইবা শঙম্নি। "অশীবা নঙদি

তাউবোইনাই কৌও।" – মহৌ। "অশীবদি তাউবোইনাই শারদুনা লৈপাক পুদুনা মমৈবু মযানা চীক্লা কোযনা লৈযে। অদুগা পাখংবনা ফম্বাল ওইনবে। মফমদি কংলানে।" – সাকোক লমলেন।

৪। নৃঙকাংকুম লংখৎলক্রে -নৃঙনা কাংখৎলক্তুনা মথক্তা লংখৎলকপগুম পাখংবনা লৈনুংদগী তাইবংপানদা যাওগৎলকএ।

৫। লংমাইচিঙ কৌএ- পাখংবনা লৈনুংদগী নৃঙকাংকুম লংখৎলগুনা ফাওগৎলকখি হাযবগীদমক মফম অদুবু লংমাইচিঙ কৌখি। চিঙ অসি ইম্ফালগী নোংপোক্তা লৈবা যাম্না নিংথিজববা পূক্লি ও হুনিংডাই ওইববা চিঙ অমনি।

৬। তাইবংপানপা অসিপু তেনপা লৈতে তাইবংপানবা অসিদগী তেম্না যজবা নিংথিজবা নংডাইবা অতৈ অপোম্পা মফম অমা লৈত্রে।

৭। সেললোয খুাইদ। তেনবা যোহাদোক হেন্দোকবা।

৮। সেললোয লংমাইচিঙ বোক্তে পাখংবনা তাইবংপানবদা যাওগৎলকপা। থুইক উবমগুদা তাইব পানবা অসিদি খুাইদগী তেনবা হাযনদি সেল্লো। ... হায়না হাযবয়গীদমক মফম অদুবু সেল্লোয লংমাইচিঙ কৌখি।

৯। তেকুপ তবংবে কুকৈ হায়েৎতেনা লংনা লেল্লে।

১০। সেললোয তবুপচিঙ লমাই ... চিঙ কুকৈ কায়েৎনা অদুগী ... লংনা ডাল্লে হাযবগী চিঙ অসিবু সেল্লোয তবুপচিঙ লমাই ... হায়না কৌএ।

১১। সেনলোয সনা হৈবাইচিঙ কৌ... চিঙ অসিদি সনা ... হাযবগা সেল্লোয সনা হৈবাইচিঙ কৌএ।

১২। নাওবা কোংখাং– ঈশিং অমসুং কোলোল। "যানাতা ঈশিংগনি। কোলেহা ... লোংবোলদে। কোংবোলনা যে সান। তাইখৎলনবে লমাইচিঙ ... থল্লে। তবং ব্রাংপাচিঙ কোপে।" ... যম। মফম অসিদা লংমাইচিঙবা কোংখাং তাউবা চিংসু কৌএ। – খুম্বংলোন।

১৩। মমলো। নোংশিৎ

১৪। হামলোল- লৈচিন লোংযাউ সিংগা লো খিনাচংবা।

১৫। নুমিৎ থাকি যুম মাপল–নুমিৎ থা অমদি অতৈ খাবি (গহ) তবেৎ।

১৬। খংচিং– মোইবাং লাইজি মাযকৈ পাংবদা লৈবা মৈতৈগী মবনবা লাই অমা। লাই অসিবু তেংখাবদা — "হে ইপু শক্তোঙ নিংথৌ চাউবসু কোইবেন নিংথৌও, কোইবেন অহুম থোনকৎপদা বাতেম্বা, পেৎপি পেৎথাংলে, শীংজং ব্রাথাযনে, বাথায নিংথৌ মঙানবা পনমক চীঙোই ওইনমচিঙ, লৈমা যাই থম্বান নোংশাবৌ কেপে শীংজনফাই, থাঙডা তোনবা নিংথৌ উ থম্বান নমঙানবা লোক্তাক খোঙাওনবা নৃঙমু তৃমদা মাঙদবদা খনেৎনবা নৃঙবী শিদববু খুদানবা, থাংচিঙ কোনা মবক যাই ওইবা।

লাইয়িংথৌও।" অসিনচিংবা হায়দুনা তেংথানৈ। মমাঙউেদদি থাংচিঙগী খুভম অসি থাংচিঙ চিঙগী চিঙদোন্দা লৈরম্মী। কোন্না হৌজিক লৈরিবা মোইরাংগী মফম অসিদা শানফোংলকপদগী পুথরকখিবনি।

১৭। নখোয়তা হৌপা — হে থাংচিঙ কৌবা লাই নহাক্কী খোয়দৌদা হৌরিবা।

১৮। উ সিতবা–মাঙবা তাবা লৈত্রবা, শিবা নাইদ্রবা উপাল।

১৯। সোই উরেল কেংনাইপা — হে থাংচিঙ কৌবা লাই নহাক্কী খোয়দৌদা হৌরিবা শিবা নাইদ্রবা অথোইবা উ অদুগী মমিংদি সোই উরেল কেংনাইপা কৌএ। "সিদবা উপালদি মচুম তাবনে, মশা লোঙবনে, মনা তরেৎ পানবনে" – চিঙলোন লাইহুই।

২০। খানা চাউপা–খা মায়কৈ ঙাক্লিবা ৱাংবেন খানা চাউবা কৌবা মৈতৈগী অরুবা লাই অমা।

২১। চিঙথৈ- অৱাং নোংপোক মাযকৈ ঙাক্লিবা চিঙথৈ কৌবা মৈতৈগী অরুবা লাই অমা।

লামায ২

১। থা–অতিযা নোংদোনদা থোক্লিবা থা কৌবা লাই। থবি, তুবু, লোইদাম থাজ।

২। কৌপ্রু- অৱাং নোংচুপ মায়কৈ ঙাক্লিবা মৈতৈগী অরুবা লাই অমা।

৩। নুমিৎ–অতিয়া নোংদোন্দা লংনা থোক্লিবা নুমিৎ কৌবা লাই। থবি, লম্বু, পাথং থবক, যোইময়াই তাউদনবা, কোরৌহনবা, থবি শেঙ্গোইবেং, সনা খোম্মদোন, মালেম লাংজথৈ।

৪। সচিক–অতিয়া নোংদোন্দা নোংঙাল্লমদাইদা থোকপা উরিবা শজিক কৌবা লাই। থবা, থৱানমিচাক। নুমিৎ, থা অমসুং সজিক অহুম অসি মৈতৈনা মিৎনা উবা লাইনি হায়না লৌনরকই অমদি খুরুম্নরকই। "হনুবা কৌবদি সচিকনে। ময়াই কৌবদি থানে। পাথং থরক কৌবদি নুমিৎনে। লাই অহুম্মবু খুরুম্না ইজগে।" – খুন্নুংলোন।

৫। ৱা পুনসিরোল–পুন্সি নোংশাংনা মতম কুইনা হিংদুনা লৈনবগী ৱারোল অমসুং কাঙলোন।

৬। লুৱাং নিংথৌ পুনসিপা–লুৱাং খুম্বিবা অমদি কৌবরোন নামোইনু অনীগী মপারিনি। মহাক অসি লৈঙাক্লোল, লাইনিঙলোল, পুন্সিরোলনচিংবগী মবমদা য়াম্না খঙ হৈরবা লুৱাং শলাইগী খ্বাইদগী হেন্না মমিং চৎপা নিংথৌনি। মহাক্না তুবী যোইনোংতা নোংদা লাইরেল পাথংববু য়ুকৌজবদগী খোইয়ুম মাগী মথৌজান্না মীনা লাকথু চিংথুবা ঙমদবা, শিংলি নাউরি থৎঙমদবা, চহী য়াম্লবসু উনশা থুইজিন্দনা নহাগুম্না লৈববু ফংজখি। মরম অসিদগী মহাকপু "হোংনেম লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবা নুংপাল সাকৎচিঙ

লূৱাং লাংহৈচিঙদা পুন্সি হাযহে সকপা চাবোল তরুক তানফংপা সূবোল তরুক নেমচিনপা নূবা কুমচিং লোনখোং তরুক নেমচিনপা” হাযনা শৈথানৈ।

মহাক্না মৈদিংঙু নাউথিংখোংদা ফম্বাল ৱা তাকপীখি। মদুদি নিংথৌ পোংবা ১০ মনা খোং ৩ মক্কী ঈৱান্দুনা নোংহুমশঙদা ঈরু-ও। উনিংথৌগী ফান্দা ফমও। ৱাংগী খুদেংদা ঈরুও। মাইবনা ঈরু লাইশোন শোল্লো হাযনা তাকপীবম্মে।

৭। মৈতেংঙু – মৈতৈ নিংথৌশু খঙনবা ৱাহৈ অমা।

৮। মৈতেংঙু নাউফংপা–খৃঃ ৪২৮ দগী খৃঃ ৫১৮ ফাওবা পানখিবা নিংথৌনি। লূৱাং নিংথৌ পুন্সিবনা পুন্সিবোল তাকপীবম্বদগী কুইনা নিংথৌ ওইদুনা পানবা ঙমখি। মৈদিংঙু অসিনা কংলা থোন তবেৎ থোল্লাংমৈবু অগানবা ওইনা তানফংদুনা মফম অদুদা ফম্বাল তোংদুনা পানখি। মাগী মতুংদা নিংথৌ ওইবকখিবা মৈদিংঙুশিনা ফম্বাল তোংবদা হাযবিবা মফম অসিদা তোংখি।

৯। সামৈবাং - মৈদিংঙু নাউফংবনা থৌবাল নিংথৌ যোইবাংপোক পুন্সিবগী মনাউনাপানা পোকপী খযোইবোল কাইবৈম্মা পান্নদুনা পোকখিবা মচা হৈবুংঙোনি। মপা ইবুংঙোগী মথংদা নিংথৌ ওইদুনা খৃঃ ৫১৮ দগী খৃঃ ৫৬৮ ফাওবা পাল্লম্মী। মপা ইবুংঙোওম্না মহাকসু পুন্সিবোল ফংঙাখিবা নিংথৌনি।

১০। কোনথৌপা –মৈদিংঙু সামৈবাংনা কম্বোং নিংথৌ চনু পান্নদুনা পোকখিবা মচা ইবুংঙোনি। মপা ইবুংঙো অমাদ মবু থৌওম্না ৱা পুন্সিবোলব লৱাং নিংথৌ পুন্সিবদগী ফংজদবগী খৃঃ ৫৬৮ দগী খৃঃ ৬৫৮ ফাওবা চহী ৯০ চুপ্পা পানখি।

১১। নাউথিংখোং -মৈদিংঙু কোন্থৌবনা খাবগোন নোংজেংসু পান্নদুনা পোকখিবা মচা ইবুংঙো মবিগী মনুংদা অহুমশুবা মচা ইবুংঙোনি। মপা ইবুংঙোগী মতুংদা নাউথিংখোংনা নিংথৌ ওইখি। লূৱাং গুব পুন্সিবা অমদি মঙাং গুব পুন্সিবা অর্নামকুগী পুন্সিবোল ফংজবদগী খৃঃ ৬৬৩ দগী খৃঃ ৭৬৩ ফাওবা চহী ১০০ চুপ্পা ফম্বাল ফংজখি। নিংথৌ ওইদ্রিঙৈগী মমাঙদা মহাক্কী মমিং হোংনেম যোই খুঞ্জাউ কৌবম্মী। নিংথৌ অসিনা মাগী গুরু মঙাং পুন্সিবগী মবৈপাক মবমদম ওইবিবা লোইজিঙ ফৌওইচিঙদা লান্দাদুনা মাগী গুরুগী মচানূপা মঙাং কোনখুচা অতেংববু কাযনা চন্দুনা মঙাং কাংলুপ থুপচিনদুনা মৈতৈ ফুরুপ্তা তিনশিনখি। মদুদগী নিংথৌ অসিবু নাউথিংখোং মঙাংঙম্বা কৌখি।

লূৱাং নিংথৌ পুন্সিবদগী পোইবৈ মৈতৈগী লৈঙাক্লোল, লাইনিঙলোল পুন্সিবোলনচিংবা পোইবৈ ৱাবল্লেন অরুবশিংগী পাউতাক কযামব ম নিংথৌ অসিনা ফংজখি। অদুম ওইনমক যাম্না তৌবিমল খঙদবা মওংদা

মহাক্না লুৱাং চিঙদগী হল্লক্লগা মাগী গুব লুৱাং নিংথৌ পুন্সিববু লানমিং চল্লুবদগী লুৱাং গুকনা মদু তাবদগী শাওদুনা সবি শোন্দুনা নাউথিংখোংনা ফম্বাল কাববদা পুন্সিদবমক ওইবসনো হায়না শাপ তৌখি। মাঙবা তাবে হাযদুনা চত্তুনা খুৎমজবংবদগী ঙাকপীহৈববা গুবনা মাবু অমুক ঙাকপীখি।

১২। মঙাং ঞু - মতম অমদা লোইজিঙ চিঙদা পাল্লম্বা মঙাং হাযনা খঙনবা কাঙলূপ অদুগী খ্বাইদগী হেন্না মমিং চৎলবা মঙাং নিংথৌ পুন্সিববুনি। মহাক মঙাং সনা লৈনৌবনা লংমাই নিংথৌ চনু পান্নদুনা পোকপনি। লুৱাং গুব পুন্সিবনা মৈদিংঙু নাউথিংখোংদা শিন্নবম্বা নিংথৌ ওইদুনা কুইনা পান্নবগী বা পুন্সিবোল অদুবু গুবং অসিনা (মঙাং গুবনা) মৈদিংঙু নাউথিংখোংদা অমুক হন্না তৌখি।

১২ লোযযুমপা—খৃঃ ১০৭৪ দগী খৃঃ ১১২২ ফাওবা পানাখবা নিংথৌনি। মহাক্না লৈবাক অসিগী লৈঙাক্লোল শেন্মিৎলোল লাইনিঙলোলগী মবমদা অহানবা ওইনা চৎন পথাপ যাংথোক্কনা লৈবাক অসিগা মীওইশিং অমদি শাগোৎশংনা তোগদবা অকক্লবা শিন্নাশিং হথোক্ননা লৈবাক মীযামদা লাউথোক্ননা চৎনহনখি। অসিগুম্বা অইবা চৎন পথাপ অসি লৈবাক অসিখওগী মতৌ মালেমগী মনংদা যাম্না শিঙথানিঙাই ওইববা পাযেন পথাপকী লাইবিকশিংগী মংদা সমনি। লাইবিক অসিব ঙাস ফাওবদা লোযযুম্বা সিলযেল হাযনা খঙনবি। পিন্নবা লৈবাক ওইববস খঙবা চহীচা ১২ হোববপা মতমদা মী মাগী মশিল খাইদোকপগী (দিভিজন ওফ লেবর) চৎন পথাপ্পাচিংবা হদনা গাখোৎনম্বা অসিনা লৈবাক অসি অছংবা মতমদা কযামুক চাউখৎলম্লগে হাযবা খঙবা ঙম্মা। লাইবিক অসি মৈদিংঙু অসিগা মতমদা হবম্মনি হাযবসিদা কবিস চিংনিঙঙাই ওইদে। নৎঙ্রবদি যামখ্বা শাগোশিং অমদি মীওইশিংদা পীবিবা অখন্নবা শিন্থা মশিল মযাম অমদি মতমদুদা নিঙনবম্মা লাই মযাম অদু কনানসু চান্দা পুদনা হাযবা ঙম্লোই। লাইবিক অসিদা মৈদিংঙু লোযযুম্বগী মতংদা পানখিবা মৈদিংঙু খবগী হাক্তকশিংদা থোকখিবা থৌদোক খবদি হাপ্তোক হাপচিন তৌখি। অদুগা লাইবিক অসিগী অবোইবা শব ঙা মৈদিংঙু খাগেম্বা সনা হাঙঙগী মুত্তি হৈদুনা তোললোং লম্হন অমদি খোইবু রাঙ্গোইদা লাইশঙ শাদনা লাৎপা হৌখিবা চিঙঙ্ তাইবং খাইবা লাইযিংথৌ সনামহী অমসুং কোনুংদা লাইশঙ শাদুনা লাৎপা হৌখিবা লাইযিংথৌ নোংশাবগী মবমদা যাওবিবশিং অসিদি মৈদিংঙু অসিগী হাক্তত। হাপচিনখিবনি। মৈদিংঙু খাগেম্বগী মতমদা

থোকখিবা ৱারোল য়াওবদগী কনাগুম্বনা লাইরিক অসি মৈদিংঙু অসিগী মতমদা ইরম্বা ওইগনি নিঙবসু য়াওই। মৈদিংঙু খাগেম্বনা ইরম্বা লাইরিক ওইরবদি 'খাগেম্বা সিলয়েল' হায়রম্লোইদবগী মরম লৈতে। হায়নিংলোইদবগী মরমসু লৈতে। 'খাগেম্বা সিলয়েল' কৌরংবসু য়াররোইদবগী মরম কয়ামুকসু লৈখে।

১৩। অমলক হলনা তৌলমপা ৱাপু হায়কে – মঙাং গুরু পুন্সিবনা মবুধৌ নাউথিংখোংদা তৌবিখিবা পুন্সিরোলগী ঈরাৎ থৌনি অদু মৈদিংঙু লোয়য়ুম্বনা খঙদুনা মশামক্কী ওইনা অমুক পাঙথোকখি। ঈরাৎ থৌনি অদুগী ৱারোল অতৈ অকুপ্পশিংদি অরোনবা ওইবনা লাইরিক অসিদা হায়কে হায়রবসু ইরমদবনি। থৌনি অদু মৈদিংঙু লোয়য়ুম্বনা তৌখি হায়বা ফোঙদোক্লম্বতনি।

১৪। লৃপ তরুক–মৈদিংঙু লোযয়ুম্বনা লৈবাক ঙাকপা অমদি ৱায়েল থৌদাদা মতেং ওইনবগীদমক লিংখৎলম্বা লৃপ ৬। লৃপ ৬ অদুদি ঃ-

(১) অঙৌবা লৃপতী লৃপলেন লৃপ।
(২) খুরাই লৃপতী লৃপখুবা লৃপ।
(৩) অকোঙ লৃপতী কোঙচা লৃপ।
(৪) লংমাই লৃপতী থৌজা লৃপ।
(৫) লৈচোল লাকপা তোলোংখোম্বনা চিংবা লৃপ, চিংচালৃপ।
(৬) খুরাই ৱাৎলে, লৃপ অমা বাৎলে. খাইচানখি, খাইচা লৃপ।

মৈদিংঙু লোয়য়ুম্বনা লৃপ ৬ শেমজরবসু খুরাই লৃপ ৱাৎপদগী অতৈ লৃপশিংদগী খাইজিন্নদুনা খাইচা লৃপ শেমখিবনা লৃপ ৫ খক্তমক ওইখি। হায়রিবা লৃপ ৫ অসিগী মীওইশিংনা মৈদিংঙুগী মবাই অঙোম নিংথৌ হাওখে লাম্বাবগী শঙলেন্দা কাদুনা নিংথৌগী থৌদা শৃখি। – অহোঙপৃঙ লাললুপান।

মৈদিংঙু লোয়য়ুম্বনা শেল্লম্বা লৃপশিং অসি পানা নত্তে। লৈবাক পৃম্বগী ওইবা লৃপশিংসু নত্তে। খুরাইগী শরুক খরা অমদি লংমাইগী মনুংদগী শেম্বা লৃপশিংনি। লৈবাক পৃম্বগী ওইবা লাইফম, খাবম, অহল্লৃপ অমসুং নাহারুপ কৌবা পানা ৪ অদুনা তোঙানবা অমনি। মথক্তা পনখ্রিবা লৃপ ৫ অসিনা পানা ৪ গী পাম্বোম ওইদুনা লৈবাক ঙাক্লোন্দা য়াম্না খুদোং চাহনখি।

১৫। ফমথৌ ফমলৃপ–নিংথৌগী মনাই অঙম অথৌ চৈরাপ ৱায়েনশঙদা ফমলিবা ফম্লাই ফানাইবা অচৌবশিং।

১৬। য়ূমনাক –মৈতৈগী ওইনা লৈরিবা য়ুম্নাক শাগৈশিং।

১৭। সিনতা য়েললমপা–মৈতৈগী য়ুম্নাক শাগৈশিংদা অমনা অমদা য়েৎশিন্নহন্দনবা মাগী মাগী মশিল শিন্থা খাইদোক্তুনা পীবম্বা।

লামায় ৩

১। ৰুমংলাই মাপল–গুরুগী হকচাং (হাযবদি পাখংবগী) কাযাৎশিংদগী থোকখিবা লাইবংথৌ ৯বু উমংলাই ৯ হাযনা খঙনৈ। মখোযশিংদুদি – (১) লাইযিংথৌ হনবা (২) মোংবহনবা, (৩) নাউকন, (৪) মুৱা নিংথৌ, (৫) খল্লাংবা, (৬) চাখাবা, (৭) মাবজিঙ (৮) লুৱাং পুন্সিবা (৯) কৌৱু অসিনে। উমংলাই ৯মা অসিদি পাখংবগী ফমলূপ নিংথৌ পোংবা ১০ কৌবদি অসিনে। — ফমলোন।

পাখংবনা লাইসনাগা শাঙ্গাযবেনদা হিপলিঙৈদা মদাইবেম লৈনুং থারুক অশেৰনা যাঠৌববু লাইসনানা লাইযিংথৌও হৌগনো নিংথৌ নঙাইবোই ফমথৌ নঈশাং লৈর্তবিএ হাযনা খামলে। পাখংবনা মহাক্তগী লাইবংথৌ ৯ মা অসিবু (মথন্দা পল্লিবা লাইবংথৌ ৯) চিংথোক্লে। – লাইশ্রা ফম।

২। তীললাং লাইবাং–লাই খৗন্বু ঈবাং থৌনবা মাইবা মাইবীশিংগী মশিল মথৌদাংশিংবু যাভুনা থল্লাবম্বা।

৩। লাংশঙতা ফমতুনা–মৈদিংঙ লোযযুম্বনা (খঃ ১০৭৪ ১১২২) লৈবাক ঙাক্লোনগী চৎন পখাম্প লাংশঙ হাযনা কোবা কংলা মনংদা লৈবম্বা লোযশঙ অদদা ফমদনা লৈবাক মীযাম পূল্লমতে। লাঙথোক্তনা খঙহনখিব মফম। লাংশঙ হাযবসি লৈবাম্নাদগী নোংচুপলোমদা খদৃপ অঙম লাপনা লৈ। লৈবাম্না হাযবসিনা নঙোইবাদগী নোংচপ্তা খূদপ ওবক থাপ্পা লৈ। লাংশঙ শঙলা মে কৌখিবদি – "সামতোল অযাঙপাকি লাংচং কোকথৎসুঙ সংথোকলে। লাংশঙ সংলাংমৈ বৌগে।" - লৈথৰ লৈখাবোল।

লাংশঙ হাযবসি অদঙে মৈদিংঙু নোংদা লাইবেল পাখংবনা ফম্বাল তোংখিবা মফম্নি। লৈমা নিংথৌশিংগী ফিজেৎ শেৎনফম্নি।

৪। মুংফি–যেলহৌঙেদগী লৈবাক অাসদা শীজিন্নবরুবা ঙবোংগুম্বা মযেংতে থোকপা ফি মহল অমা। ফি অসিব নমাঙঙেদদি মংফি লৈৰূম হাযনা ফীশক অমত্তা ওঠনা শাজিন্নবম্মী। তোঙান তোঙানবা ফি ওইবমদে। খুদম ওহনা পল্লবদা "তৃপী যোইনোংতা নোংতা লাইবেল পাখংপাগা সংলৌ নোংতম থৌবাংপিপা লোইবেল খুনপীলোকতা ঙানপা খর্মাচিংকোন কৌনা থৌতু নৃঙপাকথকতা মুংফি লৈকমনা ফাকং লৈওইননা লীচৈ তোবান সূনা সূকমু খনপপ্ ৱাতেমপা লাংযা খনপপু ৱাহনপা লালোই মীঙাথোক সাবেন মীসুংলাং অতিংঙাপু বাযেনহেপা।" — পাখংবা নোংগাবোল।

অসুম্না মুংফি লৈৰূমবু ফাকং (ঙৌবোং) ওইনা শীজিন্নবম্নদগী মযেক থোকপা, হৎপা মচু মমেন খেন্নবকপনচিংবদগী মুংফিগা লৈৰূমগা ফীশক তোঙানখি। মৈদিংঙ্ লোযযুম্বনা পানবা মতমদদি ফি অসি অনী থোক্না লৈবম্বদগী

মৈদিংঙুনা খুমন শল্লাইগী যুন্নাক থিংকুজমবু মুংফি শাহনখি। অদুগা খাবা ঙানবা শলাইগী সনচিবাম শাগৈবু লৈব্দম শাবগী থবক তৌহনখি।

৫। চীলফি—মমাঙঙৈদা শীজিন্নবম্বা ইন্নফি মখল অমা। ফি অসি ৱাংঙমলোন পানথোইবীনা মশক লোত্তুনা তাংখুল লৈশাবী শাদুনা লৌযানঙৈদা থক্কী হকচাং কুপ্পফি ওইনা শেৎখি। পানথোইবী খোঙকূলদা অসুম্না ইবি – "তমপা কোবৌ অৱাংপীতী তাংখুল সাবম নূবাপীপু ওইনা সালওনখিযে। চিলফি খানিকনা, লাইফি খোযতোমনা, ককচাক সমযা খোমনা, কোনঙৌ পনচল সিনা, লীকলাই নাথংনা, তিঙনা যিকুম থোং, লৌখোৎ মাঙযিননা হাওসম তুংথাংনা লংমাই চিঙনুং চাতবৈপু চুপা ঙৈথোন তৈনা, খাললৈ লৌতাবিঙৈতা, মসাপী অঙৌপা কোবৌ খোংচোমপতী তাংখুল হূযতোক পাখংপাপু ওইনা সালওনখিযে।" – পানথোইবী খোঙকূল (খুৎই)।

মথক্কী অসিনা ফোঙদোক্লিবদি তমফা ৱাংঙল্লেন মৈদিংঙু চনু পানথোইবীনা মশক লোত্তুনা তাংখুল শাবম লৈশাবীবু শাবে। চীনফি কৌবা ফি অদুনা মোম্নু মাগী নীক্লিবা থিকলেনগী থাখুম ওইনবে। লাইফি কৌবা ফনেক অদুনা খোযদৌ খাদা লৈশাবীগুম খোযদোম শেৎথবে। মাঙগী শল্লাং লৈশাবীগুম ককলে। নাকন অমসুং তুংগী শল্লাং খোমজিন্দুনা তাংখুল লৈশাবীনা হুইবোং লুফানা লুখমদা ফাজিল্লগা শল্লাং অদু তুংদা থাদদুনা তাহনবগুম তাহল্লে। ঙকশমদা লুপাগী লৈতেং শিবদুনা লীক্লিগুম লংলবা লৈতেংনা নাদা যাল্লে। কোক্তা তেঙনা মনাগী ইল্লুম যেনপাক থোংলে। লৈতৌ যোৎনা মাঙদা থা হাওশম্না তুংদা যান লংমাই চিঙনুংদা শংৎপা লৈ (চাতবৈ) নিংথিবনা চূবা মঙান নাইহল্লদুনা লৌ যান্দুনা লৈবিঙৈদা মশাবী ইবুংঙো নোংপোক নিংথৌসু মশক লোত্তুনা তাংখুল শাবম পাখ শাবদুনা লাক্লে। অসিনি।

চীনফিবু ফনেক ওইনা লৌনবসু যাওই। ফনেক অমনা শেৎলগা ফনেক অমনা ইন্দুনা মীমাঙ থোক্লম্বা হৌনদে। থোকফমসু থোক্তে। মমাঙঙৈদা চৎনবম্বা নূপীগী ফীবোয অমা হাযবসি ইন্নফি (নমখাং) অমগা ফনেক অমগনি। পানথোইবী খোঙকূলদা পল্লিবসিসু চীনফিনা ইন্নফিনি, থক্কী ফীজোন্নি। অদুগা লাইফিনা ফনেক্কি, খাগী ফীজোন্নি।

অসিগুম্বা চীনফি হাযবা ফি মখল অসিবু মৈদিংঙু লোযযুম্বনা মাগী সনা হাক্তুক্তগীদি নিংথৌজা শলাইগী নিংথৌজম শাগৈখক্তবু শাহনখি।

৬। লাইফি–মমাঙঙৈদা শীজিন্নবম্বা ফনেক মখল অমা। ৱাংঙল্লোন পান্থোইবীনা তাংখুল লৈশাবী শাদনা লৌযানঙৈদা খোযদোম ওইনা শেৎখিবা ফনেক। লইবেম্বীগী ফনেক।

লাইফি হাযবা ফি মখল অসি মৈদিংঙু লোযযুম্বনা মাগী সনা হাক্তুক্তগীদি অঙোম শলাইগী লাইবেল্লাকপম শাগৈখক্তবু শাহনখি।

৭। ৱানা কাতংফি—ময়েক থোকপা অশংবা মচুগী ফি মখল অমা। ঙৌবোংগুন্না ইন্নবা ফি মখলনি। মৈদিংঙু লোয়য়ুম্বনা মাগী সনা হাক্তক্তগীদি ফি অসি অঙোম শলাইগী কস্বাম শাগৈখক্তবু শাহনখি।

৮। লাইফি তোংকাপ—লাইরেম্বীগী ফনেক মখল অমা। ফি অসি মৈদিংঙু লোয়য়ুম্বনা মাগী সনা হাক্তক্তগীদি চকপা থিয়াম শাগৈবু শাহনখি।

৯। ফিরেল—মমাঙঙৈদা শীজিন্নরম্বা মশক নাইবা অরূ অহেনগী ফি মখল অমা। মৈদিংঙু লোয়য়ুম্বনা পানবা মতমদগীদি ফি অসি অঙোম শলাইগী চকপ্রম শাগৈনা শাখি।

১০। লংতোমফি—লাই তীনগী থবক থৌরমদা মপুঙ ওইনা শীজিন্নবা ইন্নফিনি। মৈদিংঙু লোয়য়ুম্বনা মাগী সনা হাক্তক্তগীদি কোংবজম শাগৈবু ফি অসি শাবগী থবক তৌহনখি।

১১। য়ারোংফি—ময়েক মরোং মরোং থোক্লা শাবা ফি মখল অমা। ফি অসি মৈদিংঙু লোয়য়ুম্বনা মাগী সনা হাক্তক্তগীদি নিংথৌজা শলাইগী থোঙ্গাবম শাগৈবু শাহনখি।

১২। চামিফি—মৈদিংঙু লোয়য়ুম্বনা মাগী সনা হাক্তক্তগীদি নিংথৌজা শলাইগী খুমল্লম্বম শাগৈখক্তবু শাহনখিবা মচু ঙৌবা ফি মখল অমা।

১৩। তোংকাপ—মৈদিংঙু লোয়য়ুম্বনা মাগী সনা হাক্তক্তগীদি নিংথৌজা শলাইগী হাওখোম শাগৈখক্তবু শাহনখিবা ফনেক মখল অমা।

১৪। সারোং—মপুঙ ওইনা মাইবীশিংনা মখোয়গী ফিজোলগী মথক্তা খ্বাংদা শেৎনবা ফি মখল অমা। মৈতৈ লৈমনা খ্বাংদা য়েক্তুনা শেৎপা অখন্নবা ফি অদুসু সারোং নমথাং কৌই। মৈদিংঙু লোয়যুম্বনা মাগী সনা হাক্তক্তগীদি লাইপাখ্রম্বম শাগৈবু ফি অসি শাহনখি।

১৫। লৈরূম—মুংফিগুম্বা ফি মখল অমা। য়াম্না ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা মৈতৈশিংনা ফি অসি শীজিন্নরক্লে। ৱাংঙম্লোন পাম্থোইবীনা নুমিৎ সনা খোম্মদোনবু তুবী মকোন্নুংদগী থেমগৎনবা মঙ চঙবদসু ফি অসি শীজিন্নরে। খাবা তেনহৈবগী নাউৱা খোয়রী তৈরবা হূ কারবা তেনবু কিবদগী নুমিৎ সনা খোম্মদোন্না তুবী মকোন্নুংদা লোৎখিদুনা মাবু ঙাক শেনগদবশিং য়াওদ্রবদি মদোম থোরকপা ঙল্লরোই হায়রবদা নিংথৌ পোংবা তরামনা তমফা ৱাংঙম্লোন্দা নুমিৎপু থেমগৎনবা হায়খি। মদুদা পাম্থোইবীনা পাউখুমখি -- "ঐবু সনা খোম্মদোনবু পাউথেমলু হায়রবদি পাগী পারম তাবনা পথোম মঙা থোমও, নূগী নূরম তাবনা পথোম তরুক থোমও। পরৈবনা পরৈও। থাঙ থোংবনা থাঙ থোংও। লাক সাবনা লাক সাও। মালেম লইপী খোঙৱায় তরেৎ সেমও। ইপন তুবী অঙনববু পুনেম্বা ফৈরোই মঙদার ক্তা চেঙঙৌ ফাহাপনা য়েরুম কাংখিন্না ফিমু লৈরূম কুপপিও।— নুমিৎ কাপ্পা লাইশোন।

মৈদিংঙু নোংদা লাইবেল পাখংবগী সনা হাক্তঙা লৈবম্বা ঙানবা খমচিংকোন কৌবনা লৈব্রম ফিবু ইল্লগা থৌদু নৃঙপাকথক্তা ফমদুনা মৈতৈগী লুহোং খোঙদোংবগী ৱাযেন পথাপ হৌদোক্লম্মী। মানা হৌদোক্লম্বা ৱাযেন্দি — "লোইবেন খুনবীবোক থৌদু নৃঙপাকথও। মুংফি লৈবামনা ফাকং লৈওইননা লীচৈ তোবান সৃনা. কাওবেন মলনা তামপা মললা মসীং ৱাৎপাতী তানলোয তুনুংসি থংলেন ৱানুংসিপু ওইকুনো। কাওবেন মলনা তামতাপা মললা মসীং ৱাৎতাপাতী তানলোয তুনুংসি থংলেন ৱানুংসিপ ওইনও।" - চাতা লাইহুই।

মৈতেগী লহোং খোঙদোংবা খুদিংদা নিঙশিংবা থোক্লংবা মতমদগা হৌনা ঙসি ফাওবদা ফি মখল অসি যাওদবা যাদে। মৈতেগা লেবমগা তাংখুলশিংনা শাজিন্নবা লেকনগগী মনঙা অকোন অহানগী মতাংদি মচে পল্লুদবস — "ঐখোনা। চঙদা লশিং থাক ফি শাবা হৈতবানা। ফি শাবা হেবা মৈতৈশিংদা লশিংদ পীখি। লশিং অদনা মেতৈশিংনা ফি শাবগা ঐখোযদা অমক পীবনবদা ফাযান পদগা শাজিন্নযম খঙদবনিনা হবা লোহোবগা অগাম্বা শবও। ফি যাম্না শেৎ চাবা মেতৈদা অমক পোখখি। মাস নাগাগী লেজেঙনি। চিংসিং হউসনগী নাগা চ্রাকবস গুহ মনিপান হাযবা লাইবিক্রগী মেতৈলোন্দা শম্রপ্লা হন্দোকপনি।"

১৬। তেললাই কৃপফি—মযেক মচ্য নিংথিজনা খোবহন্দুনা শাববা দোলাই কপন শাজিন্নবম্বা ফি মখল অমা। মৈদিংঙু লোযযুম্বনা মাগা সনা হাক্তংগাদ লুৱাং শলাহগী বাঙেংবম শাগেব ফি অাস শাহনখি।

১৭। হৈকোয ফি—মযেক খোনপা থাবপ তৌবা হন্নবা ফি মখল অমা। মৌ... লোযযম্বন মাগী সনা হাক্তংগাদ হাওদেজম শাগেব ফি অসি শাহনখি।

লামায ৪

১। সিঙখলফি—মৈদিংঙু লোযযুম্বনা মাগা সনা হাক্তওগীদি খুমন শলাহগা থোইদিংজম শাগেবু শাহনখিবা মযেক থোকপা থাবপ তৌবা ফি মখল অমা।

২। লাইযেকফি—মযেক লাইযেক থোকহন্দুনা শাবা ফি মখল অমনি। ইন্নবা ফি মখল অসি মৈদিংঙু লোযযুম্বনা মাগা সনা হাক্তঙগীদি খুমন শলাহগা থোংবম শাগৈবু শাহনখি।

৩। প্রংমফি—থাযনঙৈদা পুরুমশিংগীদমক মপৃঙ ওইনা মৈতৈশিংনা শাম্বা ফি মখল অমা। মৈদিংঙু লোযযুম্বা সনা হাক্তঙগীদি ফি মখল অসি কোংবম শাগৈথক্তবু শাহনখি।

৪। ফাকঙফি -মৈদিংঙু লোযযুম্বনা মাগী সনা হাক্তঙগীদি চেংলৈ শলাহগী চিঙঙাথম শাগৈবু শাহনখিবা ডৌবোং ফি মখল অমা।

৫। তাবাউফি–মমাঙঙৈদা মপুঙ ওইনা মবিং তবাউগীদমক মৈতৈশিংনা শাবম্বা অমুবা মচুগী ফি মখল অমা। "তবাউ মবিং ওইগদবা নঙদি মখ্যাং ফিমু ফাযেৎনা সিঙতুম লুবোই থেৎনা কোযনখি ও।" — পোইবৈতোন খুনথোক। ফি অসি মৈদিংঙু লোযযুম্বনা মাগী হাক্তক্তগীদি নিংথৌজা শলাইগী থৌদাম শাগৈখত্তবু শাহনখি।

৬। পুমথিৎফি–মসি পুমথিৎ ফনেক হাযনা খঙনবা ফনেক মখল অমনি। খব থেংথববা মতমদদি যি অসি মৈতৈ লৈমগী মচানুপী অহল তমফাসনা খক্তনা শেৎপা অতৈ কনামত্তনা শেৎপা যাদবা ফনেক মখল অমা ওইখি।

তমফাসনা হাযবসি কনাবুনো? মৈতৈ লৈমনা পোকপী শীজ অদুনা খুবাই লৈমা ওইববা খুবাই লৈমা অদুনা পোকপী অঙোম শীজ অদুনা অমবক মৈতৈ লৈমা ওইদুনা পোকপী মচানুপী অহলবু তমফাসনা কৌগনি। নুপা ওইববদি সনামহী কৌগনি।

মৈদিংঙু লোযযুম্বনা মাগী সনা হাক্তক্তগীদি থাব ঙানবা শলাহগী থীনবম শাগৈব ফি অসি শাহনখি।

৭। ফিমুযেক পাংযুংফি–মৈদিংঙু লোযযুম্বনা মাগী সনা হাক্তক্তগী তাহবংজম শাগৈব শাহনখিবা মযেক থোকপা অমুবা মচুগী ফি মখল অমা।

৮। খনং মসমফি মৈদিংঙু লোযযুম্বনা মাগী সনা হাক্তক্তগী ওকথিযাম শাগৈব শাহনখিবা পংগ্রি খনবা ঙৌবোং মখল অমা।

৯। চিঙখোঙফি ফিমু–অমবা মচুগী ইন্নবা ঙৌবোংগুম্বা ফি মখল অমা। মৈদিংঙু লোযযুম্বনা যি অসি মাগী সনা হাক্তক্তগীদি যুম্নাকশঙবম শাগৈবু শাহনখি।

১০। ফিমু লানফি মৈদিংঙু লোযযুম্বনা মাগী সনা হাক্তক্তগী খোইস্নাম শাগৈবু শাহনখিবা মৈতৈ লান্নীনা শীজিন্নবা ফি অমুবা।

১১। সংমু লাংমুফি–মৈদিংঙু লোযুম্বনা মাগী সনা হাক্তক্তগী ৱাংবজম শাগৈবু শাহনখিবা অশংবগা মমুবগনা মযেক থোকহন্দুনা শাবা ইন্নবা ফি মখল অমা।

১২। চৈবৈ ফিসাপা- ফি শাবা পুন্নমক্কী মকোক ওইবিবা চবৈ ফিশাহনবা হাযনা খঙনবা নিংথৌফিবু শাবা মীশক। চবৈ ফিশাহনববু চবৈ ফিশাবা হাযনসু খঙনৈ। চবৈ ফিশাবা/ফিশাহনবনা মৈচিংঙু লোযযুম্বগী মবুধৌশিংগী সনা হাক্তক্তগী হৌনা নিংথৌফি শাবন্নে। মৈদিংঙু লোযযুম্বগী সনা হাক্তক্তদি বোসো কৌবা ফিশাহনবনা চবৈ নিংথৌফি শাখি। বোসো ফিশাহনবনা শঙদিং ফিহৌতম অঙাংবা খাগা থা অশংবা থক্কা থোং মেমানবা যাযদা চন মকোং চিদাই খোম হীগাক কোইজ। যেক মকোং চিদাই খোম অমুবা মুক্তম থিন শীংখন চাজুমথোক উবিৎ লোনযামবীচা যিমশানা চবৈ নিংথৌফিবু শাখি।— নিংথৌফি শাবা।

চবৈ ফিসাহনববু চবৈ ফিশাবা হাযনসু কৌই হায়বসি 'শঙ পানবগী মশিল' কৌবা লাইরিক্তগীসু খঙবা ঙম্মী – "নিংথৌফি শাবগী মশিন্দি ফিশাবনা ফি হৌএ। শূনা থলএ। খোবিযান ফিশাবনা ফি কক্কনি। অৰূবা ফিশাবনা লং মেৎকনি। লং শেৎকনি। নাউতম ফিশাবনা লং শুংগনি।" অসিনচিংবা। নিংথৌনা ফম্বাল তোংবদা চবৈ ফিশাহনবনা চৰৈ ফি মশীং শুনা কৎলগা লাইবেন মৈদিংঙুশিংনা মৈতৈ লৈমগা লোযননা লাংশঙ শঙলাংমৈদা ফিজেৎ লৈতেংঙি।

১৩। নাউতম ফিসাপা–মৈদিংঙু লোযযুম্বনা নিংথৌফি শাবগী থবক যাওহনখিবা নাউতম ফিসাবা। থিংকোন যুমকুম্বগী ঈ নাউতম ফিশাবদা লৈবা লেম্বগী ঈদি অৱাং খুনৌতাবা মদনসিং মযুমনে। — শঙ্গায ফম্মাঙ।

১৪। যাংনু ফিসাপা–মৈদিংঙু লোযযুম্বনা নিংথৌফি শাবগী থবক যাওহনখিবা যাংনু ফিসাবা। হাওবকোক্কী ঈদি যাংনুযৈবমনে ফিশাবমনে। – মৈহৌবোল সকোক।

১৫। হৈসূনাহা ফিশাবা–মৈদিংঙু লোযযুম্বনা নিংথৌফি শাবগী থবক যাওহনখিবা হৈসূনাহা ফিশাবা। থল্লাং পামশাবগী ঈদি ফিশাবা হৈসনামনে। – মৈহৌবোল সকোক।

১৬। খোযবিযান ফিসাপা–চবৈ ফিশাবা/ফিশাহনবনা শাবা লোইববা নিংথৌফিবু ককপগী মথৌ তৌবা মীওই। অসুন্না কল্লবা নিংথৌফি অদু ফীথূপ চানা থূপ্পুনা নিংথৌগী ফি শেৎনফমসু ওইবিবা লাংশঙ শঙলাংমৈদা চাজুম নমদুনা থমগনি।

মৈদিংঙু লোযযুম্বগী মবুধৌ মৈদিংঙু লাইবেল নাউফংবগী সনা হাং ক্ৰা অকো ফিশাহনবনা নিংথৌফি শাখি। অকো ফিশাহনবনা চবৈ নিংথৌফিব শঙদিং ফিহৌতম কব্রংচাবু লংলা লংনা খাদা থা অঙোবনা থক্কা থোং অমুবা যাযদা লাং, শংদিং ফিশাতম, লংলা শীংখল লৌ, উবিৎ লোনযামবীচা যুমশানা, শূনা লংলা লংখন লৌ, কোবি শীংখন লৌ থাঙলেন যাইওইবনা কোবি তুবান লোন্না, তুবী হৈনা লৌ লাইবেন হৈকোয শা মুক্তম কোইজা যেকনা চবৈ ফি শাবা লোমলবদা, মদাইবেম খোযবিযান ফিশাবনা মখুত্তা নাউৱা খোইবেনথাঙ পাযদুনা ফিবেল ফিজিন কক্তুনা শযাশেনবা শঙদা অহিং নোংশোযবা থল্লগা লাংশঙ শঙলাংমৈদা পুবক্তুনা ফীথূপ চানা থূপ্লবগা তাবু লুবাকনুংদা হাপ্লগা চাজুম নমদুনা থমখি। – নিংথৌফি শাবা।

লামায ৫

১। লৈবেল খোইপাক লৈ — মচু অসি কুসুমলৈ, খুচুম পেবে, উতিদা লাক্তুনা শেম্লবম্মী। মচু অসি হাইফেৎ ঙাঙলৈনবা, পাবপ্পা ঙাঙবা মচুশিংনি (pink a light or pale red colour, between red and white)। মৈদিংঙু

লোয়য়ুম্বা সনা হাক্তক্তগীদি অকাঙজম হায়বা য়ুম্লাক অদুবু মচু অসি শঙবগী থবক তৌহনখি।

২। চিঙসাং মুয়ুম লৈ — মচু অসি কোনা মচু, উহি অঙাংবনচিংবা মচুশিংনি (Maroon : reddish brown, dark brownish - red, etc.)। মচু অসিবু শেম শাবদি মুয়ুম হায়বা উরি অদুবু শুগাইরগা ফি নত্রগা লং অদুবু মদুদা লাক্লবা মতুংদা কাইরং মহীনচিংবা অমুক লাক্কুনা শেম্লরম্মী। মৈদিংঙু লোয়য়ুম্বা সনা হাক্তক্তগীদি চিঙখ্বামপম হায়বা শাগৈ অদুবু মচু অসি শঙবগী থবক তৌহনখি।

৩। তললা উরৈরোম মকোং মৈরি মালপা লৈ – মচু অসি উরৈরোম মচু হায়না খঙনবা অঙাংবা মচু, মৈরি মচুনচিংবা মখলগী মচুশিংনি (red, flame, orange colour, etc.)। মচু অসি মপুঙ ওইনা উরৈরোম অমদি কাইরংদগী শেম্লরম্মী। মৈদিংঙু লোয়য়ুম্বা সনা হাক্তক্তগীদি ইরোমপম শাগৈবু মচু অসি শঙবগী থবক পায়হনখি।

৪। লোইরং থাউচু লৈ– মচু অসি তীনবুন্নাপুন মচু, মঙ্গ্রা মচু হাযনা খঙনবা মচুশিংনি (purple : colour that is a mixture of red and blue)। মচু অসি কুসুম্লে মহী অমদি কুম মহীদা মথং মথং লাক্কুনা শেম্লরম্মী। মৈদিংঙু লোয়য়ুম্বনা মাগী সনা হাক্তক্তগীদি মচু অসি শঙবগী থবক ঙানবা নহা ফিশাববু তৌহনখি।

৫। হীকোক নানৌ লৈ — মচু অসি হীগোক মচু হায়বদি লৈচিন নোংফাই থাংদবা অশেংবা অতিয়া মচু, সমুদ্রগী মচুনচিংবা শংবান্নবা মচুশিংনি (blue : of the colour between green and violet)। মচু অসি কুম মনাদা কুমশুনু অমদি চরং উৎকী উতি হাপ্পুনা শেম্লরম্মী। মৈদিংঙু লোয়য়ুম্বনা মাগী সনা হাক্তক্তগীদি মচু অসি শঙবগী থবক খুমনথেম শাগৈবু তৌহনখি।

৬। কুমলং কুমপাল লৈ — মচু অসি অমুবা (black) অমদি অতৈ অমুবা মচু মখলশিংনি। মচু অসিবু কুম হায়নসু খঙনৈ। য়াম্না ফজনা মুবা (deep black) মচুদি কুহি মহী চিঙসু উ মনাগী মহীদা হান্না লাক্লগা কুম মহীদা লাক্কুনা শেম্লরম্মী। মৈদিংঙু লোয়য়ুম্বনা মাগী সনা হাক্তক্তগীদি খুমুকচম শাগৈবু মচু অসি শঙবগী থবক তৌহনখি।

৭। চিঙয়া নাপু লৈ তাউচিঙ হৈতাউ লৈ – মচু অসি নাপু মচু (yellow) হায়বদি হঙ্গাম মপাল মচু, সনা মচুনচিংবা মচু মখলশিংনি। য়াইঙং মহীদা লং নত্রগা ফি অদুবু লাক্লগা মৈদা অমুক লোন্দুনা শেম্লরম্মী। খরা হেন্না ফজবা মচু তানবগীদমক উনাপু মহীদা অমুক্কা লোন্দুনা শেম্লরম্মী। মৈদিংঙু লোয়য়ুম্বনা মাগী সনা হাকক্তগীদি ইপুশঙবম য়ুম্লাকপু মচু অসি শঙবগী থবক তৌহনখি।

৮। ৱানা কতং মালপা সংলেন যাইচু লৈ – মচু অসি ৱানা মচুগুম্না ফজনা শংলবা (green) মচুনি। মসি যাইঙং মহীদা লাক্লগা কুমনাগা লোযননা ফুত্তুনা শেন্নবম্মী। উসিযামপম শাগৈবু মৈদিংঙু লোয়যুম্বনা মাগী সনা হাক্তক্তগীদি মচু অসি শঙবগী থবক তৌহনখি।

৯। অতোম যোযবেলপা –মৈদিংঙু লোযযুম্বগী (খৃঃ ১০৭৪-১১২২) মশ্ ইবুংঙো মৈদিংঙু অতোম যোইবেলপা (খৃঃ ১১৫০-১১৬০) কৌবা নিংথৌ।

১০। ঙালপা লংসঙপা –মৈদিংঙু লোযযুম্বনা লোইবং থাউচু লৈ হাযবা মচু অদুবু শঙবগী শিন্থা পীখিবা ঙানবা শলাইগী মীশক অমা।

১১। হকৱানথেম–নিংথৌজা শলাইগী হকৱানথেম শাগে।

১২। লোযযামপা সঙখিযে–মৈদিংঙু লোযযুম্বা সনা হাক্তক্তগী লোইবং থাউচু লৈবু শঙবগী থবক তৌবকপা ঙানবা লংশঙবা লৈত্রবদা (মৃৎশ্নবদা), মশ্ ইবুংঙো মৈদিংঙু অতোম যোযবেলপনা নিংথৌজা শলাইগী হকৱানথেম শাগৈবু লোবযামবা মচু (মন্দ্রা মচ্) শঙবগী থবক তৌহনখি।

১৩। মৈবৈমা - হৈবোম শাগৈনা ঙাক শেনবা খুবাইদা লৈবা লাই অমা।

১৪। খমলাংপা–পাখংবগী নিংথৌ মহীশাং ফমদৌ মঙাইবোই ওইবা লাইবংথৌ ৯ গী মনুংদা অমা ওইবিবা লাইযিংথৌ খল্লাংবা। মহাকপু যোৎ নিংথৌ হাযনসু খঙনৈ। মহাক্না লাইবেম্যা শন্থোঙ হুইমু লৈমা মঙাং নিংথৌ চনু পান্নববা মতুংদা নোংচুপ মাযকৈ থোৎনাং লমদা যোৎ থিবা চৎখিবদা থোংনাং মযাং নিংথৌ চনু শীজ কালিকাবু লৌদুনা পুবকখি। মৈদিংঙু লোযযুম্বনা ইবোম শাগৈবু লাই খল্লাংবা শঙহনখি।

১৫। উসোয–লৈমবেল শিদবীগী লাইচৎ ওইবিবী উসোয লাইবেম্যা। মৈদিংঙু লোযযুম্বনা সোযাম শাগৈবু লাই অসি ঙাক শেনবা, শঙবগী থবক তৌহনখি। লাই অসি লাৎপগী থবক্তী তেনথা মাইবম্না লাৎলি। খুমন শলাইগী মীওইশিংসু যাওদুনা ঈবাৎলি।

১৬। যীথৈ–অতিযা শিদবগী লাইচৎ ওইবা ঈশিংগী মপু ঈখৈবেল কৌবা লাই। অঙোম শলাইগী হিতাম শাগৈনা লাই অসি শঙঙি।

লামায ৬

১। সবাবেল - মাযকৈ ঙাকপা লাই ১০ গী মনুংদা অমা ওইবিবা কোবৌ নোংদোন ঙাকপা লাই। মহাকপু লৈশি লৈথোন্দুনা খুকুম্বদা – "হে কাসা নোংথৌ সোবাবেল, থাকপা নিংথৌ পানজুম্বা, কাসা পাউ তাকহৈবা, অৱাং থাঙৱাই যোইবেনবা, কোবৌ থক্তা থৌদাবা বাংপন থক্তা সাতেমবা, নঙবু পুনেমজবিএ কুবি-ও।" হাযনা শৈথানৈ। কাসা হাযগসি লাই অচৌবব্স খঙনৈ।

২। ৱাংকোল—নোংপোক নিংথৌগা পাম্লোহৱীগা উনখিবা কংলা মনুংদা লেবা লাইফম অমা। লাইফম অসি শঙলাংমৈ লৈবম্না মনাক অদুদা লৈ। নিংথৌগী ইবেন্মশিংগী চাবোকশঙবুসু ৱাংকোল/বাংকোলশঙ কৌই।

৩। লমমাপী—চেংলে শলাইগী সবাংথেম অমসুং লৈশাংথেম শাগে অনীবু ঙাক শেলহনখিবা লাইবেম্বী লম্মাবী অনী। লাইবেম্বী অনী অসি কনা কনানো হাযৰসি মখাগী অসিদগী খঙবা ঙম্মী — ঈশিংগী মথক্ত। লৈপাক ওইবে। অতুকা চুমলাংনা উবোং ওইবে। মি খোঙসাংপীনা পবিং ছনলে। কৌৱংনা চপ সুইযে। মানা তোংবদি অতিংকোকপু তোংএ। খা অবাং নোংচপ নোংপোক মবিমা তিংএ। অতিংঙা সিদবদগী লমমাবী অনা থোকএ। অনানা পবিং মবিমদা চেনলে। চাকচাদি ডকাব লূক চাযএ। অদু ঙবাক লাথা কৌএ। অসীবনা খে ঙ শাদনা লৈপাক লোযবে। লমমাবী অনামনা লম মবিমতা খঙববা হাযনা চেললুইএ। লা চাতি খাঙবাবক চাংএ। ঙদগী খাঙববম কৌএ। অতিংঙা সিদবনা লম মবিমদা ববম্বা বাৎপা লেবিবনো যেংলও হাযদনা লমমাবা অনামনা যে নুহএ। লমমাবী অনীমনা লোইবে হাযনা তমদোএ। অদুগী যেংলেযা কৈএ। লেপাকস চোইঙামলে। অদদগী থেংও লমবোম নোহ নোহ কোএ। চাব তী সন খাএ। অংবা মেবা সনদুবনে। সাসিন অহানবনে। সাসন খাংমবদি চোসাংথেম লমমাবীনে। সাসন অতোনবাদ সবাংথেম লমমাবীনে। ঙবাব লাখা।

৪। খোলোইপা লোংথাংলেমগী লাইচৎ অমসু ওইবিবা মেতেগী যীগী লাইবেম্বা লাইবেম্বা শনিং লোইমেমকে ওইব ১০ বা পাইবা চোংমোম অহোঙবা লোইবে খুনথোকপী তমম নাইথোকপী থাঙাব অহোঙবা লোইমোম মচোবী থাঙাব চানিংযানি লোইমোম ফোইকপী হাযনা তেংখাথে। তাইব, লাংওন্দা লাইবেম্বী অসিবু নুংশি নুংঙন পাম্বী মাকিথি তৃশোনবী কপচেৎপীঙম শৈথাবম্বনা লাইবেম্বাবু নিঙজাবিবশিংদা নুংঙাইতব খাওইন্দবা নত্তে। লাইবেম্বী অসিবু লাৎপদি সবোৎখাবমনা লাৎলি।

ফৌওইবীনা থোংনাং মযাং লমদম পাংখ্রসি হাযনখি হাযবী মাগী মতা অদুদি ১। চিৎনু লৈমা চিৎমিংনবী ২। হাযনু লেমা হাযমিংনবী ৩। খুনুং লম চনু ফাইবী তেবা কোনলাং নাসিনবী ৪। খোংচি নুঙলাইবম চনু খোংজ্রোংবা মমোমলোন লেমলে ঙাবা ঙাৱোইবা ৫। বাকচিং হাওকোনবম চনু নিঙেল নূবাবী নোহনু থুমওইবী ৬। তোইবী কোলমিংনবী কোললাংনুনি।

৫। সঙলাংমৈ—কংলা মনুংদা লৈবম্বা যাম্লা লিববা শঙ অমগী মমিং। শঙ অসিদি নোংদা লাইবেন পাখংবা অমসুং লাইসনা অনীগী ফম্বাল ফিজেৎ

শেৎনফম ওইখিবা শঙনি। মতুং তাথরকপা মৈদিংঙুশিংসু ফম্বাল তোংবদা শঙ অসিদা ফিজেৎ লৈথোমফম ওইখি। মমাঙঙৈদা নিংথৌফি শাবশিংনা ফি শাবা লোইরবদা ফি অদুবু ফীথুপ চানা থুপ্লগা লুবাক্তা হাপ্পুনা চাজুম নমদুনা শঙ অসিদা থম্লম্মী। শঙ অসিবু লাংশঙ শঙলাংমৈ হায়নসু কৌই।

৬। কুচু - কংলা কোনুংদা লৈরম্বা লৈবাক্কী ৱায়েন থৌদাশঙ। লাইফম অমা।

৭। পানথোইপী–মীওই লাইওই তৌবী, নূপীলক্তগী খ্বাইদগী মথৌনা মরিংজেন লৈবী, নূপী থোকপী, মতিঙ ফূদোকপা ঙম্বী, শিঙনরুবা য়াদবী, শিঙনরুরবদি অতৈদি লায়রদনা মপা লাইরেন তাউরোইনাই ফাওবা লেম্না থাখিদবী, মকুবোক খাবা সোকচোংবনা তাৎ তৌদুনা অশিবা শাশিন্নরুবদা তরেংয়োৎ চাদুনা তোকহনখিবী অমাইবী অমেৎপী পূম্বগী মবেম্মা ওইরিবী, নূপী ওইবীগী শক্তিগী তূংনফম, মোইথাপ নিজনফম ওইবী, তাইবং য়ুম্বান লম্বীদা পামদা মৱা খাবা ময়ুম থাদোক্নুনা নোংপোক নিংথৌগী লূমলেন ওইখিবী, পাম্থোইবী কৌবী ইমা লাইরেম্বী।

৮। পেৎতাঙা–মৱা মপুবোইবা নিঙবগীদমক ফিদমনিংঙাই ওইবী সেল্লোয় লংমাই চিঙগী ৱামৈ লাম্থাবগী মমোমলোন অচোং য়ূমলেনবম চনু পেতংঙা লীকলু লৌথিবী কৌবী মৈদিংঙু নাউথিংখোংগী অহানবা লূমলেন ওইখিবী। মৈদিংঙু নাউথিংখোংনা নিংথৌ ওইদ্রিঙৈদা পেতংঙা লৌদুনা য়াওং ইন্দুনা লৈরিঙৈদা সেল্লোয় লংমাইশিংগী মখুত্তা মথ্বায় মাঙবা তারবদা লৌশিং চাউবী পেতংঙানা মপুরোইববু নাম্থোকহন্দুনা থুমন নিংথৌগী মশাইকোন্দা চেলহনখি। মতুংদা মপুরোইবনা নিংথৌ ওইরবদা পেতংঙা মৈতৈ কোনুংদা লাকখি।

মৈদিংঙু নাউথিংখোংনা তৌবীমল অমদি নুংশিবনা থুমহৎখিদুনা মাগী শমু ওইরম ফম্লরাউ-ও হায়না কৌবগী মহুত্তা মথ্বায় কনবিরকপীনি হাযদুনা পলেম শক্না নাউয়োক্লকপী শারেন য়েৎলম ফম্লরো হায়রুবদগী মতূদা মমা কৌরে খন্দুনা নিঙবা কাযদুনা য়ূমজাউদুমক্তদা পেতংঙা নোঙ্গাখি। য়ূমজাউ লাইরেম্মদা তিনখিদুনা লাইরেম্মগী কারেন ৯ গী মনুংদা কারেন অমদি পেৎতঙা নোঙ্গা কা হায়না খঙনখি। মৈদিংঙু লোয়যুম্বনা খোইস্নাম শাগৈবু পেতংঙা শঙবগী থবক তৌহনখি।

৯। লাইখুরেনপী–লৈনুং থোঙঙাবেলগী তাল্লোয় অহন।

১০। হুইমু লৈমা–সোরারেন ওংবী কোম্থৌজম লাইরেম্মা নাহুইনুবু পোকপী পলেম মমা।

১১। লৈনাউতাপী - লৈনুং থোঙঙারেনগী তাল্লোয় অতোম্বী ওইরম্বদগী ম ।রোইবগা পোকমিন্নবা মনাউনূপা পোইরৈ তোন্দা অমুক ওংখিবী লৈমা লৈনাউতাবী। লৈনাউতাবীবু শরিক লৈনাউতাবী হায়নসু কৌই। শরিক পায়দুনা লৈনাউতাবী মাইবীনা লাইগী মপাউখোলবু তাইবং মীওইবদা

খঙহন তাহল্লি। মরম অসিদগী মাইবী লোযশঙনা লৈমা লৈনাউতাবীবু হৈ-বা, ফি-রোলনচিংবা কৎতুনা চৈরাউবা নুমিত্তা শবিক থৌনিবা হায়বা থৌরম পাঙথোক্লে।

১২। নূঙথেল লৈমা–লাইযিংথৌ কৌরু অমদি কৌনু অনীগী মমোমলোন্নি। লাই লোয়য়াবাকপগী তাল্লোয়নি।

১৩। সৌপোল লৈমা- নিংথৌ মপুথিবগী মচানূপী অহলনি।

১৪। লাইয়িংথৌ হনবা–নোংদা লাইবেন পাখংবগী মঙাইবোহ ফমদৌ মহীশাং হাযনসু খঙনবা উমংলাই ৯ গী মনুংদা খ্বাইগী মকোক ওইবিবা লাই। লাই অসিগী খুবম খুবাইদা লৈ। লাইশিংনা লৈবাক ৱাযেন থৌদা তৌবম্বদগী মীনা মহুৎ শিল্লকপদা লাইযিংথৌহনবগী মহুৎ ফম্নাইবা খুবাইলাকপনা শিনখি।

লামায ৭

১। পুথিপা–নিংথৌ মপুথিবা হাযনসু খঙনবা লাইযিংথৌ পুথিবা। লাইযিংথৌ পুথিবা মপাবি শাৎতে। মমোম সৌবোল লাইবেস্মা অমদি সনম ঙাইথিংতোন সনা খোংনাং লৈমা কৌবী অনী ফৃযখি। লাই অসিগী লাইফমদি খুবাইদা লৈ।

২। পুবৈবোমপা–অঙোম শলাইগী পুকোক। নোংদা লাইবেল পাখংবগা থৌমু নাউমু ওইবা মীশক। মহাকপু নোংনিংথৌ হাযনসু শৈথানৈ। ৱাবী শিংবুল অমদা লৈবাক্কী মপু পাখংববু থিকুই হাযবগী মহাকপু পুথিবা হাযনা মমিং থোনখিসু হায।

৩। থোঙঙাক–মৈতৈগী থাজনবীদা অশিবগী লাইবেম্বীনি লৌনবিবা লাই নূপী। থোঙঙাক লাইবেম্বীবু খম্নুং শিদনুবী নৎত্রগা খম্নুং কৈকোই লৌওনবী নূবা পাউথেম হৈবী হাযনা খঙনৈ। লাইবেম্বী অসি পান্থোইবীনি। "থোঙঙাক লৈমদি পান্থোইবীনে।" – লাইস্রা ফম।

খাবা শোকচ্রোংবনা অশিবা শাজিন্নদুনা লৈববদা মনু তেকঙানা নকু নিংথৌ অসি শিবে হাযনা পাউ তল্লবদা পান্থোইবীনা খুমখি – "হে ইনেমবোক ঐদি খম্নুং শিদনূবী কৌবী শিবিবা মীগী মথ্রায চৎথোক চৎশিনগী শো পাযবিবীনি। অশিবনা চৎপা লম্বী থোঙ্ঙাক অশিবনা পৈবিবা অদুদা ৱাযেল্লিবী, অদুগা মকোই চিঙদা লৈবগা অশিবা পূন্নমক্কী মপূক ওন্নবা থৌদাবিবীনি।" - পানথোইবী খোঙকূল।

থোঙ্ঙাক লাইবেম্বীসি পান্থোইবীনি হাযবসি লাইচৎলোন তেংথাদগীসু খঙবা ঙম্মী। – "যোইবু থোঙ্ঙাক লাইরেম্মা পনথৌ পলেম পীনাইতপী নপল লাইবেল তাউবোইনাই অসৈ ৱাংপী লাই তূপী থীঙকোক লাইবেমপা লাইবেল চিঙযা ফৈথিংপা তূপী কোনতমপা লাইবেল ফৈতমপনা খোইমোম

নতোম শাৎলকপী নমা খোইমোম লাইবেন্মা যোইপু লাই নামুংপী মালেম তম্পাক লৈবেলহনপীনা লাংপন চেংকুম পালতমকুম যোইপু নতোম তোমশাৎনপী।"

অতৈ লাইবিক খবদদি থোঙ্ডাক লাইবেম্মা অসি নোংদা লাইবেন পাখংবগী মচন্নুপী সিবা কোংতিংন্নুনি হায়না ইবা থেংনৈ।

৪। যাওবৈপী — মযেংবম লাইবেম্বী হায়নসু খঙনবী লাইবেম্বী অমা। লাইবেম্বী অসি চেংলৈ নিংথৌ থাঙযি খোংজোম্নগী লোয়নবী ওইবম্নদগী মৈতৈ লৈমা ওইখিবী যাওবৈবা চনুনি। লোইদাম থাবুম মঙাগী হৈবাং মচা যালনা মথংলেন থাংযি খোংজোম্নগা তাল্লোয় তুনুংশি থংলেন ব্রানংশিব ওইনা পানমিন্ননিঙেদা তাল্লোং মাংপান্না মৈদিংঙু নাউহখ্নবা মাগী মচা মনাইগুম লৈবেবা লৈববীবু তাল্লোয় তুপক খায় থংলেন ব্রাপুক খায় লাংলেনবা যাং বাপা খাংবাওম খায়দোম্পিনগা যাওবেবা চনু নিংথিবাব মাগী তাল্লোয়শিংদা চন্দনা লেইতৈ লৈমা ওইহনখি। লৌশি চাবা অচুম্বা চৎপা। লাবেন থৌদা হৈনা। লেইতৈ লৈমা যাওবেবা চনা মুৎ লাইনবোহদনা মফম অমা মণিপুরগী নিংথোবোনা পনাবাদা পাবিবনা। মহাক্না লৈখিদনা মতুংদা লাইবেম্বীগী থাঙ। পুখৎখবা যাওবৈবা চনুবু মৈদিংঙু লোয়ঙম্বগী মপামগী শাগৈ মযেংবমব লাৎহনখি।

থাঙযি খোংজোম্বা অসি মৈদিংঙু নাউখম্বনা মখাদা লৈবম্বা চেংলৈ নিংথৌনি। মৈদিংঙুগী থৌদাদা কৌব্রদা চিঙবল শাবা যাওখিবা মীওইনি।

৬। কৌপবেন লাইযিংথৌ কৌববেন হায়না খঙনবা লাই অমা। লাই অসি মোইবাং শলাইগী লৈনুং যখাচা চনু ঙাংশবানা পোকপা মচানুপা অহল ঙাংঙনথোক্না চাদ নাউদা বোবা অঙাংঙানি। মহাক্না মপা মপুগী লমদম মোইবাং থাদোক্নুনা কৌব্র চিঙদা খুন্দাদুনা নিংথৌ ওইদুনা পানখি। মহাক্না নোংদা লাইবেন পাখংবগী মশূনুপী লৈমা লাইবোকলেম্বী পান্নদুনা মপাবি মঙা শাৎখি। অহনগী চাদ নাউদা ওইববসু মযুম মোইবাং লমদম থাদোক্নুনা কৌব্র চিঙদা খুন্দাখিবদগী মাগী চাদ নাউদাবু মোইবাং অনোবা কৌখি। চনু নিংঙোলবু কৌববোন হায়না কৌনখি। মবাহ ইবুংঙো যোইমোংবনা ঈকাহবা পীববদগী শাউবদুনা সোবালেন্না থাক লাউদুনা নোং হৈথবক্নুনা বংলৈ পুঙমযোন থুল্লবদা মহাক্না পাম্বা কৈগী মতৌগুম ঙাংলেন ঙাংজাউ মপালগা কাওবেন শনগী মথীগা তেকপী ওকী মথীগা কাইবৈ যেনগী মথীগা, যাংলৈ তাউবা হূইগী মথীগা মৈ থাদুনা মৈখু কাহন্দুনা কোবৌ থক্তগী চুথবকপা নোংবু থামখি। মদুদগী মহাকপু নোংখাম নিংথৌ কৌববেন হায়নসু কৌনখি।

৭। চাথাপা—গুবগী নাতোন যেৎতগী থোক্লকপনি হাযবা লাইবংথৌ চাথাবা। লাইবংথৌ ৯ গী মহুৎ খুনফাংথৌ ৯ না শিনহৌববদা লাইবংথৌ চাথাবগী। মহুৎ পুখ্রনবা কৌবা ফমথৌ ফম্লাইবা অদুনা শিনহৌখি।

৮। কৌব্রু—ওকগী নাতোন ওইদকী যোব্র কখিবা অবাং নোংচুপ মাযবৈবু ঙাক্লিবা লাইযিংথৌ কৌব্রু। লাইবংথৌ ৯ গী মহুৎ খুনফাওথৌ ৯ না শিনহৌববদা লাইবংথৌ কৌব্রুগী মহুৎ চোংখানবা হঞ্জবা কৌবা ফমদৌ ফন্নাইবনা শিনহৌখি।

৯। মাবাচিঙ—গুরুগী হকচাংদকী থোক্লকখিবা অৱাং নোংপোক মাযকৈবু ঙাক্লিবা লাইযিংথৌ মাবজিং। মহাকপু থাঙৱাই মাব নিংথৌ চিঙঙ্ ওংজা চিঙমাবা হাযনসু কৌই। লাইযিংথৌ অসিদি চিংখোঙ পোইবৈতোন্না ৱাযেন থৌদা তমদ্রিঙৈ ৱাযেন থৌদা তম্বীবা লাঙোই শগোল অপাইববু পাইখিবগনে হাযদুনা মখোঙ মশা থেক্লা ৱাবক থৌবাউ তম্বীবা লাইযিংথৌনি। লাইবংথৌ ৯ গী মহুৎ খুনফাওথৌ ৯ না শিল্লবদা মাগী মহুৎ হিযাঙলোয হঞ্জবা ফন্নাইবনা শিনখি।

১০। হোঙনেন যোহ খুনচাউ—ৱা পুন্সিবোল ফংজবদগী চহী ১০০ নিংথৌ ওইদুনা পানখিবা মৈদিংঙু নাউথিংখোংনা (খৃঃ ৬৬৩ ৭৬৩) নিংথৌ ওইদ্রিঙৈগী মনাঙদা বোবম্না নংখে। মৈদিংঙু অসিনা লোইজিঙ ফৌওইচিঙদা তাবম্বা মঙাং হাযবা কাংলূপ অদুবু মাযথিবা পীদুনা মঙাং মখে মৈতৈ নিংথৌজাদা পুনশিনখি। মদূদকী মহাকপু নাউথিংখোং মঙাংঙম্বা হাযনা কৌখি।

১১। লাংমাই চিঙ—ইম্ফালগী নোংপোক মাযকৈ পাংবদা লৈবা নিংথিজববা চিঙ অমনি। মৈতৈগী অববা লাইফম তীনফম কযামুক্কা শাগোন্নদুনা লৈবল্লবা চিঙনি। চিঙ অসিবু সেল্লোয তকুপ চিঙ লংমাই তবং চিঙ হাযনসু কৌই। পাখংবনা তাইবং পানবা অসিদা খোঙদাবকপদা লৈনুংদগী নৃঙকাংকম লংখৎলভু না ফাওগৎলকখিবা মযম্নি হাযবগী চিঙ অসিবু লংমাই চিঙ কৌখি। লংমাই লমদম্বু হেক উবদা ফজমনখিদুনা পাখংবনা মসিদি খুাইদগী হেনবা হাযবদি সেল্লোযনি হাযনা হাংবম্বগীদমক মফম অসিবু সেল্লোয লংমাই চিঙ কৌখি।

১২। হিযাঙথাং লৈমা—মীযাম্না হিযাঙথাং লাইবেম্বী হাযনা খঙনবা হীবৈমা কৌবী লাইবেম্বী। মৈদিংঙু পামহৈবা সনা হাত্তক্কা বামান্দি ধর্ম্মা শন্দোকপা লাকখিবা শান্তিদাস গোষাই কৌবা বাসপুতিন অদুনা উমং লাইনচিংবা মৈতৈগী লাই খৈবিকপু ফুক্তুনা মোংবনহনবগী হৈবোং শিদবা মখোঙদা ফুমজিনখি। হিযাঙথাং লাইবেম্বী চিংথহৌবে হাযদুনা অহিংগী মতমদা ফুক্কে তৌববদা লাইবেম্বীনা চোংথোবক্তুনা শান্তিদাসকী মশম পাযদুনা হাৎকে তৌববদা হাৎপীগনু গুজা তৌজগে হাযদুনা খুবমজখি। শান্তিদাসনা লাইবেম্বী অসিদি তেংবান্বগী মমা দুর্গানি হাযদুনা ঈবাৎপা হৌখি।

লামায় ৮

১। য়ুমজাউ লাইরেম্মা—থায়ং ঙেদ্দগী হৌনা মৈতে কোনুংদা লাইশঙ শাগ না ঈরাৎলকপী লাইরেম্বী। মহাক অসি পাখংববু পোকপী লৈনুং যাবিরোক্নি। মৈতেগী কোনুং অমদি লৈবাক নিংথৌবু ঙাকপি শেনবিরিবী লাইবেম্বীনি। লাইরেম্বী অসি লৈমরেল শিদবীগী লাইচৎনি। অমরোমদা লৈমরেল শিদবী অসি য়াবিবোক্কা অমত্তনি হায়বসি লৈমরেল নাউয়োমদগীসু খঙবা ঙম্মী। – "লৈমরেল শিদবীনা নুমিৎকী মচিদা য়াঙমলে য়াবিবোক কৌএ।" য়াবিরোকপু য়ুমজাউ লৈমা কৌই হায়বসি লৈথক লৈখারোন্নচিংবা লাইরিকশিংদগী খঙবা ঙম্মী – "লৈনুং যাবিরোক যাপী য়াইখু চনু চাথা নূরোল পীরোল যামপী লৈমা অহুল্লকপু সালওনপী য়ুমজাউ লৈমনা অকপ অবংপা পাখংপনে।"

লাইরেম্বী অসিবু তেংথাবদা মোংবা থাঙঙা য়ুমজাউ লৈমা যাইফবী মোংবা থাঙঙা য়ুমজাউ কারেন ৯ মক্তা হেনমোইবী, নবান্না লৈমরেল ওইরিবী নদুনা নোংথাঙ ওইবিবী, নযেংনা পাম্লোইবী ওইবিবী নঙনা নশূ হেবুংথৌ হে বেম্মশিংবু খযোম লাগা শানা পৃযোক লাংগোর্নবিও, অসিনচিংবা হায়দুনা তেংথানৈ।

য়ুমজাউ কারেল ৯ অদুদি ঃ

১। য়ুমজাউ কারেন অমদি লাইয়িংথৌ সনা কানে।
২। যুমজাউ কারেন অমদি লাইযিংথৌ পাখংবা চৎলম ফানশাং কানে।
৩। য়ুমজাউ কারেন অমদি অঙৌবা পুরৈরোম্বা কানে।
৪। যুমজাউ কারেন অমদি ফদিবী মৈবিং কানে।
৫। যুমজাউ কারেন অমদি ইমোইনু অহোঙবী কানে।
৬। য়ুমজাউ কারেন অমদি তরা চউম কানে।
৭। য়ুমজাউ কারেন অমদি নেনে য়াহিপ কানে।
৮। য়ুমজাউ কারেন অমদি লৈমা অবেম্বী খোঙহাম কানে।
৯। য়ুমজাউ কারেন অমদি পেতংঙা লীক্লু লৌথিবী নোঙ্গা কানে।

নিংথৌ পাল্লিঙৈদদি মৈদিংঙুশিংনা শা লান চৎলুরগা মায় পাক্লুনা হল্লক্লগা সনা শঙ্গায়দা লেংশিন্দ্রিঙৈদা য়ুমজাউ লাইরেম্মদা (লাইয়িংথৌ পাখংবা অমসুং নোংশাবদসু) লানপাউ তম্বগী চৎনবী লৈরম্মী।

কনাগুম্বনা পেতংঙাবু য়ুমজাউ লাইরেম্বী ওইনা লৌনবসু য়াওদবা নত্তে। মসি পেতংঙা য়ুমজাউ লাইবেম্মদা তিনখ্রে, অমত্তা ওইখ্রে হায়বগী ৱাখল্লোন্দা ইতিহাসকী থেংলবা তাঙ্কক অমদা লান্না শাগৎলম্বদগীনি। অমরোমদা নিংথৌশিংনা মাগা উনবা য়াদে হায়বসু লৈ। মানা শোক্লবদি নিংথৌদু শি হায়দুনা যাম্লা চেকশিন্নরম্মী। উনবা শোক্লবদা অশি অনা নঙবা যাবা মফমদা নিংথৌশিংনা লানপাউ তম্বা অমদি লৈবাক খুঞ্জাউ

লৈচাউ খুনহোঙ লৈহোঙনবগী করম্না চঙদুনা খুরুমগদৌরিবনো? য়ুমজাউ লাইদা য়ুগী তেংথা অমদি লানপাউ তম্বগী ৰারোল শিং য়েৎলগসু য়ুমজাউ লাইরেম্মদি পেতংঙা নত্তে, লৈমরেল শিদবীগা অমত্তা ওইবিবা য়াবিরোক্কি হাযবসি শেংনা তাকই।

নিঙবা কায়বক্কী মোংবা য়ুমজাউগী লপলেন কাদা নোঙাখিবী পেতংঙাদি মাগী য়াইবী থরায়না য়ুমজাউগী য়ুময়াঙ খায়না চৎখিদুনা মপাম সেল্লোয় লমদমগী চেদোই তুরেল মনাক্তা সেল্লোয় লম্মাবী খোইমোম সয়ি উকাবীবু ওইনা শানওন্দুনা লৈখি। মৈদিংঙু নাউথিংখোংনা মশানৌ নোংবাল্লোল পেতংঙাবু নিঙশিংদুনা লোইদাম কুম হৌবকপা খুদিংদা পোইবৈ মৈতৈ পুম্বগা চেদোই তুবেন্দা ঈরুম্পবু হোদোকখিরম্মী।

মৈদিংঙু লোয়য়ুম্বনা থাউপীচম শাগৈবু য়ুমজাউ লাইরেম্মা শঙহনখি। অদুগা খোইম্নাম শাগৈবু পেৎতঙা শঙবগী থবক তৌহনখি।

২। অসাংপম--লুৰাং শলাইগী য়ুম্লাক অমা। নিংথৌনা ফম্বাল তোংবদা মখোয়না লৈমা নিংথৌগী খোঙ হাম্বগী থবক তৌই। নিংথৌগী মচা পোক্লবসু অঙাংগী খোঙ খুৎ হাম্বগী থবক মখোয়না তৌই। লৈবাক্কী ওইবা তীনখোঙ লাইখোং থিংবগী থবক্সু শরুক য়াই।

৩। অরামপম -লুৰাং শলাইগী য়ুম্লাক অমা। নিংথৌনা ফম্বাল তোংবদা মখোয়না লৈমা নিংথৌবু ঈরু মায়থজবগী থবক তৌই। নিংথৌগী মচা পোক্লবসু মখোয়না অঙাং ঈরুবগী থবক তৌই।

"যোইবেননা পুবা সিনতী অসাংপম্না খোঙ হামএ। অৰামপম্না ঈকএ। অসাংপম অৰামপম অনীমনা লানমি কৌএ।" – মাইবগী মশিল।

৪। থরাউচী- কোরিনা শাবা শিঙ্গা মওং মানবা চীন্না কামদুনা খোংনবা যন্ত্র মখল অমনি। মসি চাউবাক্তা খুবোম অমরোম শাংই। মৈতৈ নিংথৌনা মচানুপা পোকপদা অমদি ফম্বাল তোংবদা কাসা পাউ তাকপদা যন্ত্র অসি খোংদুনা তাকই। মৈদিংঙু লোয়য়ুম্বনা তোইবীজম শাগৈগী মীওইতনা থরাউচী খোংগদবনি হায়না শিন্থা পীরম্মী। মৈদিংঙুশিংনা ফম্বাল তোংবদা থরাউচী খোংবদি শামুথোঙদা খোংই। "তোইবিজম্না শামুথোঙদা কোরি থরাউচী খোংএ।" – ফম্বাল মশিল।

৫। লৈরেন লৈচাউ–ফম্বাল তোংবদা মৈতৈ লৈমনা কোক্তা শেৎপা শমজিন অহুম ফাংবা ফিজৎ লৈতেং অমা। লৈরেন লৈচাউ হায়বসি শাবগী থবক্তী শিন্নাইবা শঙনা শাগনি। ফিজেৎ লৈতেং অসি লাইরেন ঙাংঙোই য়োইমোংবনা মচন মেনু শাদুনা সোরারেনগা লুহোংবদসু শীজিন্নখি। "কোরৌ নুমিৎ মঙানি শুরবগা মমোম মেনু লৈতবগী লাইরেল ঙাংঙোই য়োইমোংবনা মমোম মেনু শাগে হায়বগী লৈবেন লৈচাউববু লাংমৈ পুঙলেন চিল, শমমৈ শমদোল য়োম, শমজি হুকতুং থাংনা, থবাক ঙৈথোম্না,

বোনলোই মঙান নাইনা খোইমোম লাইফমেন্দা ঙাইখমলে।" – ভুতেংলোন।

৬। লোল্লৈ লুথক নিংথৌগী কোকথক্তা উম্পা খজিং মকোক মানবা লুহুপ। লোল্লৈ লুথক শাবগী থবক্তী কোনশাবা শঙনা শাগনি।

৭। লপত্রৈ–থৌবীগুম্বনা যাম্নদুনা শেম্বা শগাই।

৮। মোইবীক–মোইবুংনা শাবা লীক।

৯। মৈপা চিংবা–ঙ অকংবা অমদা বা নচেৎ কনম পযাগুম্বা নৎএগা লীনা হন্না হন্না চিংবদা থোবকপা মৈ অদুনা মৈ বাযননবা হাপলিবা মৈশুৎ (লশিংগুম্বা) অদুদা মৈ ব্রাযহন্দুনা মৈ লৌবগী মওংবু মৈবা চিংবা কৌই।

১০। মাইমু তোমসোন–মমাঙথৈগী ফিজেৎ লৈতেং মখল অমা। নিংথৌগী ফম্বাল তোংবদা লাইগী কোযেৎ ওইনা শীজিন্নবা ফি মখল অমা। সাকোক লম্লেন হাযবা লাইবিক অদুগী খঙবদি ফিজেৎ মখল অসি মোবিযা ফম্বালচাগী মতমদগী হৌনা শীজিন্নবক্লে। চব অসিদ পাল্লম্বা নিংথৌদি শবিযা ফম্বালচানে। ফিশেৎতী মহমু তোমসে ননে। সাকোক লম্লেন।

১১। অতাই পুবি থোকপা– লাইগী থৌবম অমা। অতাই নিনা হাযবা থৌনমদি মাইবনা তৌএ। মাইবগা অশৈবগা অনীমনা তিল্লবা থৌদি মাইবনা অতাই তৌএ অদুগা অশেবনা পুবি থোকএ – লাইস্রা ফম।

১২। সাঁঙখায হুনবা–মাইবা শঙদা কাবা শবাং লৈশাংথেম শলাইগী মইবা থিযাম শাগৈগী অমাইবনা পাঙথোকপ। তুংদা থোরগদবা মাঙজৌনং খঙবা ঙম্নবা সাঁঙখায হন্দুনা যেংবা। মাইবা থিযাম অসি মঙ চঙবগীদ অখন্নবা অমাইবনি খব থেংথববা মতমদদি মযাংবম শগৈনা সাঁঙখায হুনবগী থবক তৌই।

সাঙখায হুনবদা চঙবা পোৎচঙদি – বোরী শাযাবক খোইঙাল লী অমা। লীল্লাই পবেং অমা শিংপাক মঙা শংগাই অমা কোকশা পাকলোয বোনখা যুবিৎ চাদি ফিযায শাযা চানপুম অমা নখিন থোঙনাইবা পু অমা ফিমু খাউওন্নৈএ।

১৩। মঙ চঙপা–অখন্নবা মাহবা মাইবীনা কবিগুম্বা মবম অমগীদমক খোল্লেন তুমখুন হন্দুনা মঙ মঙদুনা লাইগী পাউতাক ফংনবা হোৎনবা নৎত্রগা শিথবা মীগী থবাযগা ব্রা ঙাঙনদুনা শিথবা মীদুদগী মাগী বাবোল খঙদোক্লবা হোৎনববু মঙ চঙবা কৌই। মঙ চঙবগী থৌদাং যাবকপা যুম্নাকশিংদি যোইবেন শঙগী লাংকোনচম মাইবা শঙগী মাইনা থিযাম, চকপা থিযাম অশৈবা শঙগী চিবোম অমদি অতৈ মাইবা মাইবীশিংনি। মঙ চঙবা হাযবসি লৈবাক অসিদা হৌনা পোমিংথৈগী মমাঙদগী হৌনা চৎনবক্নে। কংলৈগী মপু খাবা সোকচোংবনা কংলৈ লমগী মশক ওল্লবদা মনাই লাংকোনচুম্নবু মঙ চঙহনখি। মঙ চঙলুদা খোইমোম লাইজা ঈমাবনা

নুবা মুমশিনলাং কৌবীনা চবৈ মফি কোম্লুবাগী কংলৈ লমগী মশক ওনবনি তাক্লকখি।

লামায ৯

১। নাউকনসঙপম–নিংথৌগী মচা পোক্লগা নাউ কনবা নাউফম শঙবা অমদি নাউফম ফুম্বগী থবক তৌবা নিংথৌজা শলাইগী শাগে অমা।

২। অপুচম–নিংথৌগী মচা পোক্লগা নাউফম অদ ফম্লবগাদমক পুশিনবগী থবক তৌবা নুবাং শলাইগী শাগে অমা।

৩। তোকপম নিংথৌনা শিববদা মাবু ফম্লবা মং তৌবা অমদি নিংথৌগী মচা পোকবদসু নাউফম অদু ফুম্না লেপ্পাক তৌবগী মথৌ তৌবা খুমন শলাইগী যুম্নাক অমা।

৪। তৌবেম–নিংথৌগী মচা পোক্লবদা নানা লিযক শাবদা তৌ লানবগী থবক তৌবা অমদি নিংথৌনা ফম্লাল তোংবদা অযাঙ চঙবদা (লেপলেন কা চঙলমদাইদা) চান যা নিংথৌরবগীদমক তৌ লানবা থবক তৌবা খুমন শলাইগী যুম্নাক অমগী মমিং।

৫। নাউবোইপম–নিংথৌগী মচা পোক্লগা অঙাং লৌবগী থবক তৌই হায়বগী থোনখিবা যুম্নাক শাগে অমগী মমিং। নুপী পোকগা শাগে অসিগী নুপীনা অঙাং লোগনি। নপা পোক্লগা নুপানা লৌগনি।

৬। লোঙচম–অঙোম শলাইগী যুম্নাক শাগে অমগা মমিং। লোং শৃদুনা নিংথৌগী থৌগল তৌবদগী লোঙচম কৌখি। মমাঙউদা যুম্নাক অসিগী মীওই মাইবা শঙদা কাইল্লম্মী।

৭। ঙাথেম–ঙা থিনা হৈ হায়বগী থোনখিবা যুম্নাক শাগে অমগী মমিং। মৈদিংঙু লোযযুম্বনা শাগে অসিগী মীওইবু ঙামি কোদুং। ঙানা লেবওংবদা লৈবক্লবগীদমক ঈবাৎ থৌনি তৌবগী শিপ্পা পীখি।

৮। লাংকোনচুমপা–লাংকোনতা মঙ চঙএ হায়বগী কৌখিবা থাবা ঙানবা শলাইগী লাংকোনচম যুম্নাক। মৈদিংঙু লোযযুম্বনা শাগে অসিগী মীওইবু যোইবেন শঙদা কাদুনা মঙ চঙবগী থৌদাং পীবম্মী। মঙ চঙবা হায়বসি অমাইবা অমাইবীনা মঙ মঙদুনা পাম্লিবা বাফম অদুগা মর্বা লৈননা লাইদুনা পীবকপা পাউতাক লৌনবা হোৎনর্বনি।

৯। লাংকমপম–খুমন শলাইগী যুম্নাক অমা। মৈদিংঙু লোযযুম্বনা শাগে অসিগী মীবু নিংথৌনা ফম্বাল কাবদা লান হোইবদা শীজিন্নবা লানচৈ যানবগী শিপ্পা পীখি।

১০। থোঙপম–খুমন শলাইগী যুম্নাক অমা। নিংথৌনা শিববদা শাগে অসিগী মীওইনা হকচাং অদুবু হাপ্পনবা কু শাবগী থবক তৌই। কুমওন শুববগা নিংথৌগী লু অদু অমুক হৌনবী মতুং ইন্না লৈবোন চল্লবা মতুংদা মংথোঙ থিংবগী থবকসু মখোযনা তৌই।

১১। লাইতোনচম—মমাঙঙৈদা অশৈবা লোযশঙদা বাদুনা লমদাইপুঙনচিংবা ঈবাৎ থৌনিবগী থবক্তা শরুক যাবম্বা শাগৈ অমা। মৈদিংঙু লোযযুম্বনা শাগৈ অসিবু অযাঙ চঙবগী শিন্থাসু পীবম্মী।

১২। অযাঙ চঙবা—অযাঙ চঙবা হাযবসি শীজিন্নফমগী মতুংইন্না ব্রাহম্মোক অনী থোকই। অমনা নিংথৌনা ফম্বাল তোংবগী থৌবমগা মবী লৈননা যুমজাউগী লপলেনকা চঙববু অযাঙ চঙবা কৌই। অনীশুবদা উমংলাই ৯ মদা তাহবং মীগী ঈ কত্তুনা শদোং কত্তুনা (হ্যুমেন সেক্রিফাইস) ঈবাৎ থৌনিনবগীদমক মী ফাবা চৎপবুসু অযাঙ চঙবা কৌই।

উমংলাই ৯ মদা ঈবাৎপদা তৌবল্লিবদি অমম অথেংবদা লাইদা কৎপা যাবা মীওইবু চোবান্থাবনা ফাদুনা পুবক্লগা লাইশঙদা পুশিন্দুনা মাইবনা চাবাৎকী ঈবাৎ থৌনি পাঙথোকপনি। চাবাৎকী ঈবাৎ পাঙথোক্তুনা উমংলাই ৯ মবু তাইবং মীগী ঈ অমদি শদোং কৎপা মাইবশিংগী তমথিববা ঈবাৎ অসি মৈদিংঙু পামহৈবনা থিংখি।

অদুম ওইনমক মৈদিংঙু অসিনা লৈখিদ্রবা মতুংদদি শক্তি লৈববা মাইবশিংনা মী অদুবু হাৎপমক হাৎত্রবসু উমংলাইদা কৎপগী থবক মখা চৎথবকখি। লৈবাক্কী নিংথৌগী যাইফনবগীদমক্কি হাযবা অমাইবা অমাইবীশিংগী লাইফাও অমদি থৌইনশিন্দা মৈদিংঙু পামহৈবগী মতুংদা পাল্লকখিবা মৈদিংঙুশিং অদুদি ঙন্না পঙথখি। তৌবম্বা মওংদি মী ফাদুনা উমংলাইদা পুশিন্দুনা মশম মনা খুজিন খুযা কত্তুনা মখোঙ মখুৎ চানদুনা লাদা হিপহন্দুনা ঈ থবসু লৌদুনা মাইবনা কৎলি। থাদি মেবা থাগী নোংমা পানবদগী হৌনা নুমিৎ ৫নিনে। উমংলাই ৯ মগী ঈবাৎতী অসিনে। মী ফাবা চৎপা চোবান্থাবদি নুমিৎ ৫ অদু মযুম চঙবা যাদে। মাগী চাঙ্গী মতূনা চযোম যোমদুনা নাকথদা থান্দুনা থম্মী। মদু লৌদুনা চায। হাযবিবা নুমিৎ ৫ নিগী মনুংদি মতূ মচা অমওগা উনবা যাদে। মসিবু অযাঙ চঙবা কৌই।

অসুন্না মশম মনা খুজিন খুযা কত্তুনা ঈ লৌদুনা লাইদা কৎখ্রবা মীশিংদু খুদক্তা হাৎত্রবসু লাইনা চাখ্রবনিনা তপ্না তপ্না শোযদনা শিবগনি থনবদগী লাযনা ওইদুনা ঙন্না শিখি হাযনৈ। মণিপুরদা বৃটিশনা পানবা হৌববা মতম ফাওবদা অমাইবশিংনা লাই ব্রাংব্রেন্নচিংবদা মীগী ঈ কৎপগী থবক চৎথবি।

১৩। সীঙখাঙপম—নিংথৌগী শিঙ খাঙবগীদমক থোনখিবা যুম্নাক শাগৈ অমগী মমিং। নিংথৌনা শিববদা মাগী মথৌ মওম শাঙথোকপদা শাগৈ অসিগী মীওইশিংনা শিঙ খাঙবগী থবক তৌই। মৈতৈ লৈমনচিংবগী মচা পোকপদসু মখোযনা শিঙ খাঙবগী থবব তৌই।

১৪। লাল হোইবা–নিংথৌনা ফম্বাল তোংবদা ফম্বাল লানগী থৌবম মনুং চনবা লাল হোইবা হাযনা খঙনবা থৌবম অমা। মৈদিংঙু লোযযুম্বনা নিংথৌজা শলাইগী যুকুংবম হাযবা শাগৈ অদুগী মীবু লাল হোইবগী শিন্থা পীবম্মী। কাইনথংদা মশু ইবুংঙো মৈদিংঙু পামহৈবা সনা হাক্তক্তদি লুৱাং শলাইগী পুংগ্রাইজম হাযবা শাগৈ অদুনা লাল হোইবগী থবক তৌখি। অদুগা নিংথৌজা শলাইগী ইকুংবম (যুকুংবম) লাল লাউবগী থবক তৌখি।

১৫। মযাংলমপম–নিংথৌজা শলাইগী (অতৈ শলাইদসু শাগৈ অসি লৈ) যুম্নাক শাগৈ অমগী মমিং। মৈদিংঙু লোযযুম্বনা শাগৈ অসিগী মীওইবু শামি কৌবগী শিন্থা পীবম্মী। মখোযনা শামি কৌবগী ঈবাৎ থৌনি তৌবদা নত্তনা শাতাল লানতানবনচিংবগী ঈবাৎ থৌনিসু তৌই। শাগৈ অসিগী মীওইনা যোইবেন লোযশঙদা কাদুনা মথক্তা পনখিবা মশিলশিং অসি পাঙথোকই।

১৬। সামি কৌবা–শা শন্না মবাই তাবক্লবদা হাযবদি লৌনগনবা লাইনানচিংবনা অশি অনা যান্না থোক্লবদা মদু ফনবগীদমক পাঙথোকপা ঈবাৎ থৌনি অমা।

১৭। খুমললমপম – নিংথৌজা শলাইগী শাগৈ অমা। শাগৈ অসিগী মীওইবু মৈদিংঙু লোযযুম্বনা সযাকোৎ চঙবগী শিন্থা পীবম্মী। শাগৈ অসিনা যোইবেন লোযশঙদা কাদুনা সাযাকোৎ চঙবগী ঈবাৎ থৌনি পাঙথোকই।

১৮। সাযাকোৎ চঙবা–শামুগী শোঙ চঙবা। শামু ফানবগীদমক শামু তানবদা শামগী চঙযম লম্বী অমগুং খাক্লগা অতৈ মাযকৈদা চেনখিবা ঙন্দনবা তৌবা কোম অদুবু শোঙ কৌই। শোঙ শেম্বা অসি লম ১০ পাকপা লম ৩ লুবা ইকোয কোযনা লম ৬০০ মুক তৌথোক্লুনা মদুগী লৈবাক অদুনা মপাল্লোম থংবা মপাল অকোযবদা হান্ন। যুংদুনা ফাজিন পুনশিন্দুনা থল্লিবা উগী শম্বন অদুদা চেকপল ওইনা থোন্দুনা থম্মী। শামু চঙখ্রবা মতুংদা থোকখিবা ঙন্দনবা শামু চঙখিফম অদুসু থোঙ থিংদুনা থম্মী। মসিদা শামু ফানবা চঙবদা অশোয অঙান্নচিংবা থোক্তনবা সাযাকোৎ হাযবা লাইশোন অদু যোইবেন শঙদা কাবিবা খুমল্লম্বম মচানা শক শোল্লি। মতুংদা মযাংলম্বম নামোইজমসু সযাকোৎ শক শোনবা যাওখি। সযাকোৎ হাযবা লাইশোন অসি অনৌবা লাইশঙ শাদুনা লাই লেঙশিন্দুনা শন্দাবগী থৌবমদসু শকপা লাইশোন অমনি।

১৯। তৌমোম–নিংথৌগী তৌ যানবগী থবক তৌবদগী থোনখিবা খুমন শলাইগী যুম্নাক শাগৈ অমগী মমিং। নিংথৌগী মচা পোক্লবদা সনা লিফক শাবদা শীজিন্নগদবা তৌ যানবগী থবক মখোযনা তৌই। নিংথৌনা ফম্বাল তোংবদ চীন যা তেংথোকপদা শীজিন্ননবা তৌ অদুসু শাগৈ অসিগী মীওইনা যানগনি। শাগৈ অসি অশৈবা শঙদা কাবম্মী।

লামায ১০

১। তৌবিযাম–মৈদিংঙু লোযযুম্বনা তৌ যৈখাযবগী শিস্থা পীখিবা যুম্নাক শাগৈ অমগী মমিং। মমৈথংদা তৌ যৈখাযবগী থবক থিংকুচম শাগৈনা তৌখি।

২। হাওমুকপম- মৈদিংঙু লোযযুম্বনা নাউশোং ৱাংগোলগী সনা লিফক শাবগী শিস্থা পীখিবা যুম্নাক শাগৈ অমগী মমিং।

৩। সাৎতোকপম–নাউশোং ৱাংগোলগী সনা লিফক শানবগীদমক তৌবিযান্না যৈখাযবা তৌ অদুবু ফাঙোকপগী থবক তৌহনখিবা নিংথৌজা শলাইগী যুম্নাক শাগৈ অমগী মমিং। তৌ ফাঙোকপগী থবক তৌহনবদা ওনা নিংথৌনা শিববদা ফুম্বদগী কুমওন শুবগা হকচাং অদু মংদগী অমক লৌথোক্লবগা শব শৎতোবপগী থবকসু শাগে অসিবু তৌহনখি।

৪। খোযবিসুমপম- নিংথৌগী মচা পোক্লবগা অঙাং অদুগী খোযবী লংঙং কিবগী থবক তৌহনখিবা খুমন শলাইগী যুম্নাক শাগৈ অমা। মখোংনা যোইবেন শঙদা কাদুনা নাউশোং বাংগোলগী মশিল অসি পাঙথোকই।

৫। খোর্যবিযানপম–নিংথৌগী মচা পোক্লবগা অঙাং অদগা খোযবী বনপগী মথৌ পীখিবা নিংথৌজা শলাইগী শাগে অমা।

৬। লাইবেনচম–যোইবেন শঙদা কাহন্দুনা লৈমা নিংথৌগী মচা পোকপদা ফিশূ ফিজাম্বগী শিস্থা তৌহনখিবা লৱাং শলাইগী যুম্নাক শাগে অমা।

৭। লিসম নিংথৌগী লি শাবগী শিস্থা পীখিবা মোইবাং শলাইগী যুম্নাক শাগে অমগী মমিং। লি হাযবসি ঈশিং থক্লবা লৈপাক্লা শাবা পাত্র শম্না। শাগে অসি মাইবা শঙদা কাবম্মী।

৮। যেনখোং তমও–কাইবে যেন্না মতম অমদি মতৌ চাদনা হোংবা যেং খাং ফবা ফঙবা অসিনচিংবগী পাউ তম্নগী মথৈ তৌহনবব যেনখোং তম্না কৌই।

৯। সাপৈ যেংও–কবিঙশ্বা ঈবাৎ থৌনি অমদা শা কঙুনা কৎলিবা শা অদদা অফ-ফত্তবগী খুদম যেংবব শাপৈ যেংবা কৌই।

১০। আকুবামপম- খুমন শলাইগী যুম্নাক শাগে অমগী মমিং। মৈদিংঙু লোযযুম্বনা শাগৈ অসিগী মীওইবু উচেক বাযানা খোংবগী খোঞ্জেল অমদি মখোংবু মুন্না তাদুনা মদুনা কবি পাউজেল পীবিবা অমদি কবি কবম্না অফ যাঙগী ফল লৈবগে হাযবনচিংবা মুন্না খঙনবগী শিস্থা পীখি। শাগে অসিগী মীওইনা মাইবা শঙদা কাদুনা উচেক ৱাচেক্কা মবী লৈনবা ঈবাৎ থৌনিশিং পাঙথোকই।

১১। চাপুঙপম–নিংথৌগী মচা অঙাংগী চাক ইনবগী শিস্থা পীখিবা খুমন শলাইগী যুম্নাক শাগৈ অমগী মমিং।

১২। ৱা লাৎও–ৱানা মবাহ তাদুনা শিথবক্লবদা মদু ফনবগীদমক ঈবাৎ থৌনি তৌবা। মৈদিংঙু লোযযুম্বনা ৱাবেম্পম শাগৈবু ৱা লাৎপগী শিস্থা পীখি।

১৩। মাইপম–মৈদিংঙু লোযযুম্বনা চৃপ শাবগী শিম্থা পীখিবা খুমন শলাইগী যূম্নাক অমা।

১৪। চৃপ সাপা–কনাগুম্বা মীওই অমনা মীশি মীনা চাদনা হাযবদি যৃমথক্তগী তাদুনা শিবা উতোন ৱাতোন্দগী তাদুনা শিবা, থৌবী যান্দুনা শিজবা মতোমদা হূ চাদুনা শিজবা, থাওনা তানা থিঞ্জদুনা শিজবা ঈশিংদা তাদুনা শিবা মৈনা চাক্তনা শিবা মচা পোকপা ঙমদদুনা শিবা পৃত্তা মচা লৈনা লৈনা শিবা ঙা মব যদুনা পন্দুনা শিবা মঙলান্নদুনা শিবা ঈ ওদুনা শিবা ঙাওনা যৈনা শিবা শানা ঙানা কৈনা লমহূইনা চীক্তনা শিবা, লিন্না চীক্তনা শিবা লৃদা চঙদুনা শিবা লাইথুং তীনথুংনা নাদুনা শিবা নৃপা নৃপীনা মতম কুইনা মযৃম পান্দনা শিখিবা অসিনচিংবা থৌদোকশিং অসি ইমুং অদুদা নএগা শাগে অদৃদা তেকশিন হৃঞ্জিল্লক্তনবা পাঙথোকপা থৌনি অদুবু চৃপ শাবা কৌই।

শিবা নাবা নত্রবসু যান্না শাথিনা ঈকাইবা নংখিবা থৌদোক্কচিংবসু অমুক হন্না থোবক্তনবা মশা হিংলিঙৈদা চৃপ শাবসু চৎনৈ। খাবা তেনহৈবনু বিবদগী লোঙুনা লৈব বা মমায মাযথোঙ মন্নবা নুমিৎপু নিংথৌ পোংবা ১০ মনা থৌবাং তৌদুনা অমাইবশি না চৃপ শাখি। কাকলেন মীঙম্বনা লাইবেল ঙাংঙোই যোইমোংবব যোৎলুবগীসু চৃপ শাখি। 'লাইবেল ঙাংঙোহ যোহমোংবনা ঈশানৌ তাউথিংমাং ও নশাবী ঐবু কাবলেন মীঙম্নগী পোনবী চীনকোহ চল্লুবা নোংগীবু চুপসা মোইফেন তমসে হাযনা নমাইবা থিংকোন মবিংমাই সন্তোঙ বাকুমাইনা হৃইমু মনুং লৌ মেন্নাং মনাব সেৎ যেনমু মনং লৌ সাতু মানতে লৈনা ফোইনা সাবাও যুবাওবা সিংপাক মাইতাইগ' বাইবৈবা যেনবু যেনলুমনা যেনবং ফাহবংবা পৃংফাই তোনযামবা লৌসিং নাহকপা সোংলেন নিংমাথি শিদ নাদবা নাতং নাখাইবা থিংনা তাংথিনবীনা চীনফু মাবতাবা থীবসেং থাসেংগ। লাইবেল মচপসাবু তম্বিববদা লাইবেল ঙাংঙোই যোইমোংবদি নুমিৎ মসোং চাউ থবা মঙান নাহন' মৈবী সালাম ওই উবেপ চ'বা ওইনা কংলৈ পৃঙমযোন্দ যাকাবে হাযদববা। – তৃতেংলোন।

১৫। চকফীযাম–মৈদিংঙু লোযযুম্বনা চকফি লাইশমবু শাদুনা কৎননবা শিম্থা পীখিবা মোইবাং শলাইগী যৃম্নাক শাগৈ অমা।

লামায ১১

১। চবফি লাইসম–মমাঙচৈদা মোইবাং শলাহগী চকফীযাম হাযবা শাগে অদুনা শাদুনা কৎপা লাই তীন খৃবম্বদা শীজিন্নবা লাইশম। 'মৈবাচিঙ লাৎকদবদি ফিদি লোক্তাকফি শেৎও। লু াইগী শমনা লাইশম ওইও। লিক্কোংঙা অগুন্না যাই ওইও। লাদি খুবাক অনীমনা লোল্লগা লা ওইও। মমিংদি কুপ ফেৎ ফেৎ হাযন' মঙাবক শোল্লো। – খুন্নুংলোন।

২। কোনযাই হুনবা –সনা লুপা মচেৎ কত্তুনা থৌনিবগী থবক পাঙথোকপবু কোনযাই হুনবা কৌই। কোনযাই হুনবা অসি লম লমগী মতুংইন্না লম অদুনা কোল্লিবা লমখৈ নত্রগা লম অদুনা লৈবিবা মাযকৈগী মমিং মথা হাযদুনা হুনগনি। মদুদি ঃ

১। ইম্ফালগী মখৈদি হৌ কংলৈবু লম্মহল্লো হাযদুনা হুনগনি।

২। অৱাং মখৈদি হৌ থাঙৱাইবু লম্মহল্লো হাযদুনা হুনগনি।

৩। নোংপোক মখৈদি (বাংখৈ ৱাত্রম পন্থোঙদগী) হৌ ৱাইবংবু লম্মহল্লো হাযগনি।

৪। নোংমাইচিঙগী মখৈদি হৌ সেল্লোযবু লম্মহল্লো হাযনা হুনগনি।

৫। লিলোংদগী থৌবাল মখেদি হৌ লানলোইবু লম্মহল্লো হাযগনি।

৬। নিংঙোম্নম হিযাঙথাংদগী ফোগাকচাউ ফাওবা শেগালম্বী সোবোক্কী নোংপোক মখেবু হৌ লাংলোইব লম্মহল্লো হাযগনি।

৭। অবোংদগী গুগনু ফাওব হৌ থবেবু লম্মহল্লো হাযগনি।

৮। গুগনুগী মহা মখৈ হৌ লেমলৈবু লম্মহল্লো হাযগনি।

৯। লাইবো শজিংগী হবে বম ফাওবা ... লাংমখৈ হৌ লোল্লোইবু লম্মহল্লো হাযগনি।

১০। ওইনামদগী লম্মাংদোং ফাওবা হৌ খুবোইবু লম্মহল্লো হাযগনি।

১১। নিংথৌখোংদগী মোইবাং ফাওবা হৌ ঙাংডোইবু লম্মহল্লো হাযগনি।

১২। মথক্কী লম অসিগী ভুবেল বাংমগী মখৈবু হৌ কোগবু লম্মহল্লো হাযগনি।

১৩ লমদেং কমেং লোইগাং থবখুং চিনাং ... লম্বান মযাং লাংচিং ঙাবিযানবম অথান অবা ... ফাওববু হৌ লোইবু লম্মহল্লো হাযগনি।

লাইশঙ মনুংদা লাইগী হুনবদি কংলেদা ওইবগা চিং ... বা লাইথোঙ মোংবা যুমদাংশাং হৌ ব লৈবু লম্মহল্লো অসুম্না হাযদুনা হুনগনি। কবোদা ওইবগা শেনবী মযাংদা ওইবগা থোংনাং হাযগনি।

৩। লাইখুল লাৎঅো–ঈশিংদা লৈবা গুবং লাইখনব ঈবাৎ থৌনি তোববনি।

৪। অখাম নিংথৌকোনগী মী শিববগা ফুল্লবা মতুং কুমওন থা শুবগা অবোইব। ওইনা অমুক লৈবোন চন্নবণীদমক হকচাং অদু মংদগী হন্দোক্লবদা কোক্কী শব সোনবা কোক্কী শম কোকপগী থবব তৌহনখিবা খুমন শলাইগী শাগৈ অমা।

৫। সিযাৎপম–নিংথৌনচিংবা শিবগা মংথোঙ হাংদুনা হকচাং অদুবু লৈনুংদগী হন্দোক্তুনা শম কোকথোক্লবা কোক্কী উন অদুবু যাৎপগী থবক তৌহনখিবা খুমন শলাইগী শাগৈ অমা।

৬। সাথোকপম–সিযাৎপমনা যাৎথোক্লবা কোক্কী উনশা অদুবু শেৎতোকপগী থবক তৌহনখিবা নিংথৌজা শলাইগী শাগৈ অমা।

৭। সাবোৎখাযপম–কোক অদুগী উনশা শেৎতোক্লববদা শরু লৌনবগীদমক কোক অদুবু ফাক্তোক্লুনা হাংদোক্লুনা পৎথ-পুমথববা তোংশাশিং লৌথোকপগী থবক তৌহনখিবা শাগে অমা।

৮। হযিংথেম–হকচাং খাযদোক খোৎতোকপদা থোবকপা মচুম মনাই ঈপুম নাইপুম পূম্ববু নপথোকপগী থবক তৌহনখিবা নিংথৌজা শলাইগী শাগে অমা।

৯। খাযথেম–লৈনুংদগী হন্দোক্লবা হকচাং অদুগী পূক অমদি অতৈ হকচাংগী শরুকশিং খাযদোকপগী থবক খাবা ঙানবা শলাইগী খাযদেম শাগেবু তৌহনখি। শাগে অসিনা যোইবু যোইহৈনচিংবা নিংথৌগী ইবেম্মশিংনা মশা বাহ শংদনা শিববদি পূক খাযদোক্লুনা পূক্লুংদগী অঙাং অদুবু লৌথোকপগী থবকসু তৌহনখি।

১০। হকৱানথেম–লৈনুংদগী হন্দোক্লবা হকচাং অদুব খাযদোক শেৎতোকপদা যাওবম্বা তান হলনচিংবা ফাদোকপগী থবক নিংথৌজা শলাহগী হকবানথেম শাগেব তোহনখি।

১১ হলনোইপম হকবানথেমনা যাদোকপা হলনচিংবা চীনশিং অদুন নোইহৎতনা হাংপগী থবক। হলনোইবম শাগেব তৌহনখি।

১২। পবোইজম হকচাং অদদা পবোম থোপথিনবা হাযবা থৌবম অদব পাঙথোবহনখিবা শাগে অমা। শাগে অসিনা পবোম থোপথিনবদা হংলেম অমদি বোলোম শাগেনা তেংবাংই।

১৩। পবোম থোপথিনবা – অশিবা হকচাং অদুব হন্দোক্রবা মতংদা সাক বালোংদা হাপ্পুনা যম্নদিদুনা হকচাং অদব যক্লা থোংগা নপা ওইরবা শৌ ৫ খোংদা নপাদা যুংলগা নপী ওইরবা শৌ ৬ যংলগা লং মাহংবনা মখোংশিংনা ৫ নবক অমদি ৬ লক থেংনা মখো মাঙ্গেনবগী থৌবম তৌবব পবোম থোপথিনবা কৌই।

১৪। অমাকচম শিবনা মতুং কুমওন শুবদুনা মংদগী হন্দোকপা হকচাংগী তাংজা লুবেন অদব শেংদোক চামথোক্লবা মতংদা নুমিৎ ৫ নি নুংশাদা লু অদুবু ফৌদনা থম্মী। লু চাম্বগী থবক অসি যুম্লাক ৪ না হান্না চাম্লগা অবোইবদা খুমন শলাইগী অমাকচম হাযবা শাগে অসিনা চাম্মী। অসুম্না চামথোক্লবা লু অদু ফৌবিগুং মনু দা হাযবিবা অমাকচম শাগে অসিব মখুওা লীবং তেন পাযহন্দুনা ৱাক ভাকপগী থবকসু তৌহনখি।

লামা ১২

১। সাকপম–নুংশাদা নুমিৎ ৫ নি চুপ্পা ফৌবা তাংজা লু অদুবু অশোয অঙাম থোক্তনবা যেংশিনবগী থবক তৌহনখিবা শাগে অমগী মমিং।

২। খুনুবোঙ–অশিবা হকচাংদগী শব লৌদুনা চাম্বদা শাজিন্নবা লোং অদুবু শাবগী থবক তৌহনখিবা শাগে অমগী মমিং।

৩। মংসঙপম–অশিবগী মং শঙবগী শিন্থা পীখিবা অঙোম শলাইগী যুন্নাক শাগৈ অমগী মমিং।

৪। পূঙ থীনঅো–পূং যৈবগী থবক তৌহনখিবা।

৫। লৈসৌ পূঙ লাৎঅো–লৈশৌ শৌবা ফনবা ঈবাৎ থৌনি তৌহনখিবা।

৬। ঙৌতোং মিৎ লাৎঅো–মিৎ ঙৌতোং থুংবা ফনবা ঈবাৎ থৌনি তৌহনখিবা।

৭। কোনতে নাকথিংমাই–নোংদা লাইবেন পাখংবগী মমাইবনি। অদুম ওইনমক মফম অসিদা পল্লিবা কোনতে নাকথিংমাই অসিদি মৈদিংঙু পাখংবগী মমাইবা অদুমক নওে। মানা পুবম্বা মাইবগী মশিল থৌদাং অদুবু শমথহৌবা মাইবদা কৌনবা মিংনি। মিংথোলনি।

৮। সাকু ৱালোং–মী শিবগা ফুম্বদা শীজিন্নবা চফু মখল অমা। মমাঙঙৈদা মী শিবগা মৈ থাদ্রিঙৈ ফুল্লিঙৈদা নিংথৌনা শিদুনা ফুমখ্রবা মতুং কুমওন থা শুবগা অযাম কৌবা শাগৈনা মংথোঙ হাংদুনা হকচাং অদুবু লৈনংদগী হন্দোক্লগা অখাম শাগৈগী মীওইনা শম কোক্লগা লুৱোংজন্না তাংজ লুবেন অদুবু ককএ। অদুদগী তীন হলনচিংবা হাত্তোক্তুনা মচুম মবাং পুন্নমক নপথোক্লগা শক অদু লোংদা হাপ্তুনা চাল্লগা নুমিৎ ৫নি লু অদু ফৌবনা মতুংদা যুল্লেনবম শাগৈনা শাবা লুয়োমফি অদুনা লু অদুবু নিংথিজনা যোমদুনা সাকু ৱালোংদা হাপ্তুনা ঈবাৎ থৌনি পাঙথোক্লবা মতুংদা লৈবোন চন্নবগীদমক পুযাম শাগৈনা সাকু ৱালোং অদুবু মংফমদা পুদুনা চৎলি। তোকপম শাগৈগী মীনা মং তৌবগা লৈপাক অদু লৌখৎপগী থবক মুংখোম শাগৈনা লৌই। অদুদগী পললুজম শাগৈগী মীনা ল অদু লৈবোন চল্লি। তোংৱম শাগৈনা মং অদুগী মথক্তা লৈপাক থোনজিল্লি। অদুগা থোংবম শাগৈগী মীনা মংথোঙ থির্গঙ। হকচাংগী উন তোং মবেক মহাও থুনাদা খৈপিঙী সৌকুবাবপম, সমপানতবম অমদি খোইবম হাযবা যুম্নাক ৩ অসিনা সাকু ৱালোংদা হাপ্তুনা ফুমএ।

৯। মোবি-কেগে মোইবাং নিংথৌ পুবিক্লাই যাং ফাং পোংলেন হনবগী মদাইবেম অমাইবা থিংকোল মোবি ফাউবিযাচা লাংচেং লাংমৈবা। মহাক অসি মৈদিংঙু নোংদা লাইবেন পাখংবগী মমাইবা কোনতে নাকথিং মাইগা থৌমু নাউমু ওইবা অফাওবা মাইবনি। থাবা তেনহৈববু কিবদগী লোক্তুনা লৈকবা যোইমযাই তাউদনববু মমায মকলে মমায তাযবে হাযবগীদমক কোনতে নাকথিং মাইনা যেত্তা ফমদুনা কেগে মমাইবা থিংকোল মোবি ফাউবিযাচানা ওইবমদা ফমদুনা নুমিৎ মাগী চূপ শাখি।

মোইবাং লৈখোং কাযদুনা অৱা অনা নংলবদা মোবি লৌশিংবনা মালেম লৈতাইদুনা কেগে মোইবাং লৈবাক মনিল নাইনা পাল্লবদ পুবিক্লাই ফাং ফাং পোংলেনহনবনা মোবি লৌশিংববু মনাই মথুম পীদুনা ঈকাইখুম্নবীখি। অদুবু মতাং অসিদা পল্লিবা মোবি অসিদি পুবিক্লাই

পোংলেনহনবগী মতমদা লৈবম্বা মোবি ফাউবিয়াচা মশামকপু নত্তে। মোবি লৈতাইৱা খঙলবা মাপ্মে লৈতাইবা হৈববা মখা শমথহৌবা মোবি মাইববুনি।

১০। লাইযিংথৌহনবা—মৈতৈ লৈবাক্কী উমংলাই ৯ হাযদুনা লৈবিবা অসিগী খ্বাইগী মকোক ওইবিবা লাইযিংথৌনি। লাইযিংথৌ অসিগী মবংশ্বীদি খোইমোম লাহবেম্মা পেৎনু তম্নু উসোঙলৈমা লমলাং নিংথৌ চনুনি। লাইযিংথৌ লাইবেম্মা অনীবু ঈবাৎ থৌনিবদি থীঙনোং চাউবোং কৌবা মাইবনা ঈবাৎলি। লাই অসিগী খুবম খুবাইদা লৈ। লাইশিংনা ৱাযেন থৌদা তৌবম্বদগী মীদা শিন্নবকপদা লাইযিংথৌ হনবগী মহুৎ খুবাইলাকপা কৌবা ফম্নাইবনা শিনখি। খবাইলাকপনা খুনফাঙথৌ ৯ গী মকোক্নি।

১১। মোংপাহলপা - গুরুগী নাকোং যেওগী থোবকপনি হাযবা উমংলাই ৯ গী মনুংদা অমা ওইবিবা লাইযিংথৌ মোংবহনবা। লাইযিংথৌ অসিগী মহুৎ ওইবিবা খুনফাঙথৌদি ৱা থৈবাকপা ফম্নাইবনি। অপক অমাইবা কৌবা মাইবনা লাইযিংথৌগী ঈবাৎ থৌনি তৌই।

১২। খাপা লাংথংচা পোইবৈতোন্না খুম্নোবকপদা লোযনবকপা মাগা মদাইবেম অশেবা পেনা শকপা মীশক্নি।

১৩। খাপা লাংথংচা কাপো ৱা নাহপা - খাবা লাংথংচা কবো ৱা নাহবা (কবো ৱালৌবেম্না) হাযনা খঙনবা অমাইবা অমা। মহাক্না লাইযিংথৌ লাউহল অহলবব ঈবাৎ থৌনি তৌই।

১৪। খমলাংপা—নোংদা লাইবেন পাখংবগী নিংথৌ মহীশাং যমদৌ মঙাইবোহ ওহবা লাইবংথো ৯ গী মনংদা অমা ওইবিবা লাইযিংথৌ খম্লাংবা। মহাক্না লাহবেম্মা শম্বোড় হুইমু লৈমা মঙাং নিংথৌ চনবু পান্নববা মতুংদা নোংচুপ মাযকৈ থোংনাং লমদা যোৎ থিবা চৎখিবদা যোৎতা পুবত্র দুনা থোংনাং মযাং নিংথৌ চনু শীজ কালিকাবু তাল্লোয ওইনা পুবকখি। জগোই ৱা মাহবা কৌবনা লাইযিংথৌগী ঈবাৎ থৌনি তৌই।

লামা ১৩

১। কৌপা মীযোমপা—মৈদিংঙু লোযথুম্বনা লাইযিংথৌ কৌববেলবু লাৎপগী মশিল পাখিবা কৌবা মীযোম্বা কৌবা অমাইবা। মৈদিংঙু লোযযুম্বগী মতুংদা ইবা লৈথক লৈখাবোন্নচিংবা লাইবিক খবদদি অমাইবা অসি হোংনেম লৱাং নিংথৌ পুন্সিবগী মমাইবনি হাযনা ই।

২। চাখাপা—গুরুগী নাতোন যেওগী থোকখিবা খোইযুম লাইযিংথৌ চাখাবা লাংমৈবেম্বা। উমংলাই ৯ গী মনুংদা অমা ওইবিবা লাইযিংথৌ চাখাবগী মহুৎ ওইবা খুনফাঙথৌদি পৃথ্বনবনি। মৈদিংঙু লোযযুম্বনা লাংমৈআনা কৌবা অমাইবব্ লাইযিংথৌ চাখাবা লাৎপগী থবক তৌহনখি।

৩। থোংনাং কাইপাযাঙ মাইপা—নোংদা লাইবেন পাখংবগী মমাইবা কোন্দে খুৎচুম মাইগী মনাউনি। "চিনফুবোল লৈচিক ঙানবীনা নোংদমলেন অখুবা। লৈথমলেন চনুনা কোন্দে খুৎচুম মাইবগা থোংনাং কাইব যাঙগা অনীমা পোকএ। থীকনম ফোইনমবগা লিলসু অখাগা অনীমসু পোকএ।"—চেকখোং।

অহানবদা থোংনাং কাইবযাঙ অসি শাচুং নিংথৌ লাংমৈবেম্বগী মমাইবা ওইবম্মী। অদুগা থীকনম ফোইনম্বনা পোইবৈতোনগী মমাইবা ওইবম্মী। মমাইবা অনী অসি শিন্নবসি হাযদুনা শিন্নবদগী থোংনাং কাইবযাঙনা পোইবৈতোনগী মমাইবা ওইখি। থীকনম ফোইনম্বনা শাচুং নিংথৌগী মমাইবা ওইখি।

মৈদিংঙু লোযযুম্বনা থোংনাং কাইবযাঙ মাইবা হাযনা খঙনবা অমাইবা অদুবু উমংলাই ৯ গী মনুংদা অমা ওইবিবা লাইযিংথৌ মুৱা নিংথৌ লাৎপগী শিন্থা পীখি। লৈথক লৈখাবোন্নচিংবা লাইবিঙদি লাইযিংথৌ মুৱা নিংথৌগী মমাইবা অসি লোযযম যোইথোংঙাই ওইনা পী।

৪। মাবাচিঙ—নোংদা লাইবেন পাখংবগী নিংথৌ মঙাইবোই ফমদৌ মহীশাংশিংগী মনুংদা অমা ওইবিবা লাইযিংথৌ মাবজিঙ। পাখংবনা শঙগাযদা হিপলিঙৈদা লৈনুং থাব ক অশৈবা হাযনা কৌবা তুবী যোইনোংতা নোংদা লাইবেন পাখংবা হাযবা ফম্বাল মিংলেনবুসু কৎখিবা মদাইবেম অশৈবা অসিনা যাহৌববু মৈতৈ লৈমা লাইসনানা লাইযিংথৌ ও হৌগনো নিংথৌ নঙাইবোই ফমদৌ নহীশাংবু লৈতবিযে হাযনা খাল্লবদা পাখংবনা মহাক্তগী লাইবংথৌ ৯ চিংথোক্লে। মখোযশিং অদুদি — লাইযিংথৌ হনবা, মোংবহনবা নাউকন মুৱা নিংথৌ, খল্লাংবা চাখাবা লুবাং পুন্সিবা মাবজিঙ অমসুং কৌব্র নি। মখোয ৯ অসিবু উমংলাই ৯ হাযনা খঙনে। লাই ৯ অসিনা খুনফাঙনৌ কৌবা মী ফম্লাইবদা শিন্নবদা লাইযিংথৌ মাবজিঙগী মথক্তি হিযাঙলোয হঞ্জবা কৌবা ফম্লাইবনি।

৫। কৌব্রু—অবাং কৌব্রু অসুম্পা লাইযিংথৌ লোইনাই খুন্দা অহানবা নোংথ্রে মউ লিংবা লম, অৱাং কৌবা চিঙথংলাংদা চিঙলেন নাপোম ১৫মকপু সুমদিন্না তাইশিল্লিবা লাইযিংথৌ অসিনচিংবা হাযদুনা তেংথানবা লাইযিংথৌ কৌব্রু। কৌব্রুদা নিংথৌ ওইনা পানবগীদমক লাইযিংথৌ কৌব্রুবু কৌববেন হাযনসু খঙনৈ।

মৈদিংঙু লোযযুম্বনা লোযম সঙকায কৌবা অমাইববু অৱাং কৌব্রু অসুম্পা লাইযিংথৌবু লাৎপগী শিন্থা পীখি। অদুগা মোইবাং শলা গী কৌব্র চিঙদা নিংথৌ ওইদুনা পানখি কৌববেন অঙাংঙাগী খুবম্ন লাৎপগী থবক্না কৌবা মীযোম্বা হাযনা খঙনবা অমাইববু তৌহনখি।

৬। অসৈপা–পেনা শকপা লাইশোন ঈশৈনচিংবা শকপা মী।

৭। সনা লমওক–নিংথৌনা ফম্বাল তোংবগী থৌবমদা নিংথৌনা মেনদা ফল্লিঁঙেদা যূমজাউদা শকপা, পাখংবা চেঙ হোঙবদা পাখংবা ঈকৌখৎপদা শকপা লাইশোন ঈশৈ অমা। পাখংবা হবাউবদা শকপদা নত্তনা নিংথৌনা ওইখিবা লাই খাগেম্বা খুঞ্জাওবা নাউথিংখোং অসিনচিংবা লাইশিংদা ঈশিংদগী ঈকাবকপা অমসুং লম থোকউবা হঞ্জিল্লকপদসু শক্কনি।

৮। সলচিবামপম–খাবা ঙানবা শলাইগী যূম্লাক শাগৈ অমগী মমিং। মৈদিংঙু লোযযুম্বনা শাগৈ অসিবু লমদন শল পুবা চিংবা অসিগী শিন্থা পীখি। মসিদা নত্তনা শাগৈ অসিবু মৈতৈগী লৈক্রম হাযবা ফি মখল অদুবুসু শাবগী থবক তৌহনখি।

৯। পাউতা হিতেল–কংলা কোনুংগী অৱাংলোম থংবদা তুবেল তৃথৃপ্তা লৈবা লাইফম অমা। মৈদিংঙু লোযযুম্বনা নিংথৌজা শলাইগী পাউনম শাগেব্ হিদেন অসিদা ঈবাৎ থৌনিদুনা লাইপাউনচিংবা তাবগী মথৌ তৌহনখি।

১০। ফমতোম–নিংথৌজা শলাইগী যূম্লাক শাগৈ অমগী মমিং। নিংথৌনা ফম্বাল তোংবগী থৌবমদা শাগৈ অসিগী মীওই নিংথোগী থৌগল যাওদবা যাদে।

১১। খোঙকাঙ খৃতা নাঅো–নিংথৌনা ফম্বাল তোংবগী থৌবমদা মৈদিংঙু অমসুং মৈতৈ লৈমনা যূমজাউদা লেঙশিনবদা থোঙজিন্দা মৈদিংঙুনা ফমদোম নৃপাগী মখুত্তা মৈতৈ লৈমনা ফমদোম নৃপীগী মখুত্তা নেৎলি। খোঙকাঙ খৃদানবা হাযবদি অসিবুনি।

১২। লহম্রম–মমাঙঙেদা অশৈবা শঙদা কাদুনা লাহ তীনগী লাহশোন তীনশোন শক শোনবা অমদি ঈবাৎ থৌনির্নচিংবদা যাওবা খুমন শলাইগী যূম্লাক শাগৈ অমা। মৈদিংঙু লোযযুম্বনা শাগৈ অসিবু শম্লোঙ লাৎপগী শিন্থা পীখি।

১৩। লৈবক তেবালবা–লম্বী সোবোক্ত। তে থা ঈশৈনচিংবা শকপা নত্রগা লেবাক নিংথৌগী মতিক মঙণ শকপা নত্রগা নিংথৌগী সনাযাথংনচিংবা মীযাম খঙননবা শকপা লাউববু লৈবক তেবালবা কৌই। মৈদিংঙু লোযযুম্বনা লৈবক তেবালবগী থবক অসি অশৈবা শঙদা কাবা খুমন শলাইগী হাওবীজম শাগেবু তৌহনখি।

১৪। লালফা ঈশৈ–কনাগুম্বা মৈতৈ অকন অথৌশিংনা শা ফাব্রুবগা লান ফাবংবগা মহাক্কা মী অমদি শা হাৎলূবা তৃপ্লূবা ফাববগী অযোন অবান (দোষ) কোক্লনবা অমদি মচা মশূ অমসুং মশাদা লাইথূং তীনথূং পানদনবা অচা অথক্লচিংবনা মত্তুৎ পীদুনা পাপ পুদনবা লমন শিংদোকপগী থৌনি পাঙথোকই। মসিবু লানচাক থাকপা কৌই। লানচাক থাকপদা শকপা ঈশৈ অদুবু লালফা ঈশৈ কৌহ।

খেঞ্জংলাংগী অৱাংথংবা নাকথগী চুবিদা চাক যেনশাং থোংলগা শামিং, লানমিং কৌদুনা চাহল্লগা তোকখ্রো চৎলো হাযবগা মানা শূবন্বা খুৎলাই অদুনা লৈযি ৩বেৎ ইগনি। লানচাক্তী অসিনে। অদুগা লানফা ঈশৈ শক্কনি। ঈশৈগী মবোলদি ঃ

তৃবেল লাই মক অচৌবা
লানফাবে লানতৃবে কনানো
ঐনিদা নোংমাইচিঙনিদা
লানককলে লানতৃবে
শাপন লাউদৃবে
কেমৱাইবী কেমথবেদা
নৃবা পাংগোং লৈ
নাওশিবী শিথবো দে।
সাফাবে শাতৃবে
শাককলে লানককলে।

নিংথৌনা ফম্বাল লান নাব ববা মঙুং হল্লকপদসু লানচাক থাড়ুনা লানমিং কৌদুনা লানফা ঈশৈ অসি শক্কনি। মৈদিংঙু লোযযুম্বনা মাগী সনা হাঙ্ক্রগীদি লানথম শাগেগী মাওহবু ঈশৈ অসি শকপগী শিঙ্খা পীখি। মতংদা থোংঙাম শাগেসু ঈশৈ অসি শকখি।

পাশাম ১৪

১। মড চঙবা মড চঙবা হাযবসি অথন্নবা মাহবা মাহবানা বনিগুম্না মশক অমা মশক খঙদোক্লবা খোল্লেন ভৃমখৃন হন্দুনা মড মডদুনা মাহগী পাঙথব ফংনবা হোৎনবা নত্রগা কনাগুম্না শিঙ্খবা মাগী থবায অদুগা ৱা ঙা নাদনা শিঙ্খবা মাদুদগী মাগী বাবোল খঙদোক্লবা হোৎনববু মড চঙবা কোয়।

মড চঙবা অসি লৈবাক অসিদা যাম্না লিববা মতমদগী চৎনরল্লে। মণিপুর ইতিহাস হৌদ্রিঙেগী মমাঙ খাবা সোকচোংবনা কংলে লৈপাক্কী মপু ওইনা পাল্লিঙে, নহাকপম থেবগী মচানুপা মুর্মশিনলাং অশানবা মুমশিনলাং অতাউবী কৌবীনা মোল্ল মাগা চবৈ মফি মকা ফোংলবদগী কংলৈ লমগী হান্না লৈবম্বা মশক অদু পুমওন ওনখি। লেম্লে ঙানা হান্না ৱাইকুপ চাইবগুম তাউবম্বদু তাউখিদ্রে। মখে লাংলম্বা পেঙবা কৌবা ঙা অদু মশক উখিদ্রে। ঙাৱা খৃৎপৃন খৃৎপৃন চোংলম্ববু অমত্তা চোঙখিদ্রে। ঈশিং মনুংদা লৈকুদা লৈবাযদা কাওশিঙ মনুংদা লোৎখ্রবদা বংলে লৈমাবা খাবা সোকচোংবনা মদাইবেম যোইবেন লাংকোনচম্ববু বোদনা

কংলৈ লমগী মশক ওনখিবা অসিবু কবিদগী তৌখিবনো হাযবদু মশক খণ্ডোক্লবা মঙ চঙলবাউ হাযখি। যোইবেন লাংকোনচুম্বগী খোল্লেন মঙলানচান্দা খোইমোম লাইজা ঈমাবনা নৃবা মুমশিনলাং অশীনবীনা মোম্নু মাগী চবৈ মকা ফোংবা ৱাগীবু কংলৈ লমগী মশক ওনবনি। মদু ফনবদি কংলৈ লম তাইও হাযনা মমঙদা তাক্লকখি। লম তাইবা হাযবা অসি লম ঈবাৎপবুনি।

২। হিযাঙকোই চোঙবা—মৈদিংঙুশিংনা হিযাঙগী হি তোংলবদা হি নেৎলমদাইদা অশৈবশিংনা থৌগল ঈশৈ শকপবুনি। হিযাঙকোই চোংবসি হিযাঙকোক চোংবা হাযনসু খঙনৈ।

৩। কোংবা চেঙকৃপ সীবা—কোংবা লৈথোঙ ফাৎপা শজিবু লৈথুন ফুনবগুম্বা চহীগী ওইবা লাইথৌ অমা। মৈদিংঙু লোযযুম্বনা কোংবা চেঙকৃপ শীবগী থবক হৈবাংখোংজম শাগৈবু তৌহল্লম্মী। মমৈথংদা কোংবম শাগৈনা কোংবা পূঙ লাৎপা কোংবা চেঙকৃপ শীবগী থবক তৌখি।

৪। হিচাকাং লাৎপা—নিংথৌগী হিযাঙ হিবেন্নচিংবা থমফম শংবু ঈবাৎপা।

৫। উচি লাৎপা—উচিনা মখে লাংদুনা পোৎ চৈ যাম্লা মাঙ তাক্রবদা মদু ফনবগীদমক থিংনবগীদমক ঈবাৎ থৌনি পাঙথোকপবু উচি লাৎপা কৌই।

৬। লংমাইবোল—মৈদিংঙুশিংনা ফম্বাল তোংবদা শকপা লাইশোন ঈশৈ অমা। অশৈবা শঙদা কাবা নিংথৌজা শলাইগী সিংখাম শাগৈবু মৈদিংঙু লোযযুম্বনা লাইশোন ঈশৈ অসি শকপগী মথৌ তৌহনখি।

লংমাইবোল লাইশোনদি ঃ "চিঙখোঙ যোইমাবেক্কী চালনপা। লাইবেল বাংপা মৈতিংথৌ। লোকযাই থাপা নিংথৌসুং তবামা। থমং থাপা নিংথৌসুং তবামা। যিলেম থাপা নিংথৌসুং তবামা। নিংথৌ তবামাকী মাথকতা। মযায কোযবেন তোংপা নিংথৌ। মুনু খুনঙম থেন। লাসেৎ মিংনাইপা ফানা থেন। থেনলেন নূবান যাযনে।"

৭। অহোংলোন—যাম্না লিববা লাইশোন ঈশৈ মখল অমা। মৈদিংঙু লোযযুম্বনা অশৈবা লোযশঙ কাবা খাবা ঙানবা শলাইগী থোংঙাম শাগৈবু লাইশোন অসি শকপগী মথৌ তৌহনখি। লাইশোল ঈশৈ অসি শক্কদবা মতাংদি — "পাখংবা চেঙহোঙবা, ঈকৌখৎপদা সনা লমওক শক্কনি অমসুং ঈবাৎপা থৌনিবদা অহোঙলোন শক্কনি।" — মাধব, খেলচন্দ্র ঃ খুনুং লিচৎ শাজৎ।

অমবোমদা পন্দিত যাইমা সিংহনা মাগী 'অবিবা শিন্থোং' হাযবা লাইবিক অদুদদি সনামহি চেঙহোঙবা পাখঙবা চেঙহোঙবা লুহোংবা, কথেল হোঙবা, থোং হোঙবা অসিনচি বা অসিদা অশৈবনা ঈশৈ অসি শক্কনি তবেৎ শেনফাং খিংগনি তাওবোই পং যৈগনি হাযনা হাযবি।

৮। খোইচু লমঅোক–যাম্না লিববা লাইশোন অমা। খোইচু লৈখাম মৈ থাবদা খোইচুগী মৈখু অদুবু ওকপদা লাইশোন অসি শক্কনি। মৈদিংঙু লোযযুম্বনা সবাইচম শাগৈবু খোইচু লমওক শকপগী মথৌ তৌহল্লম্মী। মতুংদা ফানামপম অমসুং যেংকোকপম শাগৈসু খোইচু লমওক শকখি।

৯। খোংচিংলোন সকপা–লাইশিংবু শগোলদা নত্রগা দোলাইদা লেঙখৎহল্লগা থৌবীনা শম্নহল্লগা চিংদুনা পুবা লাইগী থৌবম অদুদা শকপা লাইশোন ঈশে। মৈদিংঙু লোযযুম্বনা চান্দম শাগৈবু লাইশোন ঈশৈ অসি শকপগী শিন্থা পীখি। খোং চিংবা হাযবা লাইগী থৌবম অসি মোইবাংদা মখা শমথহৌবিবা অসি নত্তনা মতৈ মখ মদদি মুৎখিবগুম তৌবে। মমাঙৈদদি মৈদিংঙুশিংনা লাইগী থৌবম অসি চাং নাইনা পঙথোক্লম্মী। খুদম অমওং পল্লবদা – 'মৈদিংঙ্ শেনবী পাইখোম্বা অহোঙ খোংচিং পৃঙ হযেন লাননীগীদি হোংতং নিংথৌ কুমপাবেং ফানা পঙনে' – অহোঙপৃঙ পাললুপান।

১০। হানিং লাৎপা–হাব যাম্না কন্দনা লাবনা লাইচৎ শন্দোকবদা মদু যাওনব ঈবাৎ থৌনি তৌবা।

১১। হি লাৎপা–নিংথৌগী হিযাঙ হিরেন্নচিংবা শাবদা অমাদ হি াঙ তান্নবমদাইনচিংবদা হি অদবু ঈবাৎ থৌনি তৌবা।

১২। তৗনলেঙ কাঙলেঙ লাৎপা–তৗন বাঙ যাম্না কন্দুনা লাইচৎনি না শন্দোন্নবদা মদু চাব থোক্লবা ঈবাৎ থৌনি তৌবা।

১৩। পৃকশ্রী লাৎপা -যো পাম্লীন চানথৎ তুং। মাঙইন্না পৃং া বোন নাং অদুনা লাইচৎ শন্দোবগুনা যাম্না মাঙ তানহল্লবদা মদ যংনাদমন ইনং যে নি তৌবা। ঈবাৎ থোনিদ মাইবা শঙদা বাবা অনতাম শাগৈন তেইং হ

১৪। নোং লাৎপা–নোং চদবদা চনবা অমদি হেনমল্লবদা নো হাম্নবা ঈবাৎ থৌনি তৌবা।

১৫। বাই খোম্বা–লাইগী যেনিদা অমদি নিংথৌগী হরেম্মাশিংগী চাবোকপদা শীজিন্ননবা অশেংবা শীজিন্নদিবা বাই লৌশিনবা।

১৬। মিকোল হিহোলবা–থবায ৫ মিগা খানা ৩ মকপ খোমজিন বৌশিন্নবা লাইবোল শকপা।

১৭। নৃঙখোং নৃঙলাউপা ফাবা–নোং তাদ্রবা মতমদা নোং তাবন্নবগীদমব নোংমাইচিঙ চিঙগী চিঙদোন্দা নৈবা লাইগী শক্তি চেল্লি থাজনববা নৃঙ মচা ফাকবগা ইবিল তুবেলগী ঈশিংদা তীংদুনা থম্মী। হাযবিবা নঙ মচাশিং অসিবু নৃঙখোং নৃঙলাউবী কৌই।

নৃঙশিং অসিবু নৃঙখোং নৃঙলাউবী কৌখিবগী ৱাবী তোপ্পা লৈ। সেল্লোয লমগী নৃপী চাবোওবী অমনা লাই সোবাবেন্দা মচানৃপা ৯ পোকইনবী হাযজদনা খুবমজখি। মতম থবা লৈবগা মচা ৪ পোকপবু নৃঙ ঙাঙা

ওইনা পোক্লে। মহাক্না ঈকাইবদগী মযুম থাদোক্লুনা মচাশিংদু পুদুনা লাকপদা ইরিল তুবেল ঈশিং চাউবমদুনা লান্থোকপা ঙমদ্রে। মচাশিংদু তুবেল খোংবান্দা হুন্দোক্লম্লগা মথন্তা তুরেল লান্থোক্লুনা চৎলবদা মচাশিংদুনা কপ লাউদুনা লৈহৌখি। অদুদগী মফম অদুবু নুঙলাউবী কৌখি। খবা লৈবগা মমা অদুনা অতোপ্পা নুঙ ঙাক্তা ওইনা পোক্লবা মচা ৫ অমগা ফংজখি। মখোযবু হুন্দোক্লম্লগা মমাদুনা হান্নগী মচা ৪ অদুগী নাক্তা লাকখি। মানা সোবাবেন্দা মচাশিংদু কবন্না থাক্কদগে হাযজববদা সোবাবেন্না মখোযগী যেংদুনা মবক মবক্তা নোং তাহল্লোই খুমখি। অদুগা তাইবং মীনা নোং তাহনবীনবা কৎপা পোৎশিংদুনা মখোযগী মচীঞ্জাক ওইনৌ তাকপীখি। অদুদগী মমা অদসু নুঙ ওন্দুনা নোংমাইচিঙ চিঙগী সকং মচা অমদা লৈখি। লাইফম ওইনা ঈরাৎনখি।

লামায ১৫

১। তাংখুল সাবম পাখংবা — ৱাংখেমলোন পানথোইবীগী অনীশুবা মপুবোইবা নোংপোব নিংথৌ কাহনৌ চীংশোম্পনা মশক লোত্নুনা তাংখল হুখতোক পাখং শাদুনা পানথোইবীনা তাংখুল শাবম নুবাবী শাদনা লৌ যাল্লিডেদা লাকখিবা শক্তম। তাংখুল পাখং শাদুনা খ্বাংদা শেৎলকখিবা ফিদি ফি অদ মযুংদা পল্লপ শাংনা তাশিল্লগা খ্বাংদা যেতনা শেৎলগা ফীজীন অদ মাডদা থাদবে। নামৈ যেপতে। তাংখুল যাহবোং ফি নামিবনা লেংদা যান্দনা ইন্নফি ওইনা ফৈজে ইল্লে। মকোক্তা শক ফৈনা থেৎলে। বাশং নাসিবে হাযবদি বাশং হাযবা ৱা অদুগী উতোং মচা অমা মনাদা লেংশন্দনা চিল্লে। নাকনগা শম কোযনা কল্লে। লুবাহগী শমদা গুইবোং লুফা চিল্লে। হাযবদি বানা শানা কবাক্লা লুবাইদা থেৎলে। শডদিং লাল্লে থেল্লা হাযবদি শাপোৎ লানপোৎ শেৎলে (লীবং তেন থাঙ, তা অসিনচিংবা)। অদুগা কুবাউনা শাবা ফাল মানবা থাঙখৃমবু খাংদা কোযনা ফাবিবা যাহবীদা যাল্লদনা তাংখুল তোবো লোইখোম থাঙ মচল হাহন কৌবী মলকৌ থাঙ থাঙলেন চানী লোঙবক থাঙখৃমদা হাপ্পুনা তুংদা নামৈ যেম্পগুম যেপ্লে। অসিনি নোংপোক নিংথৌনা তাংখুলগী শক্তম লৌদনা শেৎলকখিবা ফিজেৎ লৈতেং। – পানথোইবী খোঙকুল (খুৎই)

২। সনা লিফক–মৈদিংঙু অমদি যোইবু যোইহৈনচিংবনা শীজিন্নবা ফক।

৩। হৈথম–লুৱাং শলাইগী যুম্লাক শাগৈ অমা। মৈদিংঙুশিংনা কংলা ফম্বাল তোংবা তাববদি অঙোম নিংথৌবু হান্না অঙোমগীদা ফম্বাল তোংহল্লি। মৈদিংঙুশিংনা ফম্বাল তোংবদা অশাংবম অমসুং অবাম্বন্না খোঙহাম ঈবক তৌবগুম, অঙোম নিংথৌনা মবালযাইদা ফম্বাল হান্না তোংহনবদা হৈথম শাগৈবু খোঙহাম ঈবকবগী থবক তৌহল্লি।

৪। মেল–কংলা কোনুং মনুংদা লৈবা সুবুং। মসিবু কংলা থোন তবেৎ থোল্লাংমৈ হাযনসু কৌই। সুবুং অসিগী মথক্তা ফম্বাল তোংনফম কংলা যুমজাউ শাদুনা মৈদিংঙুশিংনা ফম্বাল তোংবগী থৌবম পাঙথোক্লম্মী। নিংথৌনা ফম্বাল তোংববু মেনদা ফম্বা হাযনসু খঙনৈ। নিংথৌনা মেনদা ফল্লিঙৈদা ফম্বাল ঈশৈ শকই। মৈদিংঙুশিংগী মবক্তা কংলা থোন তবেৎ থোল্লাংমৈবু ইহান হান্না ফংদুনা মফমশিদা ফম্বাল তোংবা হৌখিবা নিংথৌদি মণিপুর ইতিহাসকী ৮শুবা নিংথৌ মৈদিংঙু লাইবেন নাউফংবনি। "লমথক সাবোনবা নিংথৌজা মমাঙকীনা কংলা থোন তবেৎপু তানফংদবিঙৈ তিংযি ৱাফোংলাক লাবা নোংলৈফম ওক্লেন লাবা খাবোনবা ফানা শঙ, কংলা থোন তবেৎপু হাননা তানফংবা মৈদিংঙু লাইবেন নাউফংবা লমথক সাবোনব ও তৌনা কৌএ।" – নিংথৌবোল লম্বুবা।

মৈদিংঙু নাউফংবা সনা হাওওগীদি হার্যবিবা মফম অসি মৈতৈ নিংথৌ পৃষ্ণমক্কী ফম্বাল তোংনফম মফম ওইখি।

৫। থমনুং চযোম থাবা–অশিবগী মংদা চাক চযোম থাবা। মসিবু পুরোয চাক থাবা হাযনসু খঙনৈ। মৈদিংঙু লোযযুম্বনা মাইবা শঙদা কাবা মোইনাং শলাইগী থমনাম শাগৈবু থমুং চযোম থাবগী মশিল পীখি।

৬। অমাইবী – মাইবী। মফম অসিদা পল্লিবা অমাইবী অসিদি শঙলেন হাযনা খঙনবা অমাইবী মখল অদুনি। মাইবী শঙ ৩ নএগা মখল ৩ গী মনুংদা খ্বাইদগী থাক ৱাংবা শঙনি। শঙলেন হাযবসি মাইবী পৃম্নগী মবেম্মা ওইবিবী মাইবী পৃম্বদগী থাক খ্বাইদগী ৱাংনা লৈবিবী পানথোইবীনা হৌদোক্লম্বনি থাজনৈ। নোংথাঙলৈমগী শাইওন ওইবিবী মাইবী পাম্লোইবীবু শঙলেন মাইবী হাযনসু কৌই। "শুরু শিদবনা লোযশঙ লিংগে হাযনা নীংলকপতা নোংলৈনা যোমতুনা পুবকএ। শঙ মওং ওইনা খিল্লবে। নোংহুমশঙ কৌএ। যাৱা কোংগোলগা লোযননা যোইবেলনা যাওবকএ হাযবগী যোইবেল লোযশঙ কৌএ। হুম কৌবা খোনচেল অসি পুবে। ঈশিং পোকখাযবে। পৃকনুংদা থা ১০ নাউপুবিঙৈগী নুংঙাইনবা থৌদি যোইবেলনা পুইএ। খোংতী মবোংখোংতা নেৎএ। তাইবংপানবা অসিবু মনুং ওইননবা মানা মানা থিবে। মাবজিঙ কৌবে। মাইবা লোযশঙ লিংলে। আোং কৌবা খোনচেল অসিবু পুবে। মৈ পোকখাযবে। শিবাইতমগী নুংঙাইনবা থৌদি মাইবনা পুইএ। খোংদি খাখোং নেৎএ। থৌবম পৃম্নমক অসিবু মশীং শুনা থোকহল্লগে হাযদুনা থোঙ্ঙাবেল কৌনা লৈবে। অশৈবা লোযশঙ লিংলে। েং কৌবা খোনচেল অসি পুবে। নোংশিৎ পো খাযবে। পোকপদগী শিবা তানবা অসিগী মনুংদা নুংঙাইনবা থৌদি অশৈবনা পুইএ। খোংতী লাইখোংতা নেৎএ।

তীন লাই, মী পোং, শা ঙা, তীন কাঙ, চীং মাল, তু খোং, পূঙলোন থেল্লোন, লযবোন নোংলোন, থৱায অচৎ অবেপ, পূন্নমক অসিগী মনুং ওইননবা তীনশোন লাইশোন, ঈবাৎ থৌনি, তেংথা নাওই, কুমহৌ থাহৌ, কুমচেন থাচেন অসি খৈবিকপু যোইবেল, মাইবা, অশৈবা শঙ ৩ মদা গুবন্না মাগী মাগী মশিল খাইবীবে। অসিগী মতুংদা নোংথাঙলৈমনা মপাল ফাওনা খঙহল্লগে হাযনা ফোংদোবক্নে। পাগ্গোইবী কৌবে। মাইবীগী মবোল তশ্বিবে। পু পাং শুহল্লে। শঙলেল মাইবী কৌবে। – মাইবগী মশিল।

৭। লৈবাই যুখাঙবা–লাই হবাউবদা পুখ্রি নত্রগা তুবেলদগী লাই ঈকৌখৎপদা ঈশিং মযাদা লাইবংথৌ ৯ লাইনুবা ৭ কীদমক যু অমদি অচা অথক কৎপা।

৮। কবোক ফামদোই চাইবা--লাইবংথৌ ৯ লাইনুবা ৭ কীদমক মথংশিংনা উতোং ৯ অমসুং ৭ যুংদুনা মদুদা যু হৈদুনা কৎলগা মাইবীনা কবোক চাইথোঙুনা কৎপা। মৈদিংঙু লোযযুম্বনা লৈবায যুখাঙবা কবোক চাইবগী মশিল শঙলেন অমাইবীদা পীবম্মী।

৯। নোংতোল অমাইপী - লংমাই অমাইবীবুনি। মৈদিংঙু লোযযুম্বনা নোংদোন অমাইবীবু লাইজা ঈবোন্নুংদা ফৃহিং লাকপা, লৌতাবা অমসুং তাংখুল নৃবাবী শাবগী শিন্না পীবম্মী। "মাইবী লংমাইনা লংমাই নৃবাবী শাগনি। উমং লাইগীনে।" – শঙ পানবগী মশিল।

১০। লাইচা ফৃহিং লাকপা–চফ অহিংবা হাযবদি মৈ ইভুবা চফৃদা পোৎ চৈ হাপ্পুনা ঈশিংদা কুল্লগা ঈব প্পুনা লাইদা কৎপবু ফৃহিং লাকপা কোই।

১১। খালনৌ লোকা তাও–মৈদিংঙু লোযযুম্বনা নোংদোন অমাইবীবু অদভৈদা পানথোহবীনা তাংখুল লৈশাবী শাদুনা লৌ যানখিবা অদুগী মতৌ তমদুনা লাই হবাউবদা তাংখুল লৈশাবী শাদুনা লোযান কৃঞ্চে পাঙথোক্লবগী শিন্না পীখিবা।

১২। তাংখুল নৃবাপাপ্ সাও–মৈদিংঙু লোইযুম্বনা নোংদোন অমাইবীবু অদৃভৈদা পানথোইবীনা খাবশিংনা খঙদনবা মশক লোঙুনা তাংখুল লৈশাবী শাদুনা লৈখিবা অদুগী মতৌ তমদুনা লাই হবাউবদা খোযখা খোযদোম শেৎ, থিকলেন থাখুম থোং, শমলাং কোইকক্লা, হাওশম তুংথাংননা তাংখুল নৃবাবী ওইনা থোক্লবা শিন্না পীখিবা।

১৩। ফৃবা যীমাইবী–মাইবী মখল ৩ গী মনুংদা অমা ওইবিবা ফৃবা হাযনা খঙনবা মাইবী মখল অমা। মৈদিংঙু লোযযুম্বনা (খৃঃ ১০৭৪-১১২২) ফৃবা অমাইবীবু ফৃবা লাইযুম হাযবদি নৃঙনা শাবা লাইশঙদা মঙ তাবগী থবক তৌহনখি। মতৃংদা মৈদিংঙু খাগেম্বনা (খৃঃ ১৫৯৭-১৬৫২) ফুবা অমাইবীবু লাইযিংথৌ নোংশাবগী থৌগল চৎহনখি।

১৪। ফৃবা–লাইগী য়ুম, লাইশঙ। থাযনা মমাঙঙৈগী কাংক্রু নৃঙনা শাবা লাইগী য়ুম। কাংক্রু নৃঙনা শাবা লাইগী য়ুমবু কাংক্রু য়ুমলেন, নৃঙ শঙ্গায়, ফৃবা লাইয়ুম হায়না কৌই। "লহান নোং লাইরেন ঙাংঙোই য়োইমোংবদা খোইমোম লাইয়িংথৌ কাংক্রু য়ুমলেননুংগী সমলাং ফায়েৎনবনা য়াওরৌ সাসিং চাম্মা সুনা পীরমঙৈ, সারেল সারেমখাকপু লৌজরৌএ। অদুনোংগীবু লোইবী লৌহোংতুং হোংতুং-ও কৌএ।" নিংথৌরোল লম্বুবা। "ৱাংব্রেনগী চীংদোন্দা নৃঙগী শঙ্গায় লৈবনে। পুখ্রি অনীসু লৈবনে।" – চীংলোন লাইহুই। "কুরু শিদবা মতিক ঙমথে নাইদবদি চীংঙু মাগী খোইয়ম ফৃবা লাইয়িমনুং নুংঙাইবা মবেপ ৱায় অমা খুদোল অহুম ৱাংবা খোইয়ম কোরৌ লনশা থোইবা কনানা চঙঙমদবা মৈ, ঈশিং, নোংশিৎ অহুম্মনা য়োইনা থৌখনফমদা মদোম তেশিনখিরে হায়দবরা?" – সনামহী লাইকন।

১৫। মাইবী শঙ অহুম–লৈবাক অসিদা লৈবল্লিবা মাইবী মখল অহুম অসি মৈদিংঙু কনাগী সনা হাক্তা খাযদোকখিবগে হাযবসি মযেক শেংদে। অদুম ওইনমক থেংলবদা মৈদিংঙু লোয়য়ুম্বগী (খৃঃ ১০৭৪-১১২২) মতমদা লৈরে হাযবসিদি ময়েক শেংলে। খুম্বোঙ মশিল হাযবা লাইবিক অদুগী মতৃংইন্নদি মাইবী শঙ ৩ অসি লাইরেম্মা পানথোইবীনা হৌদোক্লম্বনি। "লাইবেম্মা লৈমবেলনা পু পাং সুহনকে নীংলতুনা পানথোইপী কৌন' থোক্তুনা মাইপীকী মবোল তমপীবে। মাইপী শঙ অহুমমা লিংলমএ।"

মৈদিংঙুশিংনা কংলা কোনুংদা লাৎলম্বা মৈতৈগী অচৌবা লাই ৩ গী থৌগলদি – (১) শঙলেন মাইবীনা পাখংবগী থৌগল তৌগনি। (১) নোংদোন/লংমাই মাইবীনা যৃমজাউ লাইবেম্মগী থৌগল তৌগনি। (৩) ফৃবানা লাই নোংশাবগী থৌগল তৌগনি।

১৬। মঙ তাবা–খোমলেন মঙ মঙদুনা লাইগী পাউতাক লৌনবা হোৎনববু মঙ চঙবা নত্রগা মঙ তাবা হাযনা কৌই। মঙ তাবা হায়বসি মৈতৈগী ওইনদি লাইগী শঙদা নত্রগা তোঙানবা শঙ শাদুনা অশেংবা মফমদা পাঙথোক্লরম্মী।

১৭। নোংচুপ হাওরোং মাইপা –মৈতৈগী ওইবা অৰংবা ঈবাৎ থৌনি তৌবা খুদিংদা যাওগদবা মাইবা ৫ গী মনুংদা অমা ওইরিবা নোংচুপ হাওরোং মাই হায়না কৌবা মাইবা। মাইবা মঙা অদুদি (১) কোন্দে নাকথিংমাই (২) নোংচুপ হাওবোংমাই (৩) থিংকোন মবিংমাই শম্লোঙ ৱাকুমাই (৪) য়োইনৌ লাংপোকমাই অমসৃং (৫) পনম য়াংকোকমাই অসিনি। মখোযবু মাইবরোন ৫ হাযনসু খঙনৈ।

১৮। পনম লাই–অন্দ্রোদা খুবম লৈবা লাই পনম নংথৌ।

১৯। লোললৈ–মৈদিংঙুশিংনা উপ্পা লৃহুপ খজিং মকোক মানবা, হিয়াঙ তান্নবদা মৈদিংঙুনা নিংখম শমজিন চিনবগী মহুত্তা চিনবা কোক্কী লৈতেং।

২০। যেৎতুম পূমকা লাকঅো–নিংথৌগী ফুবিৎপু যেৎতুমনা তুশিন তাইশিনদুনা শেম শা ও।

২১। লু পুঅো–নিংথৌনা শিববদা ফুল্লগা কুমওন থা শুববগা মংদক্সী হন্দোক্লগা তাংজ লুবেন অদুবু শেংদোক চামথোক্লগা নুংশাদা ফৌদোক্লগা চফূদা হাপ্লগা অমুক লৈবোন চন্নবা পুবা।

২২। লু থেৎও–তাংজ লুবেন অদুবু সাকু ব্রালোংনুংদা থেৎচিন হাপচিনবগী থবক তৌও।

২৩। নোংমৈ সীঙচঙ– অখাক অবাউগা লোযননা নোংথক্তগী তাবকপা থক্কী তেন।

লামায ১৬

১। যীপুলাৎ থেল্লাৎপা–ঈশিং অমসুং কংফাল লাৎপা।

২। নাউসোঙফাল লাৎপা–নিংথৌগী হবেম্মশিংনা অঙাং উনবদা পাযননবা যান্নবা ফাল মখল অমা। অশোয অঙাম থোক্তনবা নাউশোঙফাল লাৎপগী থবক অসি মৈদিংঙু লোযযুম্বনা নাডবেম শাগৈবু তৌহনখি। মতুং কাহনথংদ নানপম শাগেনা ফাল অসিবু শাবা অমদি লাৎপগী, থবক তৌখি।

৩। লৈনং লোনচা পাখংপা–ওক শিদবগা মশা অমত্তা ওইনা লৈবিবা মাগী মচানপা লাই পাখংবা অদুমক্কি হাযনা লৌনবিবা লাইযিংথৌ তুবী যোইনোংতা নোংদা লাইবেন পাখংবা। লৈনুং লোনচা পাখংবগা নোংদা লাইবেন পাখংবগা মশা অমত্তনি হাযবসি মখাগী খুদমশিং অসিনসু উৎলি - "তুপী যোইনোংতা নোংদা লাইবেন পাখংপা লৈনুং লোনচা পাখংপা নোংতা লাই পাখং অতেংপা অচিং মীওইপা নোংথিল খোহমোম লাই ওইপাঅো কৌপা চিঙনুংসোয সোযবা তৈমা অানলক্লে। – নিংথৌবোল লম্বুবা।

তমফা নঙনা খাবা নতিক নত্তবা বাংবা নপা নত্তবদা যাংগোইকঙৈ ব্রাংঙম নঙনা লম্লেন মদাইমা মুবা লোকলেলকোন, ঙাংচেং মমবীলোক চাঙান চদুম থোং বাংদৈ হামেং চীং তনবা মুঙম থেল খোইযুম লাইচীং সোযদা লাইসনা লাইনা সাবী নোংজেং ঙাতা নোং তুবী যোইনোংতা নোংতা লাইবেন পাখংবা লৈনু লোনজা অবিববু খোনকৎলোং পজে চাবল লোং চোমলাং খোঙথিন লোং ফুমথী হামৎ লোং সংগাই তোননৌ লোং কোংযাং চেপসি লোংবু খোনকৎকে হাযনা তমফা নঙনা থৌগৎলকপদা । পানথোইবী নাহেবোল।

৪। খোঙলূপ–কাংবু

৫। লাইকি কংলা ফাললূপ–লাইগী ফমলূপ।

৬। কুবমলেল সানাইপা খীকমলেন কিংনাইপা তলতুমলেন মৈনাইপা – অতিযা শিদবনা নোংথৌ মবোল শেম্নদা শৌবা ওইনা কোযনা ঙাকখিবা লাই অহুম।

৭। মাবাচিঙ–নোংদা লাইবেন পাখংবগী নিংথৌ মঙাহবোই ফমদৌ মহীশাংশিংগী মনুংদা অমা ওইবিবা লাইযিংথৌ মাবজিঙ। মাহবা লোযশঙবু লিংখৎপীবম্বনি লৌনবিবা লাই।

৮। থংচিঙ–মোইবাং লাইজি পাংবা মাযকৈদা লৈবা মৈতৈগী অকুবা লাই অমা। লাইযিংথৌ অসিগী মতিক মঙুণবু অসুম্না শৈথানৈ – 'হাওবৈ নোংচুপ পাংবা ফেনচী নোংহুমলম মালং মথোঙচীন খমকোন মবাকচীনবু তাননা থনবা শম্লোঙ পঙমায লেম্পা কেগে লৈশাপৃঙ মোইবাং কাসাবেল খুযোন ফকতোম ফম্না থাঙঙা তোনবল নিংথৌ যাইবী পল্লোয তানবা তাখেন লাকচীন ফম্না মযাং সাকাঙ গোংবা পাঙন তম্পাক কোযবা কগে শম্লোঙ মোবিবা চা লেন নাশোম মতোংবদা ২ ফম্না থৌদ নঙলাংখভা বাঙনবা লীথিব কোনমাতেবা লীবেন কংশি নীকপা য'ওবৌ শজিতে শঙাই কোনাস শেম্না ডান খুন কোনসু শাবা থাবম মোম্মৈ ম্না হযেন চাংকাপাক ফাবা থোইবম লাইযিংথৌ। পাং থোংবী নাহেবো।।

৯ থোংঙাবেল লৈনং মে ঙ বেন হাবন কৌবা শিব োবাল নিংগ। লাইযি থো অসিব খব ম্বদা অসম্না শেখাদনা নব মে হে সিদব মপ লেনং থোঙঙাবেল মহনন ও অসিবা চাম্না নোংদম্না হুবা মা নোংখাহবা থৌথা সিনথো হৈবা অচৎবা চাম থোঙ বা শাংবা চামা থোঙ থিংবা অমন সিংকম লানলম সিনবা লাইযিংথৌ। অসিবা থোঙ থি বিও অচঙ থোঙ হা বিও হে কন লাইযিংথৌ

১০। কবি কবা নোংতমখবা নোংতমহনবা মাং শিদবনা লৈশ দ মাণী মতং পাংনবা পথোবখিবা লাই মবি।

১১। লৈসাং নোংসাতোঙ লেখামশাং নোংথোমতাং োশেমদ ম শিদবগী অশাবং। অং তান্নদনা মথোপণী পা । ওহনবা পথোকাব লাই মাব।

১২ হবা চেঙা যচেং যহা লৈশেম্বদা মতং ঙহনবা অতিংবা শিদবগী অশীবগা তান্নদনা পথোকাংবা অতোম্পা লাই মাব। লৈবাক অমবক হম্না শেম্লবদা থবানা লাইজিবম ঙ নএ চেঙান লিক্লম ডাবএ যচেংনা মেনম ডাকএ যুহানা নোংশিংলম ডাকএ। নোংদা লাইবে পাহংবনা থশাল তোংবদা লাই মবি অসিনা কং াগী শংজি মাবম া ফমদনা লেনাক নেঙদা হাহদনবা ঙাকথি।

১৩। পোহবেথৌ মৈতৈ লৈবাক্কী অঙম অথৌ পোশবে খনফাঙথৌ। থাবম অমসুং লাইফম পানাণী ফম্লাইবাশং।

১৪। তাযমথৌ–তযম লাইফাঙথৌ। নহাবপ অমসু অহল্লপ পানাণী যম্লাইবশিং।

১৫। ক্রু মাহটৌ অহুম–মাহবা লোযশঙণা পণ্ডিত অহুম। লৈবাক নিংথৌণী থৌদোক বাথোক অমদি থৌবম হদিংদা মতেং পাংলিবা পণ্ডিত অহুম।

১৬। মঙাং লুৱাং খুমন—মঙাং গুৰু, লুৱাং গুৰু অমসুং খুমন গুৰু।
১৭। মীযোক কুক—নিংথৌবু কনবা ঙম্নবা, যোকপা ঙম্নবা। মাইবা লোযশঙগী পণ্ডিত ৩ মনে লাই থাংজিঙনে, লাই মাবজিঙনে, লাই থোঙঙাবেলনে মখোয ৬ অসিবু নিংথৌগী মীযোক ৬ কৌএ।
১৮। পৃথ্নলপা নোংথোনপা—নিংথৌ পোংবা ১০ গী মনুং চনবা যাম্না মৰু ওইবা অঙম্বা ফমথৌ ফম্নাইবা অনী। নোংদা লাইবেন পাখংবনা ফম্বাল তোংবদা পৃথ্নবনা ফম্বাল খাউ পুদুনা অমদি নোংথোনবনা চিঙদুনা চপথাঙ যাইবোং ফান (নাক যেৎ অনীমক্তা থাঙ অমমম পাযদুনা থৌগল তৌবা) মৈবুল হাযজৌ থান্দুনা (মৈবানা থৌগল তৌবা) থৌগল তৌখি।
১৯। খ্বাইলাকপা নিংথৌ পোংবা ১০ গী মনুংদা অমা ওইবিবা ফমদৌ ফম্নাইবা অমা। উমংলাইগী লাইবংথৌ ৯ গী মনুংদা অমা ওইবিবা নাওকনগী মহুৎ শিনবা খুনফাঙথৌ অমসুনি।
২০। যাইসাকুললাকপা — নিংথৌ পোংবা ১০ গী মনুংদা অমা ওইবিবা ফমথৌ ফম্নাইবা অমা। উমংলাইগী লাইবংথৌ ৯ গী মনুংদা অমা ওইবিবা মুৱা নিংথৌগী মহুৎ শিনবা খুনফাঙথৌ ফম্নাইবা অমসুনি।

লামায ১৭

১। হিযাঙলোয হনচাপা— উমংলাইগী লাইবংথৌ মাবজিঙগী লাইপা ওইবিবা ফমদৌ ফম্নাইবা অমা। ফম্নাইবা অসি নিংথৌ পোংবা ১০ গী মনুংদসু অমনি। ফম্নাইবা অসিনা লাইবেন মৈদিংঙুশিংনা ফম্বাল তোংবদা লম্লেন হৌবি চিংদুনা থৌগল তৌই।
২। চোঙখানপা হলচাপা উমংলাইগী লাইবংথৌ ৯ গী মনুংদা অমা ওইবিবা লাইযিংথৌ কৌব্র গী লাইপা ওইবিবা খুনফাঙথৌ ফম্নাইবা অমা। ফম্নাইবা অসি নিংথৌ পোংবা ১০ গী মনুং চনবা ফম্নাইবনি। লাইবেন মৈদিংঙুশিংনা ফম্বাল তোংবদা ফম্নাইবা অসিনা চোঙলেন ইনাচম খানদুনা থৌগল তৌই।
৩। তবামা অসিতা মাযকৈ ঙাকপা লাই তবামানে — নিংথৌ পোংবা ১০ মক অসিদি মাযকৈ ঙাকপা লাই ১০ মক্কী ফম্নানে। মাযকৈ ঙাকপা লাই ১০ মক্কী মহুৎ শিল্লিবা ফমদৌ ফম্নাইবা ১০ মনে। মাযকৈ ঙাকপা লাই ১০ অদুদি কৌব্র থোংনাং নিংথৌ লোইযাবাকপা ইঙ্গোই নি থৌ থাংজিঙ বাংবেন উতিন উকাং নিংথৌ (লোকনিংথৌ) নোংখোংবা (পনম নিংথৌ) মাবজিঙ লৈনুং থোঙঙাবেল সোবাবেল মখোয ১০ অসিনি।
৪। নিংথৌ পোংবা তাবা — মাযকৈ ঙাকপা লাই ১০ মক্কী ফম্বাস ওইবিবা নিংথৌ পোংবা ১০ হাযনা খঙনবা নিংথৌগী খ্বাইদগী মব ওইবা ফম্নাইবা ১০। লাইবিক অসিদা (লোযযুম্না সিলযেল) পীবম্লিবা নিংথৌ পোংবা ১০ অদুদি — পৃথ্নবা নোংথোনবা খাইবাকপা যাইস্কুল লাকপা হিযাঙলোয

হঞ্জবা চোঙখানবা হঞ্জবা ইমাঙলোয হঞ্জবা, ইমিঙলোয হঞ্জবা ফমথকচা অমসুং নাইখুবাকপনি। অদুবু মথক্তা পীবিবা নিংথৌ পোংবা ১০ গী ফম্নাইবা মমিংশিং অসিগা কংলা হৌবা হাযবা লাইবিক অদুদা পীবম্বগা খবা খেন্নে। কংলা হৌবগী মতুংইন্নদি – লৈকাইবাকপা ৪ মনে শঙলেন লাকপা ২ মনে শঙখুবা শঙলাকপা ২ মনে পৃথন নোংথোন ২ মনে অসিবু নিংথৌ পোংবা ১০ কৌই হাযবি।

৫। লমমৈলাকপা–লাইফঙথৌ হাযনা খঙনবা নিংথৌগী মদাহবেম ফম্নাহবা ৯ গী মনুংদা অমা ওইবিবা ফম্নাহবা অমা। লোযযুম্বা লাইখাহন্গী খঙবদি নিংথৌনা ফম্বাল তোংবগী ফম্বালচাক্কী থবক থৌবমশিংদা হার্যবিবা ফম্নাহবা ৯ মসিসু মখোয মখোযনা পুবা তোঙান তোঙানবা শিন্থা পাঙথোকই। মসিদা লমমৈলাকপা ফম্নাইবনা মৈ পান্নবগী থবক তৌই।

৬। পৃথ খল্লাকপা ফম্নাহবা লাইফঙথো অসিনা ঙান খুনু উচেক। মথৈ বৎলা। পান্নে।

৭। খোবে ফেলন ফম্নাহবা লাইফঙথো অসিনা তোংশাংলা মনম লখ পান্নে।

৮। হইগ্রো ইলপা ফম্নাহবা লাইফঙথো অসিনা লা... হৎত্র তেন কাপএ। তেন্দোংযাঙ পুহএ।

৯। লৈচোনলাকপা–ফম্নাহবা লাইফঙথৌ অসিনা লোপাক ... হৌদি লাই তৈবনচিংবা পান্নে।

১০। কৈত্রলহংপা–নিংথৌগী কে যৌ চেঙ পাঃবগী লবোক ফম্নাহ লাইফঙথে অসিনা চেঙ পান্নে।

১১। খংতো ইলপা চয্ ঙযান থোং থকপনচিংবদি ফম্নাহব লাইফঙথৌ অসি পান্নে।

১২। লাকপলাবপা–ফম্নাহবা লাইফঙথৌ অসিনা শা যাৎপা শ পে যেংবা সে অমনা ঈবাৎলগা অয ওা খুদম্নচিংবা যেংবা শ শেম্নচিংবা পান্নে।

১৩। বোকন লইপা–ফম্নাহবা লাইফঙথে অসিনা ওক থাবা শন্দি পাঃবগী থবক তৌই।

১৪। মাপলমা অসিতী লাইফঙথৌ কৌএ – লাইবিক অসিগী (লোযযুম্বা সিলযেল) মতুংইন্না মথক্তা পনখিবা ফম্নাহবা ৯ অসিবু লাইফঙথৌ কৌই। চৈবাপকী ফম্নে যমশাং হাযবা খুৎই লাইবিক অদুদদি মখোয ৯ অসিবু কংলা লাইফঙথৌ কৌই হাযনা ই।

১৫। উমংলাই মাপলমানে–হার্যবিবা ফমদৌ ফম্নাইবা কংলা লাইফঙথৌ ৯ মা অসিগা লাইপাদি উমংলাই ৯ মনে। উমংলাই লাইফঙথৌ ৯ হাযবদি — লাইযিংথৌ হনবা মোংবহনবা খমনাংবা চাখাবা নাউকন মুবা নিংথৌ লবাং পুনসিবা মাবজিও অমসুং কৌব্রুনি। লাইস্রা ফম হাযবা অদদা পল্লিবদি মৈদিংও পাখংবনা লাইসনাগা শনাযবেন্দা হিপলিগ্রেদো

লৈনুং থাবক অশৈবনা যাহৌববু লাইসনানা লাইযিংথৌও হৌখিগনো নিংথৌ নহীশাং লৈতবিযে হাযনা থৌখাল্লবদা পাখংবনা মহাক্তগী মথও। পনখিবা উমংলাই লাইফঙথৌ ৯ মক অসি চিংথোকখি।

১৬। খুলফাঙথৌ—লামায ১৬তা খুনফাঙথৌ ৯ হাযনা পল্লবসু লামায অসিদদি — সিনাইবহনবা ঈবাৎলাঙবা ঘাঙসাহনবা কোনসাহনবা নাইফা লাকপা হিচাহনবা অহৈবহনবা খৃৎকৈবহনবা যিসাবহনবা হূইবোয হঞ্জবা হাযবিবা ফম্নাহবশিং অসিব্ খুনফাঙথৌ কৌত হাযবি। অদুবু ফল্লোন লাইগ্রা ফম্নচিংবা লাহবিক্তা পীবিবা অমদি পাক শন্না মীযাম্না খঙনবিবা খুনফাঙথৌ ৯ দি — খুবাহলাকপা ৱাংখৈবাকপা নোংথোনবা পৃম্ননবা খাহবাকপা যাইখুল্লাকপা অহল্লুপ লাকপা হিযাঙলোয হঞ্জবা অমসুং চোঙখানবা হঞ্জবা হার্যবিবা ফমদৌ ফম্নাইবা ৯ অসিনি। হার্যবিবা যম্নাইবা ৯ অসিদি ওব গী হকচাংদগী নত্রগা পাখংবগী মশাদগী চিংথোবখিবা উমংলাহ ৯ অদুনা মীদা শিন্নবা মী ফম্নাহবা খুনযাঙথো ৯ হাযবদুনি।

১৭। সললাহ মাপল যান্না ওল্লিংঙে মতমদা লেবাব অসিদা শলাহ (ড়াহব) ব যামুব থন্দা লৈতাদনা লেবম্না। অঙম তান্নবদা খাহদগী কনবা শলাহ ৭ খঙমক লেপ্তুনা লেহৌখ। মখোয অদাদ মৈতে অঙোম থাবা ঙানবা খুমন মোহবাং নুবাং অমসুং চেংলোন। মখোয ৭ অসিসু অমুক অঙম তান্নববপদা মৈতে শলাহগী মখাদা পুংশিন্দুনা অপুনবা মৈতে হাযবদি মৈতে নেশন ওইববখি।

মপানবা মৈতে নেশন অমা শেম্লবদা হান্নগী মৈতে শলাহনা নিংথৌজা পে দুনা শমদি নিংথৌগী শগি লৌথোকখবা অতে ৬ অদুনা হান্নগী শলাহগী মমিংশি দ শমথদুনা পুন্না যেক ৭ ওহনা সমাজ অমদি লাহনিঙগী লমদা লৈখি। অদুম ওহনমব যেক ৭ অসিব শলহ ৭ হ যনা হোজিকসু কৌনবি। খঙনবি। চৎনবি।

কবিং ঋদা শলাহ ৭ নৎগ্রগা যেক ৭ অসিদগী অনী অমুব চোংথোকহন্দুনা শলাহ ৯ থোকহনবসু যাওই। অদুবু লাহাবিক অসিদা (লোযযুম্বা সিলযেল) পল্লম্লিবা খুনযাঙথৌ ৯ গা পাংথক ওহ হাযবিবা সল্লাহ মাপল অসিদি তোঙানবনি। মসিদি শলাহ মখামগী মনুংদগী পাখংবনা মপু ওইবম্বা শলাই ৯ অদুবুনি। হার্যবিবা শলাহ ৯ অদৃদি — "ফানখোঙ অমা হাযগে। লুৱাং অঙোম মান্দিং মোবা চেংলৈ খাবা খুমন মোইবাং ঙানবা উবোক সল্লাই মাপল অসিগী মপৃদি পাখংবনে। — পাখংবা ফানখোঙ।

১৮। পানা—মমাঙদৈ নিংথৌ পাল্লিঙৈদদি মৈতৈ সমাজদা লৈবিবা যুম্নাক শাগেশিং হাযবদি মীযাম পুম্না অসি খাবম লাইফম অহল্লুপ অমসুং নহাকপ হাযনা মপৃঙ ওইবা কাঙব মবি থোক্না খাযদোক্লম্মী। মখোয অসিগী অমমম্ম পানা বৌহ। মপৃঙ ওহনা পানা ৪ অসিগী মথংদা অতোম্পা পানা

মখল অনী অমসু লৈবম্মী। পানা অনী অদুদি হিদাক ফানবা অমসুং পোৎশঙবা পানা হাযনা কৌই। পানা অনী অসিবু পানা খুমৈ কৌই। মৈতৈগী মীওই খুদিংমক পানা অমা নত্রগা অমগী মখাদা লৈগদবনি অমদি লৈবম্মী। পানাগী মনুং চন্দবা মীদি মৈতৈ নত্তে। কনাগুম্বা মৈতৈ নত্তবা মীওই অমনা নিংথৌগী সনা যাথং ফংদুনা মৈতৈ ওনববু পানা থোকপা কৌই। মশাগী পানা মযেক শেংদবা মীদি সনা মাঙনচিংবদা শান্ন খোৎনবা, তা খৌশাবনচিংবদা যাওবা যাদে।

পানা হাযবসি লমদা খাযবম্বা নত্তে। যূম্নাক শাগৈদা খাযবম্বনি। মফম অমত্তদা হাযবদি যূম্নাক শাগৈ তোঙান তোঙানবা মযাম পূন্না তামিন্নবা খুল নৎত্রগা লৈকাই অমদসু পানা মবিমক্কী অমদি পানা খুমৈগী মীওইশিং লৈবা যাই। যূমহোং খুলহোংবনা পানা হোংগদবা নত্তে। নিংথৌগী সনা যাথং যাওদনা কনাগুম্বা অমত্তা পানা হোংদোক হোংজিন তৌবসু যাদে। পানা অমদা লৈবম্বা মীওই নত্রগা শাগৈ নিংথৌনা অতোপ্পা পানা অমদা ওনবিবদি যাই। অসুম্না পানা ওনবিবদা খুল হোংদোক হোংজিন তৌবগী মথৌ তাদে। খুদম ওইনা মৈদিংঙু চিঙথংখোম্বনা হোংনেমশুম্বম্ব লইফম পানা ওইহনবিখি। মৈদিংঙু খুযোম্বনা নোংযায খুমন নিংথৌ পিথোন লাইবগা শওম্বুংদা লান শোক্লবদা নোংযায পিথোন লাইবনা তকশিল্লকনদা মদাইবেম হোংনেমগুম্বা নিংথৌ কনবনা মৈদিংঙুগী অশোয অচোম থোক্কনবগীদমক মৈদিংঙু ইবংঙো তাবিও নদাইবেম ঐদি খোযমা হনায ওল্লোয যামচেং হনমবু মুপোয নোংযায পিথোন লাইবগা শোক্লহে নাপে। মোম্লু তাল্লোয হব মীদি তৈবাং মচা যান তাউজিং মকং পন লেহদাম থাবুম শুহৌবে। হপাবি শাংলববদি লাইবেল্লগো থম্বিও। ইমোম ফংহনববদি তাল্লোযশিংদা চনবিও হাযজনগা লোযননা লান শোক্লদুনা লৈহৌখি। নোংযায খুমন নিংথৌগী মখুওা হোংনেমগুম্বা লোংমনখি। মৈদিংঙু খুযোম্বনা হোংনেমশুম্বগী ধাবগী মখে মনা অনা পূম্বা কোকপীখি। কাইনথংদা মৈদিংঙু চিঙথংখোম্বনা হোংনেমগুম্বা নিংথৌ কনবগী বাবা মখৈ লৌখত্তুনা মৈদিংঙুমাগী পানা ওইবিবা লাইযম পানাদা তিলহনখি।

বাফম অমনা খুবাই বাংখৈ খাই অমসুং যাইস্কুল হাযবসি লৈকাই মবিগী মমিংশিংনি। পানা নত্তে, অদুম ওইংনক কনাগুম্বশিংনা খুবাইদি লাইফম্নে ব্রাংখৈদি খাবম্নে অসিনচিংবা হাযবা অমদি ইবা থেংনৈ। মসিগী মহওা খুবাইলাকপদি লাইফম্নে। বাংখৈবাকপদি খাবম্নে খাইবাকপদি অহল্লূপনে অমসুং যাইস্কুল লাকপদি নহাবপনে হাযগদবনি। মবমদি খবাই হাযবা লৈকাই অসিদা পানা মবিমক্কী অমদি পানা খুমৈগী মীওইশিং নৎত্রগা শাগৈশিং লৈবা যাই। খুবাইমচা পুম্বা লাইফম নত্তে। অদুগা খুবাইলাকপা ফম্নাইবদি লাইফম্নি। অতৈ লৈকাই অহমগীসু অসি মঙাং।

খৃঃ ১৮৯১ দা বৃটিশনা মণিপুর লৌখিবদগীদি লমদা ওইনা খাযদোকপা অনৌবা পানা মখল অমা হৌদোক্লুনা পানা মঙা লৈখি। পানাশিং অদুদি লাইফম, খাবম, অহল্লুপ, নাহারূপ অমসুং ইমফাল পানানি। অনৌবা মখলগী পানা অসি লমগী খাজনা খোমগৎপা অমদি লৈঙাক শাসন তৌবদা খুদোং চানবগীদমক বৃটিশ সবকারনা শেমখিবনি। ইনিংথৌশিংনা যাৎলম্বা ইম্ফালগী লম মথৈবু ইম্ফাল পানা কৌখি। অদুগা লৈহৌরিবা লৌরায়গী লম পুন্নমকপু শরুক মবি থোক্লা খাযদোক্লুনা হান্নগী পানা মরি অদুগী মমিং অদুবু লৌদুনা লমদা ওইনা খায়বা পানা মবি শেমখি। ইম্ফাল মনুংদা লৈবা লমগী খাজনা পুম্না ইম্ফালদা থীহনখি। লৌরাযগী পানা মবিগীদি লাইফমগীনা থৌবালদা, খাবমগীনা ইবিলবুংদা অহল্লুপকীনা লম্যাংদোংদা নহারুপকীনা লমশাংদা লৌবংশঙ থমদুনা প্রজাশিংবু লমগী খাজনা থীহনখি।

অদুম ওইনমক সমাজগী, লাইনিঙ লীচৎকী অমদি অতৈ লাৎকা ওইবা খনক থৌনম খুদিংদদি মমাঙগী মৈদিংঙুশিংগী সনা হাওজগী চৎনবক্ননা যুম্লাক শাগৈদা খাযবা পানাগী মওং অদু কাখৎনদনা মখা তানা চৎনবকখি। মনিং মথা তম্না পাল্লিঙগী মৈদিংঙুশিংনা যুম্লাক শাগৈ অমগী পানাব শংগোম্পা পানা অমদা ওন্থোং ওনশিং থবা লৌবিবম্বতম বৃটিশকী মখাদা পাল্লম্না মহারাজ চূরাচান্দ সিংহস যুম্লাক শাগৈ থবগী পানা তোংদোক তোংজিন তৌবিবম্মা। খুদম ওইনা পাল্লবদা শ্রীযুৎ মহারাজনা মবুধৌ হনংঙে। মোইরাং নিংথৌ পাঙ্গিং মচৌবদা হাযদোবখি। পানমদি লোংখোনবম চিংনাং খোংনা থবা লবাং হনবা কুমুদ শেলুংবগী থাব নামান্দ চেংবা চৈতেন্য অচৌংমচা অসি পুন্নমক হিদাকফানবদগী অহল্লুপ পানা ওইহনখি। মসিগী মতুং চাথবকপদা শ্রীযুৎ সনা যাম খুরাই কোংবা লাইশ্রম লৈকাইদা লৈবা হাওঙলম্বম তোম্বা সিংহ লেঙ্গোবরু পোৎশঙবা পানাদগী লাইফম পানাদা ওনবিখি। মাযুৎনা চবপ্রম খুরাই তাবা কোমান্দ পিবগী শাগৈবস খাবম পানা ওইহনখি। মহারাজনা পানা অমদগী অমদা ওনবিখ্রবা শাগৈশিং মীওইশিং অসি পানা হোংলে হাযদুনা মখোযগী হান্নগী লৈমম থবাই থাদোক্লনা খুল হোংগদবা নত্তে।

লামায ১৮

১। কোনসাহলবা–লৈনুংদগী থোকপা ধাতুনা শাবা পোৎকী মথৈ পান্নবা যেংশিনবগী থবক তৌবা ফম্লাইবা অচৌবা। ফম্বাল তোংবদা নিংথৌগী লুহুপ লোল্লে লৃথক, খোঙজি নাশিনচিংবা শাদুনা মহাক্লা কৎকনি।

কোনশঙগী মশিন্দি সনা, লুপা কোবি, পিথাই, কোনাঊৌ, মিশি, সনা খুদৈশেন, ক্লাশেন, ক্লাগোক খুজি, চোম্মায, নাযিন, থবাক লিক্লোন

অসিনচিংবা শাবগী মথৈ মখোয়না শেম শাগনি। খূদোপ পরৈ, খূৎতাং, তানচপ, খোঙশি, নাশি খৈবিক শাগনি। — শঙ পানবগী মশিল।

২। হিচাহলপা–হি শানবা উ য়ানবা, হি শাবা, উদা হত্তুনা অয়েক অখোৎ লৈতেং, ফানশাং লৈমায় অসিনচিংবা শাবা পান্নবগী থবক তৌবা ফম্নাইবা মকোক।

হিশাবগী মশিন্দি সনা হিরেন য়ানবদা শীঙজঙ হান্না থাগনি। হাঙমৈ শীঙজঙ য়ানবা, উ ককপা, ইবেম্মশিং য়োইবু য়োইহৈ পূন্নমগী তবেং শাগনি। লাইগী তীনগী কংলাগী শঙকুপ লৈমায় য়ানগনি। খামেন চম্পা, লৈ চম্পা অনীমগী উচপ যানগনি। — শঙ পানবগী মশিল।

৩। খ্বাইলাকপা–কংলৈগী লৈকাই মরিগী মনুংদা অমা ওইরিবা খ্বাই লৈকাইগী লাকপা ফমথোন পায়বা ফম্নাইবা অচৌবা অমা। খ্বাই হায়বা লম অসি পানা নত্তে। লৈকাই অমগী মমিংনি। খ্বাই লৈকাইদা পানা মরিগী মী, যূম্নাক শাগৈ লৈবা যাই। অদুগা খ্বাইলাকপদি অহল্লপ পানাগী ফম্নাইবনি। ফম্নাইবা অসি খ্বাই লৈকাইদগী মীনা ওইদবা য়াদে হায়বা লৈতে। ফম্নাইবা অসি চৈরাপ্তা অঙোম নিংথৌগী যেৎলোমদা ফম্মী।

৪। য়ীলাৎলাঙবা–ঈশিং মাইশিংনচিংবগী থবক পান্নবা য়েংশিনবা ফম্নাইবা অচৌবা অমা।

৫। সিনাইপাহলপা–শিন্নাইবা শঙলেনগী মকোক ওইবিবা ফম্নাইবা অচৌবা অমা।

শিন্নাইবগী মশিন্দি লমজৈ হুমাই শাবা, চোমং খবাই শাবা, খূবোময়াই শাবা, খূদাংয়াই শাবা, য়েংখেন খেরুক শাবা, চম্পা, যেন্দায়, চেঙজামলূক শাবা, শিয়াইরূক শাবা, ফিয়ারুক, মিতম শিয়াইরুক শাবা, লী ইৎপা, খরাই শাবা, লোললৈ, লৈবেন লৈচাউ, লুবেন লুথক ৱাকলৈ তোনচেপ শাবা, মৈহুম উতোংগী য়েন্দু ফাবা, কাইরেন কাইজাউগী, কাংগী লী ইৎপা, খোইবু তোনচেপলৈ, যাকু লুবাক শাবা, দোলাই লী লোনবা, তাঙবল লোনবা অসিনচিংবা — শঙ পানবগী মশিল।

৬। ফিসাপাহলপা–চরৈ ফিশাবশিংগী মকোক ওইবা ফম্নাইবা অমা। ফিশাহনবনা ৱানফক তাচিলনচিংবা নিংথৌফিগী মথৈ শাদুনা কৎকনি।

ফিশাহনবনা মায়মু তোমশোন, ফিরেল কৈশা, ফিঙাঙ ফৈজোম, ফিয়াই নীংখম, লংদোমফি, ফিবেল, ফুরিৎ যারোং ফানিক, কাৱং কানক, খৌচোন ফুরিৎ, ফিরেল কানক, লমথাং শারোঙ, ফিমু খাওন, কৱং খ্বাঙনপ, থবাক ঙৈথোম অসিনচিংবা থাগনি পান্নগনি। — লোয়য়ুম্বা লাইখাই।

৭। ৱাংখৈলাকপা–কংলৈগী লৈকাই মরিগী মনুংদা অমা ওইবিবা ৱাংখৈগী লাকপা ফমথোন পায়বা ফম্নাইবা অমা। খাবম পানাগী ফম্নাইবা অসি লাঙজৈ ফল্লিবা অঙোম নিংথৌগী ওইদা ফম্মী।

৮। খূৎহৈপা হনচাপা - খূৎহৈবা শঙগী মকোক ফম্নাইবা। নিংথৌনা ফম্বাল তোংবদা মহাক্না লাংমৈ পূংলেন অমদি মেল পান্নগনি।

খূৎহৈবগী মশিন্দি লীকং ইৎপা, তেন্না চনবা, তাখোক চুম্বা তেঙনা হুমাই শাবা, তোংজৈ উতোং যেকপা, লেপখন হুমাই যেকপা, হি যেকপা, দোলাই যেকপা, পাঙনতেম যেকপা, মেনগী সিঙ্গাসোন যেকপা, লাইগী আসন যেকপা, তৱোৎ তমং শাবা, নাচৈ যেৎপু ইৎপা তেম ইৎপা পজেং ইৎপা তুম্বা উতোং মচীন তেম্বা, আবঙ্গি অকৱা, সত্রগী মব শাবা যাৎপা, চামু ওনবা চা ওনবা চা তৈবা, চমেন হিংঙোন তকপা তৈবা অবাম্বাই শাবা চনবা, তেন চনবা, পজেং ফিবান ইৎপা, শঙ্গায থৌগল ইনগনি। সনা লুপকনি। শমজিন উকং শাগনি যৈনফক চপ্পা লম্নখোক চুম্বা, লাংমৈ পূংলেন মখোক সনা লুপকনি - শঙ পানবগী মশিল।

৯। থাঙসাহলপা—থাঙ তা চূঙ তেন অসিনচিংবা শাবগী মকোক ওইবা অচৌবা ফম্নাইবা অমা।

থাঙজবগী মশিন্দি থাঙ যোৎ তেন তা শিঙজঙ চূঙ হাঙমৈ হৈজ্রাং কাতি যোৎনা শাবগী মখৈ মখোযনা শাগনি। থাঙ্গনি। সনা খোঙলেঙলবদা নূঙথং চেগপ মৈহুম উতোং নওযাল পুদুনা থৌগল হনগনি। - শঙ পানবগী মশিল।

১০। যাইসাকুল লাকপা—কংলৈগী লৈকাই মনিগী মনুংদা অমা ওইনবা যাইস্কুল কৌবা লম খদুগী লাকপা ফমথোন পাযবা ফমদৌ ফম্নাইবা অচৌবা অমা। নহারব প পানাগী ফম্নাইবা অসি লাঙক্লে ফম্লিবা অঙোম নিংথৌগা ওইথংনবোমদা ফম্মী।

১১। অহৈপা হলচাপা- অহৈপা হঞ্জবা কৌবা ফম্নাইবা অসিনা নিংথৌনা ফম্বাল তোংবদা খোঙহাম শেল খুজাই চেংকোৎ পথম শেলবূঙ শেংলমন নাতী কৎকনি।

অহৈবগী মশিন্দি কোন্না হৈবগী মখৈ শাবা কোনমি তম্বা লৈমি তম্বা অসিনি।

১৩। হূইবোয হনচাপা -হুইবোযগী মকোক ওইবিবা অচৌবা ফম্নাইবা। হুইবোয হাযবসি বৈ চনবদা শানম খঙবা কৈ লৈফম তাক্লবা অকন অথৌশিংগা লোযননা চংবা মীনি। হুইবোয হাযবসি বৈ অদুগী মমা মপানি হাযরে। হুইবোযদি কৈনা শোক্লে। মানা কৈ থেংনববদি নচিঞ্জাক পুবক্লে চা-ও হায। অদুগা হূইবোযনা লোযন্না কৈবন্দা চঙলবদা মহাক্না মফম অসিদা লৈযু লেপঙউ হাযবা মফমদুদা লৈববদি কৈনা শোক্কল্লি। অদুনা মানা লৈযু হাযবা মফম অদুমক্তা লৈতনা খবা চৎথোক্লগা লৈনৈ।

কৈ অদু ফাদুনা শিববদা হূইবোযনা মখাগী ৱাহৈশিং অসি হাযদুনা তেংথাদুনা কপকনি - "ইপাগী ইবুংঙো নঙবু মীগী শা শল মী চাব গনু

মীগা মপোৎ শোকেউগনু হাযবা যাদদুনা নঙ হৌজিক শোযববনিদো তৌগনু হাযবা যাদবনা, অসুম থোকইবনিদো।"

হূহবোযগী মশিন্দি কৈনা চাবা যেংগনি। শানি মীনি যেংগনি। কৈ ওইববদি শা থেমগনি। মাগী থোঙ্গুন থিগনি। লৈবে লৈতে মখোযনা তাক্কনি। কোযববগা বৈখোন পীগনি। ফাহিল্লবদি মখোযনা কপকনি চেংখাগনি। — শঙ পানবগী মশিল।

হূহবোধ হনচাপানা হূহবিন থৎপা হূহপৈ যেংবা হূহ পান্নবগী থবল্লচিংবসু তৌহ।

১৪। নাহফালাবপা—লৈবাক নিংথৌদা নাহি পাবা শল পাবা অসিনাচিংবগী মথৌ তৌবা ফম্নাহবা অচোবা অমা।

১৫। নাহিখ্লাকপা—মানাহনাচিংবা যেংশিন খোৎচিনবগী ধবব তৌবা ফম্নাহবা অচোবা অমা।

১৬। পোহবেথৌ খনফাঙদে [illegible] নাহফাঙথে [illegible] মনাহ হঞ্জবগী থা[illegible] লেবা পানা মবমনা ফমদে ফম্নাহবা [illegible] অপনবা মনি। [illegible] পুম্বনু খঙনবা মা[illegible]। মখোযশি অসিন [illegible] সু [illegible]। পোহবে খু[illegible] থাঙথৌ বোবদি খাবম লাহফম্নু [illegible] এ। [illegible] কৌবাদি নহাবপ অহল্লপ কে এ। — ফমশোন।

বাংঙম নাহফাঙথৌ হাযবগা [illegible] নাহফ ঙথৌ [illegible] অমঙনি। [illegible] হাযবগাসু [illegible]। অহল্লপ [illegible] নহাবপ পানাগী ফমদে ফম্নাহবা হঞ্জনশি [illegible] পোহবে [illegible] পোহবে [illegible] অম [illegible]। খাবম অমসুং লাহফম পানাগা ফমদো ফম্নাহবা হঞ্জনশিংবু খঙনব মমিংনি। অসুম্না খঙনবিবা অমদি কৌনবিবগী মবমদি খাবম পানা অমসং লাহফম পানা অনীবু শৃম্না খুঞ্জা কোবা অহল্লপ পানা অমসং নহাবপ পানাবু পূন্না নাহজা হাযনা খঙনবদানি। খাবম লাহফম অনীমদি খঞ্জা কৌএ। অহল্লপ নহাবপ অনীমদি নাহজা কৌএ। — ফমশোন।

১৭। নূঙ পুপা তবামাপললনে—পানা ৪ গী ফমদৌ খুল্লাকফম ৩২ গী মনুং চনবা ফমদৌ ফম্নাইবা ১৯ বু নূঙ পবা ফম্নাইবা ১৯ হাযনা খঙনে। মখোযশিং অদুদি ফমদৌ খুল্লাকফম ৩১ গী মনুংদা যাওবিবা খুহুদগী মকওহবা নিংথৌ পোংবা ১০ হাযনসু খঙনবা ফম্নাইবা ১০ গা লাহফঙথৌ ৯ থনা খঙনবা যাম্না মকওহবা ফম্নাইবা ৯ অদুগনি। নিংথৌ পোংবা ১০ মনা নূঙ ১০ মক কোন্নযে। কংলা লাইফঙথৌ ৯ মনা নূঙ ৯ মক কোন্নযে।

চৈবাপকী যম্বৈ ফমশাং। মবম অসিনা নিংথৌ পোংবা ১০ গা কংলা লাইফঙথৌ ৯ গবু শৃম্না নঙ পুবা ১৯নে হাযবনি।

১৮। হিতং–হঞ্জবা ফম্লাইবগী মথং খনবা ফম্লাইবা।
১৯। পৃখ্রল হিতং–পৃখ্রনব কৌবা অচৌবা ফম্লাইবা অদুগী মথং খনবা ফম্লাইবা।
২০। নোংথোল হিতং–নোংথোনবা কৌবা অচৌবা ফম্লাইবা অদুগী মথং খনবা ফম্লাইবা।
২১। খ্বাই হিতং–খ্বাইবাকপা কৌবা অচৌবা ফম্লাইবা অদুগী মথং খনবা ফম্লাইবা।
২২। যাইসাকুল হিতং–যাইস্কুল লাকপা কৌবা ফম্লাইবা অচৌবা অদুগী মথং খনবা ফম্লাইবা।

লামায ১৯

১। হিতং ফম কুনথানিথোই- হঞ্জবা ফম ৩২ গী মথং খনবা হিদং ফম্লাইবা ৩২বুনি।
২। লূপলাকফম -হিদং ফম্লাইবা ৩২ বু লূপলাকফম কৌই। লূপলাকফমগী ফমফমদি থুম্লাকফম্না ফম্বা মতুংইন্না ফমগনি।
৩। লাইযিংথৌ মুংযামপা–খৃঃ ১৫৬২ দগী ১৫৯৭ ফাওবা পানখিবা মৈদিংঙু মুংযাম্বা। মৈদিংঙু অসিগী মমিং মুংযাম্না কৌদবিঙৈদা থাংবাই নিংথৌ কিযাম্না কৌবম্মী। হৌজিক্কী ঔৱা লৈবাক্কী মনুংদা লৈখ্রবা মুংখোং মুংযাং হাযনা কৌবা নিংথি তুবেল লাম্লোক্লগা নুমিৎ হুন্নি মবিনিমুক্কী লম্বী চৎলগা লৈবা লম অদুদা লান্দাদুনা লানঙম ফীবান থেৎখিবগীদমক মৈদিংঙু অসিগী মমিং মুংযাম্বা কৌখি।
৪। লাইযিংথৌ কপোমপা- খৃঃ ১৫২৪ দগী ১৫৪২ ফাওবা পানখিবা মৈদিংঙু কবোম্বা। মৈদিংঙু কবোম্না মবুথৌ কিযাম্বা শক্তিগী মণিপুবগী লম ওইদুনা লাকবা হৌজিক্কী ঔৱা লৈবাক্কা মনুংদা লৈখ্রবা কবো তম্পাক্কী বালে হাযনা কৌবা লম অদুগী নিংথৌনা লান হৌববপদা বালেদা লেংদুনা লালহৌ ঈবাং অদুবু লাকশিন্দুনা কালে নিংথৌ রাংপন লাকপবু ফাবকখি। তখেল লৈবাক্কা লান্দাবকপদা মৈদিংঙু অসিনা লোল্লোই লৈমতান্তা লাম্লেংনদুনা তখেল পনচোম লান্চিংবনচিংবা ফাহৌখি। মৈদিংঙু কবোম্বনা মৈতৈ লৈমা থিংবা ঙম্বীদা লাই ঈশিং চাইবা পোকখি।
৫। পাউনমতা যুমতাখিযে–লাইযিংথৌ ঈশিং চাইববু শঙদুনা লাৎলিবা নিংথৌজা শলাইগী পাউনম শাগোৎদি মৈদিংঙু হেমদৌ ইবানথাবনা অঙোম চনু হেমখুঙম্বী পান্নদুনা পোকপা চকলাই হোঙখুঙম্বগী ঈনি। "চকলাই হোংখুঙম্বগী ঈদি পাওনম তোমাগী ঈ লাইযিংথৌ ঈশিং চাইবা শঙবা নাগা মপান তাবা কৃতিসিং মযুম্লে।" — শঙ্গায ফম্মাং।
৬। লাইযিংথৌ খাকেমপা–খৃঃ ১৫৯৭ তগী ১৬৫২ ফাওবা পানখিবা মৈদিংঙু খাগেম্বা। নিংথৌ অসি শা লান অমদি শাথেং লাম্লেংনবদা মশৃ ইবংঙো মৈদিংঙু পামহৈবমক্কী মতিক মগুণ মথৌনামক যৌদ্রবসু কবোদা লান্দাদুনা

অমদি থো নাং মযাং অমসুং মুসলমান লান্দাবকপশিংবু মাযথিবা পীথিবা নিংথৌনি। অদুম ওইনমক মযাংনা হৌজ হৌজ অহুল্লক লান্দাবকপদা অনুক্লা মযাং নিংথৌনাইদা অমুক্লা সেত্তাদা অনুক্লা মোংবহনবদা থৈদুনা লৈখি। অমবোমদা লৈবাক খুন্নাহগী চাউখৎ থৌবাং মৈতৈগী লাহনিঙ লীচৎ মহৈ মশিংনচিংবা শেমগৎ শাগৎপগী হীবম কযামুক্তদি লৈবাব অসিদা পানথিবা মৈদিংঙু শিংগী মন্ংদা থোহদোক হেন্দোন্না। শিঙথানি ঙাহ ঙহববা নিংথৌনি।

৭। তাহপ থাহপা পোকযে খোহমোম লাহযিংথো অবা (অবাংবা নো দোন) [illegible] লাহমখোম্না (লাহযিংথৌ যাল্লৌখোম্না) কৌবা লাহযিংথৌনা চিঙঙু [illegible] অবব মডন অচোববু তাহবপানবা অসিদা শানবে ংদুনা [illegible] মৈদিংঙ শেনবা খপোম্না অমদি মশানৌ মৈতে [illegible] বোবৈ [illegible] খিল চাহবা [illegible] পাকি সনা [illegible] তাহবং থাহ [illegible] থা। [illegible] গোনগে [illegible] পোাবা [illegible] হবম্রে। অদগী তাহব থাহবা [illegible] লাহদা [illegible]।

৮। [illegible] খাদোবা [illegible] থাদোকখিব

৯। কা [illegible] ফাওবে লাহবে [illegible] থাদে [illegible] সনা [illegible] শানযে [illegible]

১০। লাহশ্রম [illegible] খুমননি থে পূর্ণাসবা খুবেচনবনা [illegible] চন [illegible] পান্নদুনা পোর [illegible] থংবুহনবগী [illegible]।

১১। লাহশ্রম্ন যাযে — বাবাথো [illegible] লাহশ্রম্না চিঙঙু বাবাথোং লানপব লাহুবে

১২। সনামহানে লাহাংথে সনামহানে। লাহবে। মৈদিংঙু থাগেম্নগী মচা সন [illegible] ওহনা তাহব দা পোবে হাযবগী তাহব [illegible] বেখিবা [illegible] নামহানে। লাহাংথৌ যাল্লৌখোম্নস চিঙঙু ব [illegible] অশাবস লাহযি থো সনামহীগা অনওনে।

লাইরেন মৈদিংঙু খাগেম্বনা চিঙঙু তাইবং খাইবা লাইয়িংথৌ সনামহীগী মুর্ত্তি হৈদুনা ঈরাৎপা হৌদোকপীরম্মী। অদুগুম্বা লাইয়িংথৌগী মুর্ত্তি অদু মাঙখিবদগী মশূ ইবুংঙো মৈদিংঙু চরাইরোংবনা (খৃঃ ১৬৯৭-১৭০৯) অমুক হন্না লাইয়িংথৌগী মুর্ত্তি হৈদুনা লাৎখি। অদুম ওইনমক মৈদিংঙু অসিগী মচা ইবুংঙো মৈদিংঙু পামহৈবগী (খৃঃ ১৭০৯-১৭৪৮) সনা হাক্তঙা শিলোত্তগী শান্তিদাস গোষাই কৌবা রামান্দি ধর্ম্মা শন্দোকপা লাকখিবা লম্মোইবা অদুগী খুজিন থৌরাঙদগী লাইয়িংথৌগী মুর্ত্তি অদুবু য়াম্না তৌহৈদবা মওংদা মাঙহনখি। লাইয়িংথৌগী মতিক অচৌবা মঙন অরুববু কোন্না খঙজরকপদগী মৈদিংঙু পামহৈবনা লাইয়িংথৌগী মুর্ত্তিবু অমুক হন্না হৈদুনা লাৎচখি। মৈদিংঙু পামহৈবনা লাৎলম্বা লাইয়িংথৌগী মুর্ত্তি অদু মশূ ইবুংঙো মৈদিংঙু চিঙথংখোম্বা সনা হাক্তঙা ঔরা লানগায়বদা মাঙখ্রবদা, মৈদিংঙু চিঙথংখোম্বনা অমুক হন্না হৈদুনা লাৎখি। লাইয়িংথৌগী মায়থোং সনা তোম্পদা ঔরা লানগায় তোয়মনবদগী পৃক্লিঙ থুংনা সনা হাপচবা ঙজখিদ্রে হায়না মৈদিংঙু চিঙথংখোম্বনা মখায় নুংঙাইতনা শোল্লম্বদগী মচা ইবুংঙো চৌরজিৎ সিংহনা নিংথৌ ওইরবা মতমদা মপাবুংগী য়াথং ঙাক্তুনা লাইয়িংথৌগী সনা মায়থোং অমুক হন্না তোপখি।

১৩। লাইস্রমতা লাই মনাই ওইগে পীরমহে – মৈদিংঙু খাগেম্বনা কারাথোং তাবা লাইশ্রম্ম চিঙ্গু কাবাথোঙ লাকপগী (চিঙঙু তাইবং খাইবা) থৌগল তৌ হায়না থৌজানবীবগে।

১৪। নোংসাপাত্রা – চিঙলেন নোংতাই নিংথৌ থোংনাং লোইজাখোম্বা হায়নসু কৌবা লাইয়িংথৌ নোংশাবা।

লাইয়িংথৌ নোংশাবনা চিঙ্গু মাগী মকাইফম কংলৈ পুঙময়োন্দগী চিঙ অমসুং তমগী মথম কন্নদা মথং মথং শানগন্দুনা নুংঙাই য়াইফনবু কৃবিরল্লগা মমৈথংদা মোইনাং লমদমদা লৈরখি। মোইবাংদা লৈরবদা মোইরাং চাকহোঙ ঙাহোঙদুনা য়াম্না নুংঙাইখি। তাল্লক অদুদা মৈদিংঙু খাগেম্বগী মদাইবেম য়ুম্নাম তোনবা মায়চৌগা মুংয়াং ঙাইরাংবগা মথোয় অনীনা তোনবগী মরুপ মোইবাং শাথি মায়চৌগী মরান য়ুমদা অহিং লেক্তুনা লৈরুবদা শাথিগী লপলেন কাদা থল্লম্বা লাইগী চরৈ য়ুথলবু অহিংদা হায়গৎলুবদা লাইয়িংথৌনা নুমিৎ লীশীং থোকপগুম উহল্লরুবদা খোইয়ুম মাবু চরৈ নাহোং শাদুনা পোরগা অহিংদুমক্তদা লোক্তাক ঈয়ায় খায়না হিদা পুরক্লবা মতুংদা লাইরেন মৈদিংঙু খাগেম্বদা কৎখি। লাইরেন মৈদিংঙুনা খোইয়ুম মাগী মকাইফম, চিঙ্গু মাগী মরৈনেৎ, চেংলৈ লম্মহন্দা শঙ্গায় মথোল মঙা শাদুনা লাৎখি।

চকপ্রম অমসুং লাইথংবম যূম্নাক অনীবু লাইবেন মৈদিংঙু খাগেম্বনা লাইযিংথৌ নোংশাবগী থৌগল তৌ হ যনা থৌজানবীবম্মী। লাইবেন মৈদিংঙুনা লাইথংবম মচা স্নবোকপু চযোল খুদিংগী যুমশকৈশা নুমিৎ খুদিংদা লূক হৌহন্দুনা লাইযিংথৌদা কৎপা হৌহনখি। মদুগী হৌনা নিংথৌ মবোল খুদিংদসু লাইথংবম যূম্নাক্তা লূক হৌদুনা লাইযিংথৌদা কৎপগী থবক মখা শমথবকখি। মহারাজ চুরাচান্দ সিংহগী সনা হাক্তুদি স্নবোক্কী চাদা নাউদা লাইথংবম দূর্গনা লাইযিংথৌ নোংশাবগী থৌগল তৌবম্মী। যাম্না লিববা মতমদগী হৌনা লৈবাক অসিদা মাইবী খুৎপু ৩ থোক্লা লৈবকই। মখোযশিং অদুদি শঙলেন লংমাই অমসং ফুবানি। লাইবেন মৈদিংঙু খাগেম্বনা ফুবা হার্গিববা মাইবী খুৎপ অদুব লাইযিংথৌ নোংশাবগী সেবা তৌহনখি।

ব্রাফম অমনা লাইযিংথৌ নোংশাববু কংলা শা ওইনা উৎনবা হোৎনবা মীওইসু লৈ। মসি যাম্না তোহৈদবা থবরি। মৈতৈগী যাম্না মব ওইবা লাহু খমা ওইবিবা লাইযিংথৌ নোংশাববু খুদোংযনবনি। কবিতন্স্য হীনম অমওদা লাইযিংথৌ নোংশাবগা কংলা শাগা মবী লৈনদে। অশিংবা অখণ্ড অহৈ পূন্নমক্রদি ইখণ্ড খণ্ডনববা বাফন্নি। লাইযিংথৌ অসি মৈদিংঙুশিংনা কংলা কোনুংদা লাৎপা মৈতৈগী অচৌবা লাই ৩গী মনুংদা অমনি। অতোপ্পা

শান্তিদাস গোষাই মৈদিংঙু পামহেবা সনা হাক্তা (খৃঃ ১৭০৯ ১৭৪৮) শিলোৎকী নবসিং টিল্লা কৌবা মফমদগী মণিপুরদা হিন্দু বামান্দি ধর্ম্মা শন্দোকপা লাকখিবা লম্লোইবা (মোঙ্ক) অমনি। মহাক লাত্রি ঙৈগী মমাঙদা মৈদিংঙ পামহৈবদি হান্নগী অবিবা মৈতৈ লাইনিঙ নীচৎ অমদি মাইবা মাইবীশ গা লাইবাৎ তীনলাৎশিং পাম্লগু দুনা খৃঃ ১৭১৭ ত্রা ৩ব গোপালদাসকী চৈতন গৌবিযা ধর্ম্মা লৌখি। সনামহী লাইকন মিযাৎ অমদি অতৈ লাইবিকশিংদা খণ্ডবদি মৈদিংঙু পামহৈবনা গৌবিযা ধম্মা চৎলবা মতুং ইকুই কুইদনা শান্তিদাস গোষাই মণিপুরদা লাকখি। খৃ ১৭২০ গী ৫ ঙা থাদা গোষাই অমনচিংনা ১১ থোককএ হাযনা চৈথাবোল কম্প্রবদা চল্লন্নিবা ঐসদা থাওবিবা গোষাই লুচিংবা অসি শান্তিদাস গোষাইনি। গোষাই অসিনা থুংলববদা মঙোন্দগী বামান্দি ধম্মগী নূপা থোক্লবা নীতিনচিংবশিং তাকদবদগীদি মৈদিংঙু পামহৈবনা গোবিযা বৈষ্ণব ধম্মবু থাদোক্লনা বামান্দ ধর্ম্মা লৌখি। "গৌবিযা লাইবল্লেনবু ওইনবিবা শ্রীগুব গোপালদাস বৈবাগ্য অথোইববু তাংজা লুদা থোংনা পুবম্লবগা শান্তিদাস বৈবাগ্য অথোইবগী সনা মখোঙখাদা তাবক মন্ত্র অববব্ু লৌবনা হিন্দু আচাব মবল্লেন ক্ষেত্রি মবমচৎপু উনবি পূক্নীং থুংনা তানফংজবে।" – সনামহী লাইকন

মৈদিংঙু পামহৈবনা গোবিযা বৈষ্ণব ধম্মা চৎপিদ্রবদা অমদি মাগী গুরু ওইবিদ্রবদা গুরু গোপালদাস ঈকাই ফাবক খুম্নদ্না খৃঃ ১৭২০ গী

অনী অদুদি লইখযিংথো পাখংবা অমসুং খুমজাউ লাইবেম্মনি লাই অহুম্মকসি তোঙান তো[illegible] লাইশঙ শাদুনা লাৎলি। মৈদিংঙুশিংনা শা লান চৎলুবগা সনা [illegible] লঙাশন্দ্রিত্তেদা লাইযিংথৌ পাখংবদ লাইযিংথৌ নে[illegible]শাবদা অ[illegible] [illegible] লাইবেম্মদা লানপাউ তমদুনা লেপকী যাইফনবা থৌনিবগা সনা শ[illegible] [illegible]শিল্লি। লাইযিংথো নোংশাবা কনানো ব বখা লাইনো হাযবসি নো শাব লাইহুই পাবগা খঙগনি।

মথক্কী বানোল খবা অসিনসু লাইযিংবে নোংশাবা কংলা শানাও তাবচবনি। লোযননা কংলা শাদি খুৎশেমগী শান। তশেংনা লেবক্না

ঘবান ২৫ নি পানল [illegible]মশকৈশা নামচো মণিপুর [illegible] মবেপাব মবমদমদ হনখি।

শান্তিদাস গোসাই হাযবসি হিন্দ লাইনিঙ লাচৎ যাম্না খঙ হৈবদ [illegible] লাইবা [illegible] মন্ত্র যন্ত্রনচিংবসু খন্না হৈববা মী শুম্মাৎপা ঙম্না লগোইবনি। অদম [illegible] মব হিন্দু [illegible] শন্দোকপগী [illegible] [illegible] তৌরেদব ঘবব কযামুব তৌখি। খৃঃ ১০২৪ দা ভারত লৃত তৌনবগীদমক লান্দাবকখিব ঘাজনি লেদকী স[illegible] মহমুদনা হিন্দগী মমি চৎলবা সোমনাথকী মন্দিরদা লাৎপা মহাদেবগী মতিক নংথংন যেথাযনিবংম [illegible] গোসাই মাগী খজিন থৌনাঙদা লাইযিংথৌ সনামহীগী মতিবু নৃত্থ না থাদনা [illegible] ঘগাখি। মসিগী মথ[illegible] উমংলাই মপল অমদি [illegible] লাই মংমি অমা [illegible] [illegible] মাঙহনবগা লোযননা মৈতৈগী লইবক ১০০ মক [illegible] [illegible] থাদোবখি অসি [illegible] মাঙ [illegible] ঙাই [illegible] খ বা খববশি অসিব [illegible] লাম্মোইবা মসিদি খশিবগী নিংথৌবেন নিকোলাস চগী বোনংদা লৈবক্না নাসপতিন কৌবা লম্মোইবা মীয ওা ই থন্না পাথকপদা শিয যাদদুনা নো মেনা কাপ্নুং। হাৎখিবা মীওই অদদ্দাস হেন্না য ত্তে হাযবা যাই।

অমবোমদা মতম মদগী মৈতেগী অনিবা লাইনিঙ লাচৎ শম্মদি নাৎব মাযচো পবেনদি খোংনা থাবনি। চৌঙ্খাং অমদি লাইবকশিংদগী খঙবদি মাযচৌ অসি মৈতৈগী লাইনিঙ লাচৎ অমদি নাৎকী মবমদা যাম্না খঙ হৈবগী মথক্তা মৈতেগী ওইবা লাইবা তীনবা মন্ত্র যন্ত্রনচিংবদসু মপা লৈতনা হৈববা মীশক অমা ওইবম্মী। শান্তিদাস গোসাইনা থোবক্কবদা মাযচৌ অসিগা মহাক্কা চাংযেং ব যা তৌনখি হায। চাংযেংশি অদদা মাযচৌ অসিগী মথুং শান্তিদাস গোসাই হন্না হন্না মাযথিখি অমদি শিবা তাবল্লবদা মাযচৌ অসিনা গোসাইগী মখাযসু কনবিখি হায। মৈদিংঙু পামহৈবগী হি ঈ থোল্লবদা কংলা মে হৌববদা গোসাইগী শক্তিনা কবিনও৷ ঙমদ্রবদা খোংনাংথাবা মাযচৌনা ঈ থকহনখি অমদি মৈ মৃৎহনখি হায মপান লাইদ্রবা মাযচৌগী শক্তিদি লাইমক্কা পাংখক্লি হাযদুনা মাবু চিঙঙু

নত্তে। নোংশা হাযবপ মানবদগী মৈতৈনা শা অসিবু নোংশা কৌনৈ। কংলা মনুংগী উত্রা মাঙদা থোঙঙাকপা ওইনা খিন্দুনা থম্ল ব্রনি। শা অসি ঔৱা লৈবাক্কী পাগোডাশিংদা থোঙঙাকপা ওইনা খিন্দুনা থম্লিবা নোংশা হাযবপ মানবা খূৎশেমগী শা অদুগা পাংখক্লি। লাইযিংথৌ নোংশাবগুম কংলা শাদি লাইশঙ শাদুনা থমদে চাক কত্তে ঈবাৎ থৌনিদে, ফৃবা মাইবী চঙদে তাল্লোয ইবেনধৌশিং কত্তে ইনিংথৌশিংনা লানপাউ তমদে, কনামত্তনা নঙোন্দা কোক নোন্দে।

১৫। চকপ্রম – অঙোম শলাইগী যুম্নাক অমা। অঙোম নিংথৌ শিখোং লাম্থাবনা লৈহৌ নিংথৌ চনু পান্নদুনা পোবপা কোনখাং লাইচৌবগী ঈ।

১৬। লাইথংপম – মোইবাং অনৌবা শলাইগী যুম্নাক শাগে অমা। শাগে অসিমঙী লাইবেন মৈদিংঙু খাগেম্বগী (খৃঃ ১৫৯৭ ১৬৫২) মমাঙদা লৈবমদে। মৈদিংঙু খাগেম্বনা মোইবাং অনৌবা শলাইগী শোইবম খোঙানা ফৈবোইজম চনু পান্নদুনা পোকপা সনোকপু লাইযিংথৌ নোংশাবগী থৌগল তৌ হাযনা থৌজানবীবম্মী। শোইবম কৌবম্নদগী

হাযনসু কৌনখি। অদুম ওইনমক গোযাইনা লাইবিক মৈ থাবনচিংবগী থৌবাং পাযখৎলকপদা শক্তি চেল্লবা মাগচৌ অসিনা অথিংবা পীনদি ঙমখিদে। লাইবিক মৈ থাবা মংমদা মহাব মপানাংহদা লৈখি। মৈ চাকপা লোইনবা মতংদা কোন কাবখি। 'লাইলিব চাকপা লোইনোপা না ঙ খোংনাং কাবরে।" মিং।৫।

মসম্না শান্তিদাস গোযাইনা অবেৎ মপন্ন চংবা খোইনা যাওদনা মৈতৈগী লাই থুগাযদুনা লাইবিক মৈ থাদানা। হাম্নগা মৈতৈ লাইনা লীচৎ পম্মৎ মৎথৎনবা হোৎনখি। অদুব ঙম্নমক মাম পাকপদি ঙমখিদে। মৈদিংঙু পামহৈবনা মিকপ খোবঙনা মাঙলুববা মৈতৈগী লাই পূম্বা অমুক লিংখৎপগা লোযননা লাইযিংথৌ সনামহী অমদি অতৈ মৈতৈগী লাইশিং লৈবাক মীযামগা লোযনা। চেৎনা নিংচায। গোযাই মহাক্কা মৈ থাখিবা লাইবিবাশিংদুগা মনিং মথানচিংবা চপ মানবা লাইবিক কথা অমা লৈবাক অসিগী মযম করদা পোইশিন্দুনা থমহৌখি নখোযশিংদ হৌভিব হেৈজবকসু অগান্না যাওনি। বি। মসিগী মথঙা অতম্নগা পুথোকখিদবা লাইবিবাশিংসু লৈহৌখি। গোযাই মহাক্কী হিন্দু ধর্ম্মা অমদি হিন্দু নাৎকী পুবেন ওইবগী মথঙা অতৈ হীবম কযাদসু খোঙ থাংভিল্লবখি। মাংগী নাপ্তোঙ শীনাবসু ওইবনখি। চুঙ তা থাঙ চুমোয অমদি তেন্দোং যান্দুনা হেৎপদি নৎখিদে। মমৈদা খুৎলাই থাবা হৈবব মৈতৈ মচাশিংনা গোযাই মাগী মহুৎশূনা ঔনা লৈবাঙা লিলা ওইহনখি।

অদুদগী হৌদুনা মহাকপু লাইগা থংনরে হায়বগী লাইথংবম কৌখি। হৌজিক লাইথংবম হায়না খঙনরিবা য়ুম্নাক শাগেগী মীওইশিং অসি লাইরেন মৈদিংঙু খাগেম্বনা লাইয়িংথৌ নোংশাবগী থৌগল তৌ হায়না থৌজানবীরম্বা স্বরোক্কী চাদা নাউদা ঙাক্তনি।

মৈদিংঙু পামহৈবা — খৃঃ১৭০৯ দগী ১৭৪৮ ফাওবা পানখিবা মণিপুরগী নিংথৌনি। মৈদিংঙু তুবী চরাইরোংবনা (খৃঃ ১৬৯৭-১৭০৯) খয়োইরোন শাৎপম চনু নোংথিন চাইবী পান্নদুনা মৈদিংঙু পামহৈবনে মনাউ ইবুংঙো লোইয়ম্বনে মখোয় অনী পোকখি। মপা ইবুংঙো তুবী চরাইরোংবনা নিংথৌ ওইদ্রিঙৈ মবুধৌ পাইখোম্বনা (খৃঃ ১৬৬৬-১৬৯৭) পাল্লিঙৈ খৃঃ ১৬৯৬ কী ইঙা ১৭ নি পানবা ইরাই নুমিত্তা মমা ইবেম্মা নোংথিন চাইবী তাইবংপান থাদোকখি।

মৈদিংঙু পামহৈবনা মনাউ ইবেম্মা ১০ পান্নদুনা মচা ইবুংঙো ১৮ পোকখি। মৈদিংঙু অসিগী মনাউ ইবেম্মশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না মমিং চৎখিবীদি কেগে মোইরাং নিংথৌ ইৱাং পুরিক্লাই খোকখৈ লোনযাম্বগী মচা ইবেম্মা মৈতৈ লৈমা পাইখু লাম্থাবী গোমতী মহারাণীনি। মহারাণী অসিনা সনাহল চিৎশাইগা মনাউ ৫ গা মখোয় ৬ পোকখি।

মৈদিংঙু অসি মণিপুরগী নিংথৌরোলগী পুৱারীদা থৱানমিচাক্লুম লংনা খ্বাইদগী হেন্না মতিক মগুণ লৈনা পানখিবা মণিপুরগী খ্বাইদগী চাউবা নিংথৌরেলনি। শা লান্দা, শাথেং লাম্থেংনবদা, লাম্হোঙ শীনবদা মহাকমূক হৈ শিংবা অমদি লৈবাক ঙাক্লোন হৈবদা মহাক্লুম্বা নিংথৌদি মণিপুরগী লৈমায়দা অমত্তা পোকখিদ্রি। মহাক্না পাল্লিঙৈ মতমদা মণিপুরগী য়ুম্লোন কৈরোন্নবা লৈবাকশিং পুম্নমক্কা মহাকপু য়াম্না কিনরম্মী অমদি ঈকাইখুম্নরম্মী। নোংথাঙ কুম্পগুল্লবা মহাক্কী শাথেং লাম্থেংদা তখেল, ময়াং, কবো, ঔৱা লৈবাক্লচিংবা অমত্তা মাগী মমাঙদা লেপ্পা ঙমখিদে। মমান্নবা লৈবাক অমখক্তগা লাম্থেংনবদি লায়রদনা ঔৱা লৈবাক অমদি তখেল লৈবাক অনীনা লৌতুনদুনা অমুক্তদা থাঙচপ্পনা নোংপোক অমসুং নোংচুপ্তগী ফৃজিল্লক্তুনা লান্দারকপবু নোংশাগুল্লবা নিংথৌ অসিনা লৈবাক অনীমকপু শাথিনা মায়থীবা পীদুনা য়াম্লবা খৃৎশৃ খৃৎলাইগা লোয়ননা লানফা কয়ামুক ফাহৌখি।

নিংথৌ অসিনা ঔৱা লৈবাক্তা হন্না হন্না লান্দাদুনা সনা, লুপা, হীরা, মুক্তা, শা ষন কয়া লোল্লক্তুনা মণিপুর ইনাক য়াম্না খুনখি। ঔৱা লৈবাকপু ঙমদুনা লানঙম ফিরান থেৎলম্মী হায়নগী খুদম তুং কোইনা লৈহৌনবগীদমক ঔৱা কোনুং মনাক্তা লৈবা কৌমুদো পাগোডাগী থোঙজাউদা মহাক্কী থাঙগী থাঙফম থনম্মী। ইতিহাসকার Harvey না ইরি — "In 1738, they burnt

১৭। লৈসাংখোং খোমমাতা ফাওবপতা – লাইযিংথৌ তাইবং খাইবনা লম্লেন নোংযায লৈশাংখোং, হাওনু খুচিন নুংওনপা মবমখৈদা খুন্দাবা অঙোম শলাইগী লোংচম লৈশাংখোং তাবগী পিবা ওইবিবা মাযচৌ খোম্মা নৃঙমূচাদা চিঙঙু মতিক অরুববু খঙহনগে হাযবগী খোইমোম মতিক উৎনা শানফোংলুখিবা। চিঙঙু মানা লাইবেন

every house and monastery under the walls of Ava and stormed the stockade built to protect the Kaunghmudaw Pagoda slaughtering the garrison like cattle in a pen and killing a minister of the Hluttaw Council the old door leaves of the Pagodas eastern gateway shew a gash made by the sword by Garib Newaz when he was forcing his entrance' Outline of Burmese History

মৈদিংঙু পামহৈবনা মাগী থাঙফম থনম্বা ঔৱা কোনুং মনাক্তা লৈবা পাগোডা অসিগী মতাংদা George Scott না অসুম্নসু ইবি – " The number of bricks used in the construction of the Pagoda was 1, 01 26 552 and the number of baskets of red earth 650 385 A ground plan to scale is attached Much land was assigned to the service of the Pagoda and Siamese and Arakanese captives were made its slaves as is recorded on the tablet near the Pagoda There is a tradition that a battle was fought here with the invaders from Manipur, and a large gash in the carved frame of the eastern gate used to be pointed out as having been made by the sword of the Manipuri King when forcing an entrance This was probably in 1738 when Garib Nawaz the Raja of Manipur defeated the Burmese on the Chindwin and advanced as far as Sagaing which he captured Gazetteer of Upper Burma Rangoon 1900

ঙসিগী মীবোলনা ঔবা লৈবাক্তা পাগোডা অসিবু যেংলুবগা থম্মোযদা চাউথোকচবা অমদি পেঞ্জবগী ঈহুল অমা ফাওনবিবসি মৈদিংঙু অসিনা পীখিবম্বা মূৎপা নাইববোইদবা যাম্না শিঙথানিঙাই ওইববা ইতিহাসকী খুদোল অসিননি। লোযননা ইতিহাসকাব কযানা মণিপুব অসি মতম অমগী এসিযান পাৱাব অমা ওইনা শিঙথানবম্লিবা অসি মৈদিংঙু অসিগী অঙকপা মথৌনা মবিংজেল অমদি লানঙম ফিবাল থেৎলম্বগী মপান্ননি।

মণিপুবগী শা লানগী ইতিহাসতা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা অওনবা পুবকখিবগুম লাইনিঙ লীচৎকী লমদসু অচৌবা অওনবা অমা মৈদিংঙ অসিনা পুবকখি। মপা ইবুংঙো তুবী চবাইবোংবনা খৃঃ ১৭০৪ ''' বাই বনামালি কৌবা ব্রাহ্মণ অদুদগী হিন্দু ধর্ম্মা লৌখি। মৈদিংঙু চবাইবোংবনা বাধা কৃষ্ণ, কালিকানচিংবগী লাইশঙ শাবম্মী। অদুবু পুন্সি তেনখিবনা মখা তানা হিন্দু ধর্ম্মা শন্দোকপা

মপা মৈদিংঙুদা পাউমেনবদি খোম্মা লাইবোইনবগী লুরাই কোইবেন থক্তগী যাৱা মখোঞ্জেলবু তাইবং মীবোল সংসঙ থোক্লা পাউমেনখি।

১৮। লৈসাংখোং খোমমা – অঙোম শলাইগী লোংচম লৈশাংখোং তাবা ফঙ্গাগী মবুধৌ নাউতানা থৌদাম চনু পান্নদুনা পোকপা কপোমপনা খোইবোম চনু

মপৃঙ ফাখিদে। মপা ইবুংঙোগী মতুং ইন্দুনা মৈদিংঙু পামহৈবস্ হিন্দু ধম্মা চৎখি। অদুবু মহাক্কা পানবা মতমদদি হিন্দু ধর্ম্মবু ৌবাক্কী ওইবা ধর্ম্মগী থাক্তা পুখৎখি। মৈদিংঙু অসিনা খুল্লক্তা ওক যেন্নচিংবা লোইবা থিংখি। শা ষন চাবা থিংখি। অদুবু মৈতৈগী লাইশিংদা যু কৎপা যুপান থাবদি থিংখিদে। থকপসু থিংখিদে। লাইদা ঈ অমদি শদোং কৎপনচিংবদি থিংখি। মৈতৈনা শিবগা শাংফুম ফুল্লম্বদগী হৌজিক চৎনবিবা মৈগী পোৎলোই মওং অসিসু মহাক্কী হাক্তক্তা হৌদোক্লম্মনি।

মৈদিংঙু অসিগী হাক্তক খৃঃ ১৭২০ দা শিলোৎকী নবসিং টিল্লাদগী লাকখিবা শান্তিদাস গোষাইগী খৃজিন থৌবাঙদগী খৃ° ১৭২৩ দগী হৌদনা লাইযিংথৌ সনামহী যাওনা মৈতৈগী লাই মযাম অমা মাঙহনখি। গোষাই মশামক মৈতৈগী লাইগী কোমায খোমগৎপা অমদি থৃগাইবদা হকথেংননা যাওখি। ঐনা ফাপা লাইতকী হৈপোক লাহ অমা লৈহৌলিএ। অতপু ফালুখিকে কুমলকলে। – মিযাৎ। মৈতৈগী অবিবা লাহশিং মাঙহনখ্রবা মতংদা মৈদিংঙু পানহৈবদি মিকপ থোবক্তুনা লঙজখিবা খৈবিক খঙজবকপদগী মাঙহল্লবা লাহশিংগী খভম নৌনা লিংখৎতুনা লেবাক মীযামগা লোযননা অমুক হন্না নিঙবা হৌখি। মতৌ অসুম্না মৈদিংঙু অসিনা মৈতৈগী অবিবা লাই অমসুং হিন্দগী লাই অনীমকপু পূন্না নিঙবগী অনৌবা লাইনিঙ মওং অমা হৌদোক্লম্মী। মহাক্কা হৌদোক্লম্বা অনৌবা লাইনিঙ মওং অসি মণিপুবগী মনুং অমসুং মপান্দা লৈবিবা মৈতৈশিংগী মবক্তা হৌজিক যাওবা পাক শন্না চৎনবি। মখোযবু মৈতৈ হিন্দু/মণিপুবী হিন্দু হাযনা খঙনবি।

মৈতৈগী অবিবা লাই মযাম মাঙহন্নবা খৃজিন থৌবাঙ পাযখৎখিবা অমদি মাঙহনখিবথক্তনা ফৎত্রবা লম্মোইবা অসিগী অনিঙবা অপাম্বদু লোইখিদে। মৈতৈ মযেক্লা ইবা লাইবিকশিং অমদি পাখংবগী পাফলনচিংবা উবগা মসিদি মীগী লাইবিক নত্তে লাইগী মযেক্কে অবক্তনে মৈদা ঙম্না থাদোকখ্রো হাযনা অকনবা পাউতাক পীবক্লবদা লাইবিক মৈ থাবা ফাওবদি অহানবদা কযা যানিংখিদবা মৈদিংঙু পামহৈবনা লম্মোইবা নঙগী ৱা অসিদি অবক্তনে লৈবাক মীযামগা

পান্নদুনা পোকখিবা মচানুপা অহল লৈশাংখোং খোমমা মাযচৌ। "খোমমা পিবা খোইযুম লাইবোইনপতী লাইবেন মইতেংঙু নিংথৌবেল থাকেমপনা মবুধৌ খোইমোম লাইযিংথৌ সনামহী চিঙ্ঙু তাইবং খাইপকী ফৃবা লাইযীম সনা সঙকাযনুং, চিঙ্ঙু থৌতাইবেমকী থৌপু থৌকোক খোইযুম মনাই

খন্নখিগে হাযবল্লগা কোনুংদা লেঙশিনখি। লৈবাক মীযামগা খন্নববদা খোংনাংথাবনচিংবা মীযাম্না যানিংদবা ফোঙদোক্লবসু গুবঃ অথোইবগী পাউতাক্লা লৃম্না লৌদুনা মৈদিংঙ্ পামহৈবনা লাইবিক মৈ থাবদা যাখি। খোংনাংথাবা মাযচৌদি মযুম মাযকৈ পাংখি। মৈ থানবগীদমক লাইবিক ১২০ মুক পৈববদা যাম্মন্দবদ্গী শান্তিদাস গোষাইনা চিংনবপ তৌনা মৈদিংঙু পামহৈবদা হাযখি – "হে নিংথৌ। নঙকী লৈপাক্কী লাইলিকপু অসিতা ঙাইলাপালা। নিংথৌনা হাযযে। ঐকী লৈপাক্কী লাইলিঙ্গী অসি মঙাহ্ নে।" মথক্কী লাইবিব। লাইবিক মৈ থাবগী থবক গোষাই মশামক্লা অযেৎ অপন থোইনা যাওদনা কংলা উত্রা মাঙদা পাঙথোকখি।

লাইবিক মৈ থাবা হাযবসি লৈবাক অসিদতা নওনা মালেমগী মফম অতৈশিংদসু তোযনা থোকখিবা যাম্না লাইবক থিবা থৌদোক্লি। খুদম ওহনা চিনাগী নিংথৌবেল সি ৱাং টিনা খৃষ্টকী মাঙ চহী ২১৩ দা মাগা মন্ত্রি লি সুগী পাউতাক্তগী লাইবাৎ তীল্লাৎ সাহিত্য ফিলোসোফিনচিংবগী লাইশিব পূন্নমক খোমগৎলগা লাইবিক অমমমদং কোনুংদা থমহৌবগা অতৈ মখেদি মৈদা ঙন্নমক থাদোকখি। হিদাক লাংথক লৌউ শিঙউগী লাইবিকশি অমদি নিংথৌবেল অসিগী নিংথৌ শাগৈগী পুবাবীগী লাইবিকী শোকাখদে। নিংথৌগী যাথং ইন্দবা লাইবিক লোৎপা মীওইশিংদি মখোয মখোযগী ইমুং মনুংগা লোযননা হিংফুম ফুমদুনা হাৎখি। মসিগী মতুং তাথবকপদা তাংখক অনী থোক্লা খৃঃ ১২৫৮ অমদি খৃঃ ১২৮১ দা মোঙ্গোল নিংথৌবেল চিনাগীসু নিংথৌবেল কুবিলাই খান্না মাগী মযাম্বুংগী পাউতাক্তগী বৌধ ধর্ম্মা যোকখৎনবগীদমক চিনাগী অবিবা ধর্ম্মা টাওযিজমগী লাইবিক পূন্নমক খোমগৎতুনা মৈ থাদোকখি। তৌবতবু টাওগী টেকষ্ঠ অমগা হিদাক লাংথক্কী লাইবিকশিংগদি মৈ থাখিদে।

সান্তিদাস গোষাইগী পাউতাক্তগী মৈতৈগী লাইবিক মৈ থাখিবা মতমদা মৈদিংঙু পামহৈবনা চিনাগী নিংথৌরেলশিংনা লাইবিক মৈ থাখিবগী মওংগুম, হিদাক লাংথক, লৌউ শিঙউনচিংবগী লাইবিকশিং খন্দোক্তুনা মৈ থাবদা যাওহনখিদর। হাযবসিদি হাযবা ঙমদে। অদুম ওইনমক মৈ থাখি হাযবিবা লাইবিকশিং অদুগী মমিং মথা যেংবদদি হিদাক লাংথক, লৌউ শিঙউনচিংবগী লাইবিক্কী থোইনা যাওবা উদে। অমবোমদা মৈদিংঙু লোযযুম্বা, কিযাম্বা অমদি খাগেম্বনচিংবা মবুধৌশিংগী

অমাই মনাউযোকপু ওইহনপীবমযে।" – লোংচম লৈশাংখোং তাবা লাইযিংথৌ সনামহী মনাই ফুঙ্গা যুমচঙবা।

১৯। লোংচম–অঙোম শলাইগী যুম্নাক শাগে অমা। চিঙৱালক্কী পুবৈবোম্বনা হাওনিংশং নুবৈলৈশং শাফবী পান্নদুনা পোকপা অঙৌবা হংখৈ লোংনা থাবা কোবৌ নোং নিংথৌগী ঈ।

২০। থৌকানাউচম - লুৱাং শলাইগী যুম্নাক শাগে অমা। লুৱাং নিংথৌ পুন্সিবনা হাওকু লৈমা লমদং নিংথৌ চন্ পান্নদুনা পোকখিবা লাম্থৌ লাঞ্জাবনা হৈবেম কাংহৈনু খিং খিং কাংহৈন্ পান্নদুনা যাংহনবগা যাংখুবগা অনীমা পোকখি। যাংখুবগী ঈদি থৌকানাউচমনে।

হাঙকশিংদা হৌবম্বা অমদি ইবা হৌখিবা লৈবাক নিংথৌগী পুৱাবীগী লৈঙাক্লোন শেন্মিৎলোনগী অমদি অতৈ লাইবিক কয়া অমদি মৈ থাবদা যাওখিদবশিনা লাইবিকশিংদু মৈদিংঙু অসিনা অতম্বনা থন্দোক্লুনা মৈ থাবদা যাওহনখিদ্রে হায়বসিমদি যাম্না মযেক শেংলে।

মৈদিংঙু পামহৈবনা যাম্না খুৎকন পাঙন্না চহী ৪০ চুপ্পা পাল্লম্লগা মচা ইবুংঙো চিংশাইদা নিংথৌ থবম শিন্নখি। মণিপুরগী মফম কয়াদা থৈদুনা লৈখি। অদুবু লৈবাক মীয়াম্নদি নিংথৌ চিংশাইদা খুব-ম্লবগী মওত্তা মপা ইবুংঙো পামহৈবনা লৈবা মফমশিংদা হুপ হুপ্পুনা খুরুম্নবকপদগী কিনল্লদুনা চিংশাইনা মপা ইবুংঙোন ওইনা লৈবান্দা তাম্থোকখি। মতম থবা লৈবগা ঙৈবাদগা হল্লক্লে তাবনদা নিংথৌ চিংশাইনা শরো শিন্দুনা মনাউ তোলেন তোম্বা থাদুনা মপাবুংবু ওকপা লাকপা শাজিন্নবগা নিংথিগী তোম্ফাং হিদেন্দা লিলা ওইহনখি। নমথাক অদুবু খঙনবক্লবদা শাওববা মীয়াম্না মপা হাৎপা চিংশাইবু কোইতান ঙাল্লবকপদগী মচানুপা দেবশাইগা লোয়নন্না মযাং লৈবাক্তা চেনখি। মমৈথংদা জয়ন্তিয়াদা লৈখি। মপা নিংথৌবু হাৎপনি খঙনবকপদগী কনাম তুনা মতেং পীদবদগী চিংশাই মপা মচা কংদুনা শিখি। ঈ মৎখি। মপা ইবুংঙোবু হকথেংননা থৎলাই থাখিবা তোলেন তোম্বদি শাওববা মীয়াম্না কব্রং চীনবুন লাক্লা হাৎখি।

ইতিহাসকার অমদি লৈঙাকপা Sir Edward Gait না মৈদিংঙু পামহৈববু অসুম্না শিঙথাদ্না ইবম্মী — "Garib Nawaz proved himself an exceedingly able king and a most successful leader, and, under his energetic guidance, the Manipuris emerged from the obscurity in which they had lain for centuries " – –A History of Assam

নুংবান যাংখুবনা থাববোন চনু পান্নদুনা সাম্বা পোকখি। সাম্বনা ঙানবা চনুদা কানেম কানেম্না ঙানবা চনুদা থোকপা, থোকপনা ঙানবা চনুদা তবুংবা তবুংবনা অঙোম চনুদা নিংথৌবা নিংথৌবনা এলাংবম চনুদা লৈচোনবা পোর্কখি। লৈচোনবনা লাইফ্রাকপম চনুদা শানোংনে, পোংথানে তেংগোলনে অহুম্মা পোকএ। শানোংদি থৌকানাউচম যুমলেন্নে। পোংথাদি যাইমবা ফৃঙ্গানে। তেংগোলনা সনামহী মনাইনে। ফৃবা তাবা থৌকানাউচমগী যুঙ্গা যুমচঙবদি তেংগোলনা হৈসনাম চনু পান্নদুনা অমুনে তোনবনে অনীমা পোকএ। থৌকানাউচম ফৃঙ্গা যুমচঙবা।

মথংথৌ নোংবান যাংখুবগী মনোংযাই থৌকানাউচম মচা তোনবা কৌবা মদাহবেম তযম ফৃঙ্গা নাইবু লাইবেন মৈদিংঙু খাগেম্বনা চিঙ্গু তাইবং খাইবগী মনাই ওইহনবীবম্মে।

২১। লাই মনাই ওইঅো পীবমযে—তাইবং লাইথিংথৌ লাইবেন মৈদিংঙু খাগেম্বনা লোংচম এমসুং থৌকানাউচম যম্নাক অনীমবু খোইনাম লাইথিংথৌ ফাল্লৈহোম্না চিঙু তাইবং খাইবা লাইথিংথৌ সনামহীগী মনাই ওইদুনা থৈগল হংজৌও হায়নব থৌজানবীবম্মে।

লোইববা



M U LIBRARY
Ac... ...ty Date
...ified by Date
Catalogued by Date
Data entered by Date